মহাকবি কালিদাস প্রণীতম্

রঘুবংশ-মহাকাব্যম্

শ্রীবংকিম চন্দ্রসিংহ (জ্যোতিষাধ্যক্ষ)
হাটি, পোঃ তোকপাড় সৈকাই।

মহাকবি কালিদাস প্রণীতম্

রঘুবংশ-মহাকাব্যম্

(অহানবা)

—:০:—


শ্রীথাংজম চন্দ্রসিংহ (জ্যোতিষশিক্ষণ)
বাঙ্খে, কোংবা ভোকপম লৈকাই।

থোকপা:—

শ্রীথাংজম চন্দ্রসিং

থাংমৈ কোংবা তোকপম লৈকাই।

১৯৮১ ইং।



স্বত্ব পুস্তকক্তা অর্পোত্তবগীনি

মমল [illegible] ১২.০০

কোপী মশীং ৫০০

উৎসর্গ

পাণ্ডেয় রামতেজ শাস্ত্রীনা ইবা রঘুবংশ অসিবু

মৈতৈলোন্দা হন্দোকচন্থনা ইবুংঙো-ইবেম্মশিংদা কচ্চরি।

ছাপা নক্ষম :—

ফ্রেণ্ডস ইন্দষ্ট্রিয়েল প্রেস।

হঙ্গচবা

রঘুবংশ মহাকাব্যম্ অসি পাংথ্রবা অমদি হৈবা, পাবা থোক্লবা ঐনা পাণ্ডেয় রামতেজ শাস্ত্রীনা হৈবা টিকাদগী লৌথোক্লুনা মৈতৈলোন্দা ইথোকচবনি। মসিদা ঐগী অপাম্বদি রঘু শাগৈ অসিদা কলিগী পাপনা মচু শংহুনা লৈরবা জীবশীংবু শ্রীরাম নাম শোনন্দা লাইনা কোকপা ওস্মী, মহুদি মহু কল্লব লীলবু থাহেংবা লাইনা মাংহনবগুম্। মথোইগী শাগৈদা পোকখিবারবী রাম অমদি লক্ষ্মণ ভরত, শত্রুঘ্ন, মরিমকপু হল্লা হল্লা পুক্রমজরি। অহুপা লোইনবা ঐনা ইভ্রাংবা অসিনা অরাম-অহুই য়াওখিব. পুন্নক অচৌবা কবিশীংনা চংখিবা লম্বীদা শোম্মা ইনবগুম লৌবিগনি, মহুদি পাক্লবা ইপাক্তা শাবা থোংদা অপিকপা ককচেংনা লানবগুম।

শ্রীথাংজম চন্দ্রসিংহ
বাঙ্খে কোংবা তোকপম লৈকাই।

রঘুবংশগী বিষয়-সূচী

মঙ্গলাচরণ

বর্ণানামর্থসংঘানাং রসানাংছন্দসামপি ।
মংগলানাংচ কর্ত্তারৌ বন্দে বাণীবিনায়কৌ ॥১॥

ময়েক, অর্থগী মপ, রসশীং, ছন্দশীং, অমসুং মঙ্গলগী তুংবকম ওইরবী, দেবী শ্রীসরস্বতী অমদি বুদ্ধিগী মবুংতো শ্রীগণেশজীবু ঐনা খুরুমজরী ॥

ভবানীশঙ্করৌ বন্দে শ্রদ্ধাবিশ্বাসরূপিণৌ ।
যাভ্যাংবিনা ন পশ্যন্ত সিদ্ধাঃ স্বান্তস্থমীশ্বরম ॥২॥

শ্রীপার্বতী অমসুং শ্রীশঙ্করজীদি অশেংব অমদি থাজনকম মশকনি মাবু নত্তবা ব্রাহ্মণ-বৈষ্ণবশিংনা থুম্বা লৈবা ঈশ্বরবু উবা ঙমদে অহুংগুম্বা মপুবু ঐনা খুরুমজরী ॥

বন্দে বোধময়ং নিত্যং গুরুশঙ্কররূপিণম ।
যমাশ্রিতো হি বক্রোহপি চন্দ্র সর্বত্র বন্দ্যতে ॥৩।

জ্ঞানগী মশক ওইরবা, অ.রমা, শঙ্করগী মশক ওইরবা শ্রীগুরুবু ঐনা খুরুমজরী, মহাকী খোঙজানফংবদগী অপেংবা থাবুদু মকম পুম্নমক্না খুরুমজৈ ।

.ছুট কলা এক দমীগী মতেংদগী লাইরিক অসি কোংঙব ঙম্বগী দমকন্না শ্রীনায়রণবা মতম খোংবক্তা চানবীব লৈইসম্ব ॥

শ্রীগনেশায় নমঃ ॥

মহাকবি কালিদাস প্রণীতম্

রঘুবংশ-মহাকাব্যম্

"মধুরা" অভিধয়া মণিপুরী টীকয়া সমেতম্ ।

—[0]—

প্রথমঃ সর্গঃ

(অহানবা শরুক)

(লিংথৌ দিলীপনা বসিষ্ঠকী আশ্রমদা চংবা)

বাগর্থাবিব সংপৃক্তৌ বাগর্থপ্রতিপত্তয়ে ।
জগতঃ পিতরৌ বন্দে পার্বতীপরমেশ্বরৌ ॥১॥

মহুদি ৱাহৈ অমসুং অর্থ তোংতান্নবগুম অমত্তনি হাকৈ, মথৌ অদুগুম্বা পার্বতী অমসুং শিববু হাইবদা মশক অমা ওই, তৌইগুম্বা শক্তি অমত্তুনি । মরম অদুদা ৱাহৈ অমসুং অর্থবু চুম্না খংবা অদুদা মহুসী খংবা ইবা মতিকচা থংবা থংনবগীদমক জগৎকী মমা-মপা পার্বতী অমসুং শিববু খুরুমজরি, অসিগুম্বা শক্ত অমসুং অর্থ অসি মশক অমত্তনি ॥১॥

ক সূর্য্যপ্রভবো বংশঃ ক চাল্পবিষয়া মতিঃ ।
তিতীর্ষুর্দুস্তরং মোহাদুড়ুপেনাস্মি সাগরম্ ॥২॥

কদাইনো সূর্য্যনা পোকপা অদুগুম্বা মগুন লৈবা খাগৈ অসিকা ৱখল অমসুং ৱায় মথংশিংবা মপাকপ কয়া পোকই অমসুং কদাইদগী ঐগী পিক্রবা ৱাখল অসিবুঃ । মহ পুম্নমক অদুগা ঐনা মুত্ত খংকৈ, মহুদি ঐনা রঘুবংশগী অজকুণা গুণবু লাংহোকপা ঙমদ্বোই । অদুনা লোইনবা

অপংবদগীদু পংলবা ঐনা পাক্লবা হি যচা অমমা মপাল মাইজেব। সমুদ্রদু লাম্বোকনি রাখল তৌরি ॥২॥

মন্দঃ কবিযশঃ প্রার্থী গমিষ্যাম্যুপহাস্যতাম্ ।

প্রাংশুলভ্যে ফলে লোভাদুদ্বাহুরিব বামনঃ ॥৩॥

অহুম ওইবমক ঐ অসি ওম্বোক্লা অপংবনি, তোইওবগুং অপাম্বদি ঐনা অচৌ অচৌবা কবিশিংগী মমিং খীবদা য়াওমিন্নবা। মসি তাংবগা লোইনব-মকী ঐবু লোক্লবীগনি। মরমদি অপীকপা অত্তংবা অচৌবা উধক্তা পানবা মহৈবু হেকপা পাম্বগুম, মচু তম্মদী অশাংবা মথুক্তন: ফংবা ঙম্মী ॥৩॥

অথবা কৃতবাগ্দ্বারে বংশেঽস্মিন্ পূর্বসূরিভিঃ ।

মণৌ বজ্রসমুৎকীর্ণে সূত্রস্যেবাস্তি মে গতিঃ ॥৪॥

অদু ওইদুনম ঐনা য়াম্না চাওবোকনিংতোই ওইবা বাখলদি মসিনি বাল্মিকি অসিবচিংবা মহাংতৈগী কবিশিংনা সূর্য্যবংশগী কজববা কাব্য ওবিদুনা খোঙোক কম্লাবা হায়দগী হৌনা পূর্বকলে। মরম অদুদগী পুন্নকপু খোমজনগা অসিগুম্বা বংশবু অমুক হম্না বর্ণন তৌবদা ঐঙোন্দণ্ডী অরাইবা ওইরে, মচুদি কজববা ইন্দ্রনাগ মণিবু খুদোপকোল্লুনা শিবগুম, অমদি অতংপা মণিবু খোমজিল্লুনা পনেং লেংবদা লাইবগুম ॥৪॥

সোঽহমাজন্মশুদ্ধানামাফলোদয়কর্মণাম্ ।

আসমুদ্রক্ষিতীশানামানাকরথবর্ত্মনাম্ ॥৫॥

মখোইগী অমচংতি অহৌবগী অরোইবা ফাওবা অশেংবনি, মচুদি কবাগুম্বা অমমা কবিগুম্বা থবক অমা তৌরবদা পুমনোই লোইবগা খাদোকই। মখোইগী রাজ্যদি সমুদ্রনা কোইরিব পুম্বা পাকচাওবা শন্দোকই অমসুং পৃথিবীদগী স্বর্গ ফাওবা মখোইগী লোল্লাইনা য়াম্না চুম্না হেন্দৎ হন্দা চংলি ॥৫॥

যথাবিধিহুতাগ্নীনাং যথাকামার্চিতার্থিনাম্ ।

যথাপরাধদণ্ডানাং যথাকালপ্রবোধিনাম্ ॥৬॥

মখোইনা শাস্ত্রগী মতুংইন্না যজ্ঞ তৌই, মখোইদা হাইজবদা অমদি

চংজয়ক্লবাশিংবু মবুক্লিংনা পাম্বা দাগ তৌই, মথোইনা মরাল নৈরব-শিংবু মরালগী মতুং ইন্না নৈরাক পী অমসুং মথোইগী মওং য়েংহনা থবক পী ॥৬॥

ত্যাগায় সম্ভৃতার্থানাং সত্যায় মিতভাষিণাম্।
যশসে বিজিগীষূণাং প্রজায়ৈ গৃহমেধিনাম্ ॥৭॥

মথোইনা ওইজবা থাদে কনবগীদমক লন তাল্লি, মথোইনা অচুম্বা তাক্লবগীদমক্ থবদাক তাংদি, মথোইনা মিংচং কনবগীদমক অতোপ্পগী নৈবাকপু জয় তৌই, অমসুং চবাগ-মূংতাইনা চাননবগী মতে, শুধগী মচা কনবগীদমক লুহোংই ॥৭॥

শৈশবেঽভ্যস্তবিদ্যানাং যৌবনে বিষয়ৈষিণাম্।
বার্দ্ধকে মুনিবৃত্তীনাং যোগেনান্তে তনুত্যজাম্ ॥৮॥

মথোইনা অঙাং ওইরিঙৈদা লাইরিক তম্মী, মথোক কায়কপদা সংসারগী মুংতাইনা পুন্নমক ভোগ তৌরম্মী, অহল ওইরক্লবদা মুনিশিংগী মতৌগুম্না লমলশিংদা নৈরবা তপস্যা তৌরম্মী অমসুং অথোইবদা যোগনা মরম ওইদুনা হকচাং থাদোকই ॥৮॥

রঘূণামন্বয়ং বক্ষ্যে তনুবাগ্বিভবোঽপিসন্।
তদ্গুণৈঃ কর্ণমাগত্য চাপলায় প্রচোদিতঃ ॥৯॥

অসিগুম্বা থৌজক্তা ওইবা ঙাংবা থবক, অদুবু রঘুনা থুনা তৌরবা অথোইবগী মতিক-মগুন্না থল্লবা রঘুবংশগী বর্ণন তৌনবা হোৎনরি। মরমদি রঘুবংশগী গুণ পুন্নমক্না ঐগী নাকোংদা থুনরে, মতুনগী ঐগী অসিগুম্বা কাব্য ইবগী থাখ হেনগৎহল্লি ॥৯॥

তং সন্তঃ শ্রোতুমর্হন্তি সদসদ্ব্যক্তিহেতবঃ।
হেম্নঃ সংলক্ষ্যতে হ্যগ্নৌ বিশুদ্ধিঃ শ্যামিকাঽপি বা ॥১০॥

অসিগুম্ব কাব্য অসিবু তানববগীদমক মীওইবশিংনা শেম শাহুনা লৈ। মসিদা অফ-ফত্ত শকক কয়া য় ওরী। মরমদি অকবা স্নাবা মৈ চংদগা মগুণ হেনগৎপগুম্মা ॥১০॥

বৈবস্বতো মনুর্নাম মাননীয়ো মনীষিণাম্ ।
আসীন্মহীক্ষিতামাদ্যঃ প্রণবশ্ছন্দসামিব ॥১১॥

মহুদি বেদশিংগী অহানবদা প্রণব (ওঁ) মা ওই, মতৌ অদুগুম্না নিংথৌশিংগী অহানবদা সূর্য্যগী মচা বৈবস্বত মনুনা ওই। মহাকপু মহৈ মশিং হৈবা পণ্ডিতশিংনা ইকায় খুম্মি ॥১১॥

তদন্বয়ে শুদ্ধিমতি প্রসূতঃ শুদ্ধিমত্তরঃ ।
দিলীপ ইতি রাজেন্দুরিন্দুঃ ক্ষীরনিধাবিব ॥১২॥

অদুগুম্বা বৈবস্বত মনুগী লৈনবা বংশদা নিংথৌশিংনা থাগী মতৌ-গুম্না পুম্নমক্পু শুংত্রাইবা পীরবা অমদি মহৈ মহৈ অশেংবা মমচংবা নিংথৌ দিলীপনা। মতৌ অদুম্না পোকই, ক্ষীরসাগরদগী থাবা পোক-খিবগুম ॥১২॥

ব্যূঢোরস্কো বৃষস্কন্ধঃ শালপ্রাংশুর্মহাভুজঃ ।
আত্মকর্মক্ষমং দেহং ক্ষাত্রো ধর্ম ইবাশ্রিতঃ ॥১৩॥

মহাক্না অপাকপা থবাক, মগী মকোগুম্বা অমাংবা লেংজুম, কোনা পাথীগী মতৌগুম্না শাংলবা পাম্বোম অমম্থুং মহাক্না মশীং লাকপমক্রবা মতীক-মগুণ য়েংলগা মতম হায়রবা থক্লি মহুদি—হে মীওইবা ক্ষেত্রিশিংগী ধর্ম্মদি অকনবা ওইরে মহাকী মশাদা থংবা। অদুগী মহুদি অকনবশিংবু চাকপীবা ক্ষত্রশিংবুনা মাংহন্নবগী থবক অদু মহাকী মশাদা পুম্না লৈ ॥১৩॥

সর্বাতিরিক্তসারেণ সর্বতেজোভিভাবিনা ।
স্থিতঃ সর্বোন্নতেনোর্বীং ক্রান্ত্বা মেরুরিবাত্মনা ॥১৪॥

মহুদি— সুমেরু চিংবা মহাকী মক্তিক মগুম্না সংসারগী অকনবা পোৎ পুম্নমক্পু মমৈ, মহাকী অচৌকপা পোৎশিংবা অচৌকপা পোৎপু, মাংহল্লি মহাকী অমাংবা শক্তা অদুবো পোৎ পুম্নমক্পু মঙাংলি অমম্থুং মহাকী শান্তোকখিবা শক্তা পৃথিবী পুম্বু কুপশিল্লি, মতৌ অদুগুম নিংথৌ দিলীপনচু মহাকী পাক্লা, মথৌনা অমম্থুং মশাগী পুম্নমক্পু মখা পোন্থ-হন্নুনা পৃথিবী পুম্নমক্পু মাগী খুত্থম্ থম্লী ॥১৪॥

আকারসদৃশপ্রজ্ঞঃ প্রজ্ঞয়া সদৃশাগমঃ ॥

আগমৈঃ সদৃশারম্ভ আরম্ভসদৃশোদয়ঃ ॥ ১৫ ॥

মহাক্কী কক্তবগী ভুমৈথ ৈঅকে, মহুগী মতুং ইমা বুদ্ধিদা চংথোক্লি। বুদ্ধি চংথোববগী মতুং ইমা মৈহ পুন্নমক ৈহ। মথম অহৃনা শাস্ত্রগী মতুংইমা থবক পুন্নমক্তা মথুং থক্মী, (পাংথোকই)। মথম অহুমগী মহাক্কা অপাম্ব' অক্ষুথা মৈহ পুন্নমক্ কংবা ভম্মী ॥ ১৫ ॥

ভীমকান্তৈর্নৃপগুণৈঃ স বভূবোপজীবিনাম্।

অধৃষ্যশ্চাভিগম্যশ্চ যাদোরত্নৈরিবার্ণবঃ ॥ ১৬ ॥

ভা কোকিরাবয় শুক্তারনচিংবা ভা মচাশিংনা সমুদ্রদা কিবা অহুনী মতৌগুম্ব নিংথৌ দিলীপ্সু মহাক্কী সেবকশিংনা কিবৈ। মথমদি ম্যাঘব-চিংবদা যাম্না ইত-শিংনম' কনাগুম্বা অমত্তুনা মমাংদা লেপ্পা ভমদে। তৌইজরগুং মীওইবশিংনা সমুদ্রগী মহুংদা বস্থ (মণি) কংবনীদমক সমুদদা পুম্মী, মথৌ অদুগুম্বা নিংথৌ দিলীপসু থৌজান্ম ৈহ, অমমুং থপ ৈল্ মহুদি মহাক্কী মনাযশিংগা মাগী থৌজান্ম কংবনীদমক্ মতম পুন্নমক্তা নিংথৌগী মাইৈপদ' ৈল ॥ ১৬ ॥

রেখামাত্রমপি ক্ষুণ্ণাদামনোর্বর্ত্মনঃ পরম্।

ন ব্যতীয়ুঃ প্রজাস্তস্য নিয়ন্তুর্নেমিবৃত্তয়ঃ ॥ ১৭ ॥

মহুদি ইত-শিংনা সাংবগী লোঙাই থৌবদা মিকপ কাইদনা থৌই, মহুগী মতৌগুম্ব নিংথৌ দিলীপনা যাম্না নিংথীনা প্রজা পালন তৌই মহুদি কনাগুম্বা পক্তা অমত্তুনা মপুনা হাযথিনা নিয়মগী মাহোকপা ভমদে। মী পুন্নক শাগ পুন্নমক্ অমমুং অশ্রমশিংদা নিয়মগী মতুংইমা মা-মাগী ধর্ম্মদা অকনবা মমাং লৈশমৈ ॥ ১৭ ॥

প্রজানামেব ভূত্যর্থং স তাভ্যো বলিমগ্রহীৎ।

সহস্রগুণমুৎস্রষ্টুমাদত্তে হি রসং রবিঃ ॥ ১৮ ॥

মহাদি সুর্য্যদেবনা মশাগী মতাননা ৈথমাইগী অতক্ যাম্না ঈশিংবু কংহন্নি, মহুগী শকক লৈ শং হেন্না লোং চুহন্নি। মতৌ অদুগুম্বা নিংথৌ দিলীপনসু মহাক্কী প্রজাশিংদা দান তৌই, মহাক্কা প্রজা পুন্নমকী লেনম-মনীদমক থক্তি তৌথোকই ॥ ১৮ ॥

সেনা পরিচ্ছদস্তস্য দ্বয়মেবার্থসাধনম্।
শাস্ত্রেষ্বকুণ্ঠিতা বুদ্ধির্মৌর্বী ধনুষি চাততা ॥ ১৯ ॥

অহুদি অতোপ্পা মিংথৌশিংগী মথুত্তা অহেকপা থাম্মি বৈ, মতৌ অদুনা মিরম্মী দিলীপকী মশক্তাংদু অহেকপ থাম্মি বৈ। তৌইগুম্বদু: থৌদিবা থাম্মি পুম্নমক্ বৈতেংগী ওইনা লৈরম্মী, মথোইগী থোইদোকপা থবক লৈতে। পুংমাই পুম্নমক্তা মথোই পুম্নমক্তা অহেকপ জ্ঞান লৈরম্মী অমম্বুং মীরুং পাইকদ্রু অস্ত্র মচাই। মরম অদুনা মথোই পুম্নমকী থবক্ পুম্নমক্তা মশাগী মতম্ বুদ্ধি অমম্বু তেন কাপথোকপকপদা থংবা ওম্মী। মথোই পুম্নমক্ কাক্তবা থবক অমদা কনাগুম্বগী তাকুবিংচাই লেতে ॥ ১৯ ॥

তস্য সংবৃতমন্ত্রস্য গূঢ়াকারেঙ্গিতস্য চ।
ফলানুমেয়াঃ প্রারম্ভাঃ সংস্কারাঃ প্রাক্তনা ইব ॥ ২০ ॥

মহাক্কা কনাগুম্বা অমগী মকমদ মাগী থম্মোয়গী বা হাইদোকউরে অমম্বুং মহাক্কী ইঙ্গিতা কনাগুম্বা অমত্তা থাগৎহনবা তৌদে। মচুদি চন্দ্রকী মপোক অমিকা অতোপ্পশিংগী কনববা তোবীগদোবি হাইবা থংবৈ, মচুদি মহাক্কা মহারমুক্কী মপোক্তা অকবা নত্রগা কত্তবা কর্ম তৌরকপা, অহুগুম্বা মিংথৌ দিলীপকী থম্মোইগী বা পুম্নমক প্রজানা থংবৈ, মতম অচুদা মাগী অপাম্ববু মপুং ফানা তৌত্রিবথৈ অতোপ্পা অমনা হায়না তৌদে ॥ ২০ ॥

জুগোপাত্মানমত্রস্তো ভেজে ধর্মমনাতুরঃ
অগৃধ্নুরাদদে সোঽর্থমসক্তঃ সুখমন্বভূৎ ॥ ২১ ॥

মহাক্কা চিংবদা লৈতনা মাস্বাবু ঙাকলম্মী, শ্লাম্বা ইকায় খুম্নবগা লোইননা ধর্মবু পাখন তৌই, অপাম্বা লৈতনা শনবু পুখিল্লি অমম্বুং অহেকপা থাদোকুনা সংসারগী সুখভোগবু ভোগ তৌই ॥ ২১ ॥

জ্ঞানে মৌনং ক্ষমা শক্তৌ ত্যাগে শ্লাঘাবিপর্যয়ঃ
গুণা গুণানুবন্ধিত্বাত্তস্য সপ্রসবা ইব ॥ ২২ ॥

কনাগুম্বনা মইৎ-মশিং হৈরবা, মথোইনা মশাগী বিদ্যা অহুদা থাপদ তৌই। কনাগুম্বা মপাঙ্গল কল্লবা, মথোইনা অতোপ্পশিংবু অকায়বা পীরদা মশাবু অকনবনি থক্তি। অহুগুম্বা মীনা দান তৌরবা নত্রগা

মশাগী ওইজবা থবা থাদোকপনব', মতুদা মথোইদা মাইপৈ মরিমক্ মশাগী মরিং থম্বা। তৌইতুবসুং নিংথৌ দিলীপনা মতুমী বা দৈতে। মহাক্না মতু পুম্নমক থ'গনসু তুম্মিন' দৈ, রেফবশিংবু অমম শিংথবগী পাজল দৈজবসু মথোয়বু চাকশীনবগী অমসুং দান পীতুনা অমদি কনাগুম্‌-মীদমক ওইজব থ'দোকুবসু মহাক্‌' মশাগী থাগৎনবগীদমক অপাম্বদু ওইরদে। অতুগুম্বা 'নবাকী চৎনবব' বাব্বাবত্ত য়ে'ঙগা তুম্মিদা দৈ, চাকশীবা অমসুং থাগৎপবু তাল্পোকথিববা গুণসু মতোন্দা জ্ঞান, শক্তি অমসুং তাগকা লেইবন মোইমব পোকই ॥ ২২ ॥

অনাকৃষ্টস্য বিষয়ৈর্বিদ্যানাং পারদৃশ্বনঃ।

তস্য ধর্মরতেরাসীদ্বৃদ্ধত্বং জরসা বিনা॥ ২৩॥

সংসারগী ভোগশিংদা মহাক্না মনাক্তা কাজিরতুবা থম্মুদে, বিদ্যা-পুম্নমকপু মহাক্না থম্মোয়দা চংবা থম্মী অমসুং মশাগী পুন্সিদা অহিং মুংখিল্লদা ধর্মগী থবকশিংদা চংতুনা দৈ। ঋষিদগী শিকপা মওংদা মহাক্না অতুকী মতিক দৈ-শিংই মতুদ অচৌবা থবক নক্রবগুম মাগী চোক-শিনবা অতুদা অচৌ কচৌবা থবক পুম্বা পাংথোকই ॥ ২৩ ॥

প্রজানাং বিনয়াধানাদ্রক্ষণাদ্ভরণাদপি।

স পিতা পিতরস্তাসাং কেবলং জন্মহেতবঃ॥ ২৪॥

মপানা মহাকী মচাবু কত্তুবা শবক্তা তেংনদে, অকবা থবক্ তৌব-গীদমক্ তমী, মঙ' খুদিংমক্‌' নাকল' অমসু' মাবু তোকপী থাকপীতুনা চাওহল্লি। মতৌ অতুকম নিংথৌ দলীপনসু মহাকী প্রজাবু সত্রব লমীদা চৎকদবা অতু শিংই, অনবা থবক্ কানবগীদমক্ মতম পুম্নমক্ত থৌগৎপী অরাবা তারবদা' মথোইবু কনবী অমসু' মথোইগীদমক্ চাম্নবা, খি, মন অমদি তাকপী জিকপীরপা লোইরমনা য়েংক থাকই। মতৌ অসিগুম্ন মহাক অসি প্রজাশিংগীদমকক্তি অনেংনা' মপানি, চম্নগী ঐরেংকেব পোক-পীবগীদমকসু ইপা কৌই ॥ ২৪ ॥

স্থিত্যৈ দণ্ডয়তো দণ্ড্যান্ পরিণেতুঃ প্রসূতয়ে।

অপ্যর্থকামৌ তস্যাস্তাং ধর্ম এব মনীষিণঃ॥ ২৫ ॥

ময়াম মৈয়মশিংবু হণ্ডও পীবদি নিংথৌগী ধর্মনি। মরমদি ময়াম মৈয়মশিংবু হণ্ডি পীজবদি মৈবাক অদু থাংবা ওয়দে। মরম অদুনা ময়াম মৈয়মশিংগীদমক্ অথোইবা হণ্ডি পী। শাস্ত্র হেৎপংকনবদু মীওই-বগী ধর্মনি। মরম অদুদগী মচা পোক্লবগীদমক্ অমনি শাস্ত্র মুংথোক-লবগীদমক্ মহাক্না লুহোংই, কমক মীহোবগী নত্তে। মতৌ অসিগুম হণ্ডি অমম্বুং লুহোংবদা অশেংবমক্ অর্থ শাস্ত্র অমম্বু: কাম শাস্ত্রগী বিষয়নি, অযুকম্ মাগী মকমদা খুংলরববদা মথোইম্ ধর্মদা চংথি ॥ ২৫ ॥

দুদোহ গাং স যজ্ঞায় সস্যায় মঘবা দিবম্

সংপদ্বিনিময়েনোভৌ দধতুর্ভুবনদ্বয়ম্ ॥ ২৬ ॥

নিংথৌ দিলীপনা প্রজাদগী লৌখিবা পুম্মক্ মহাকনা ইন্দ্রবু পেন-হন্নবগীদমক যজ্ঞদা শিজিন্নৈ। মরমদি মাগী থাজবা অমা লৈজে মদুদি যজ্ঞ তৌবনা লাইশিংবা পেনবীদুনা শুংভাইবা ওই। মদুদগী ইন্দ্রনম্ পেনবীদুনা আকাশতগী নোং তাংহনবীরকই। মদুদগী লৈবুককী মহৈ-মরোং মপুং কাহল্লি। মতৌ অসুম তৌদুনা নিংথৌ দিলীপ অমম্বুং ইন্দ্রনা অমনা অমবু মতেং পাংহন্দুনা প্রজাবু পালন তৌই ॥ ২৬ ॥

ন কিলানুয়যুস্তস্য রাজানো রক্ষিতুর্যশঃ।

ব্যাবৃত্তা যৎপরস্বেভ্যঃ শ্রুতৌ তস্করতা স্থিতা ॥ ২৭ ॥

নিংথৌ দিলীপ মত্তুনা কনাগুম্বা নিংথৌশিংনা মহাকী প্রজাবু ডাক শেনবদা থোইদোকপা মমিং লৈতে। মরমদি পুম্নমক্কী মকমদা করি করিগুম্বদা হুরান-চিন্থি থোকই। তৌইগুম্বম্বুং দিলীপকী লৈবাক্তা অহুগুম্বা মওংগী হুরাবনা হাইবা মমিং লৈজদে। মহাকী লৈবাক্তা কনাগুম্বা অমগী মকমদগী স্না-লুপা হুবা ওয়দে ॥ ২৭ ॥

দ্বেষ্যোঽপি সংমতঃ শিষ্টস্তস্যার্তস্য যথৌষধম্।

ত্যাজ্যো দুষ্টঃ প্রিয়োঽপ্যাসীদঙ্গুলীবোরগক্ষতা ॥ ২৮ ॥

মদুদি কনাগুম্বা অনাবা মীনা হিদাক অসি থক্লবদি কনি হাইনা থন্দুনা হিদাক থকনৈ। মতৌ অদুগুম্বা নিংথৌ দিলীপ নম্ অদুগুম্বা মেকনববু শুদুম চনশিন্দুনা মুংভাইবা ওইহল্লি। মদুদি লিলনা চিক্লবা

মীনা মাপী থুংশা পুবা কোঙ্গি, মতংগুম্না নিংথৌ দিলীপনা অহুংবা শাগে নাইতেবুগ লৈবাক অহুংগী তানথোকই, মতুংদা মদো কত্তবা ওইখি ॥ ২৮॥

তং বেধা বিদধে নূনং মহাভূতসমাধিনা।
তথা হি সর্বে তস্যাসন্‌পরার্থৈকফলা গুণাঃ ॥ ২৯ ॥

ব্রহ্মা মশামক্না মতাংগী দিলীপকী পৃথ্বী, জল, তেজ, বায়ু, (লৈবাক্‌, ঈশিং, মঙাল, নুংশিৎ) অমসুং আকাশ অসিগুম্বা তত্ত্ব মঙাহান শেম্লখি। মরমদি অহুংগুম্বা তত্ত্বশিংগী অমসুং তত্ত্বশিং অদুনা সৃষ্টি পুম্মককী গন্ধ, রস, রূপ, স্পর্শ অমসুং শব্দ পুম্মকপু লেম্না মতুংগী অহুংগুম্ব নিংথৌ দিলীপনা গুণ পুম্নমক্না তুম্মী অতোপ্পগী কান্নবগী থবক্তা ওই ২৯।

স বেলাবপ্রবলয়াং পরিখীকৃতসাগরাম্।
অনন্যশাসনামুর্বীং শশাসৈকপুরীমিব ॥ ৩০ ॥

মতুংদি কনাগুম্বা নিংথৌ অমনা কল্লিগুম্বা লৈবাক অমদা শাসন তৌই, মতুংগী মতৌগ মরদা লোংশো-থরা সংমনা শেমখি। মতৌ অহুংগুম্ব নিংথৌ দিলীপনা পগী পুম্নমকতা মতোমতনা লৈবাক্‌ ডাকলমী, মহাক্কী কাংলুপশিংনা মঙান কোইবা পুখনি অমসুং সমুদ্রশা ঈশিং পুম্নমক্‌ তেরবগী মরক্কী মশামক্তা লেংইবা তিরখি। ৩০।

তস্য দাক্ষিণ্যরূঢেন নাম্না মগধবংশজা।
পত্নী সুদক্ষিণেত্যাসীদধ্বরস্যেব দক্ষিণা ॥ ৩১ ॥

মতুংদি যজ্ঞগী দক্ষিণা ক্ষণাগি, মতংগুম্না মগধশাগৈদা পোক্‌পী সুদক্ষিণা মমিং কৌবা অসংসার পুম্নমক্তা মহাক্কী হৈ-শিংবগী মতোক কাংথ ॥ ৩১

কলত্রবন্তমাত্মানমবরোধে মহত্যপি।
তয়া মেনে মনস্বিন্যা লক্ষ্ম্যা চ বসুধাধিপঃ ॥ ৩২ ॥

মতৌ অমগুম্ব নিংথৌ দিলীপকী রাণী কয়ামুক লৈরম্লো, তৌই-গুম্বা মখোয় পুম্নমক লক্ষ্মীগী মতৌগুম্বা নিংথৌকপদা থুংবা ঙাক্তনি গুণপী সুদক্ষিণা অমতা রাণী ॥ ৩২ ॥

তস্যামাত্মানুরূপায়ামাত্মজন্মসমুৎসুকঃ।
বিলম্বিতফলৈঃ কালং স নিনায় মনোরথৈঃ ॥ ৩৩ ॥

মতী মায়া চাওরবা মাথা মমা নৈনৈ মহুদি ঐগী খুঙৈদগী হেরা থংশিনবগী মালীদি গর্ভদা ঐগা মাঙবা ইচা অমতং পোকপ, তৌইগুমদুং মতম্না অমুম চৎথি অমসুং পুরিংবা পাম অহুদি থুংলব নৈতে ॥ ৩৩ ॥

সন্তানার্থায় বিধয়ে স্বভুজাদবতারিতা।
তেন ধূর্জগতো গুর্বী সচিবেষু নিচিক্ষিপে ॥ ৩৪ ॥

মতম অহুদা মহাক্না থল্লম্মী, মহুদি করিগুম উপায় তৌহুনা মচা কবা। মহুগী মতুংইন্না মহাকনা অহাবনদ তৌফম থোকপ থবক অহু তৌই মহুদি পৃথ্বী পালনগী ভার অপুম মন্ত্রী মতৌং নদগী ল্লোংগী ক্রমা মন্ত্রিশিংদা পীরে ॥ ৩৪ ॥

অথাভ্যর্চ্য বিধাতারং প্রযতৌ পুত্রকাম্যয়া।
তৌ দম্পতী বসিষ্ঠস্য গুরোর্জগ্মতুরাশ্রমম্ ॥ ৩৫ ॥

নৈনাকী অম্মাবদগী কোক্লগা মাম্মা লোংশন থম্মোয়ম নিংথৌ দিলীপ অমসুং মাগী সুদক্ষিণানা মচা পাম্নগা তৌহুনা অহ নবদা ব্রহ্মাগী পুত্র তৌই, মতুংদা মকমহুদগী নিংথৌ রঘুবংশ গুরোংগী মাংগৈগী গুরু বসিষ্ঠগী আশ্রমগী মাগোদা চৎলি ॥ ৩৫ ॥

স্নিগ্ধগম্ভীরনির্ঘোষমেকং স্যন্দনমাস্থিতৌ।
প্রাবৃষেণ্যং পয়োবাহং বিদ্যুদৈরাবতাবিব ॥ ৩৬ ॥

অহুগুবা দোলাইদা মথোই অনিম তমসে, মথোইনা নুংশিনুংশিবা মতুংবা বাবী শাহুনা চৎলম্মী। অহুগুম মথোই অনিগী দোল ইদ তোংহুনা চৎপদো কম কপ্লুং, বর্ষাগী মতমদা নৈনিংবা মরক্তা নোংবাংবা কুমগুম ॥ ৩৬ ॥

মা ভূদাশ্রমপীড়েতি পরিমেয়পুরঃসরৌ।
অনুভাববিশেষাত্তু সেনাপরিগতাবিব ॥ ৩৭ ॥

মতম অহুদা মথোই অনিনা লোইনোক্ক মবার লোইনদে মরমদি মথোই অনিনা থংই মহুতি মাম্না চেম্না মবায় মশাল পুরগা আশ্রমগী থবক্তা অপনবা ওইগনি, তৌইগুমদুং মাগী মতিক মথৌরাদি অঙ্গকপা ওইরবী অহুবু মীওইবনা মবায় মশাল লাম্নি কম্বামুক পুক্টা হাইরি হায়হুনা ॥ ৩৭ ॥

সেব্যমানৌ সুখস্পর্শৈঃ শালনির্যাসগন্ধিভিঃ ।
পুষ্পরেণূৎকিরৈর্বাতৈরাধূতবনরাজিভিঃ ॥ ৩৮ ॥

লম্বীদা সাক পাম্বীগী মপাক্কী মমমগা লোইমন্নবা নৈনবনা অমসুং উপালশিংগী তম্বা-তম্বা হুম্বা হুংশিংনা মখোইগী মথাদা নৈরকপা ফংতাই-বদা লোইরবা মখোইগী সেবা তৌরি ॥ ৩৮ ॥

মনোভিরামাঃ শৃণ্বন্তৌ রথনেমিস্বনোন্মুখৈঃ ।
ষড্‌জসংবাদিনীঃ কেকা দ্বিধা ভিন্নাঃ শিখণ্ডিভিঃ ॥ ৩৯ ॥

নিংথৌ দিলীপ অমসুং দেবী সুদক্ষিণানা মাইহৈগী পুম্মক্কা নিংথৌ তাই মচুদা কাবগুম দেলাই চাকানী ভুরুবগী মখোনা অহু তারগা অয়াম্বা হাঙোংশিংনা মকেক মখোক থাংদুনা মখোন অহু তাই, মচুদি মথক্কা বোংগু মাদনা কদাইদগী মাংলাননা চাইদুনা ॥ ৩৯ ॥

পরস্পরাক্ষিসাদৃশ্যমদূরোজ্ঝিতবর্ত্মসু ।
মৃগদ্বন্দ্বেষু পশ্যন্তৌ স্যন্দনাবদ্ধদৃষ্টিষু ॥ ৪০ ॥

কবিগুম্বা উরম্মী মচুদি শক্তীশিংনা অঙন-অনি লম্বীদগী থবা লাপ্পা দোনাইগী মাইথৈদা য়েংলগা লৈরম্মী। মখোইগী রসনা তিল্লবা থম্মোয়সু উবগা নিংথৌ দিলীপনা মশাক্কী সুদক্ষিণাগী মমিংকী মতৌগুম অমসুং সুদক্ষিণনা নিংথৌ দিলীপকী মমিংকী মতৌগুম্মা খল্লি ॥ ৪০ ॥

শ্রেণীবন্ধাদ্বিতন্বদ্ভিরস্তম্ভাং তোরণস্রজম্ ।
সারসৈঃ কলনির্হ্রাদৈঃ ক্বচিদুন্নমিতাননৌ ॥ ৪১ ॥

মতম অমুদা মমকোয়দা য়েংশিনদে আকাশতা পাইবিবা নিংথীবা খোংলিবা উরোকশিংবু উরম্মী, মতুগুম্বা মচেল্লবা পাইবদু মগুম হাইনা উরম্মী মচুদি কে মাঙইনা মখোং য়াওদবা কুম্বা যুমগুম্বা ॥ ৪১ ॥

পবনস্যানুকূলত্বাৎ প্রার্থনাসিদ্ধিশংসিনঃ ।
রজোভিস্তুরগোৎকীর্ণৈরস্পৃষ্টালকবেষ্টনৌ ॥ ৪২ ॥

মতমমচুদা নুংশিৎনা তম্বা শাংদুনা চিংনবা অমা পোক্লম্মী, মচুদি মখোইগী পুক্নিংনা নিংঙ্গকবিবনে শ নিংঙ্গ ইং থাইবা। মখোই অনিমু অসিগুম্বা মওং অমদা চাংনি মচুদি শগোলশিংনা চনবদগী পাইথংলক্লা উকুনবা দেবী সুদক্ষিণগী মশাদ শকরন্দে অমুগা নিংথৌ দিলীপকী কোরেত্তনু শোকহন্দে ॥ ৪২ ॥

সরসীষ্বরবিন্দানাং বীচিবিক্ষোভশীতলম্ ।
আমোদমুপজিঘ্রন্তৌ স্বনিঃশ্বাসানুকারিণম্ ॥ ৪৩ ॥

মখোই অহুবা পুখ্রি কয় অরম্পী, মতুদগী ঙমা শিংলকপা মুংশিংকী ইপোম্ম যম্বাঙ্গী মনমবু পোবকই, অচুম্বা ঙমহৌদে নম নমথুব চংলম্মী। অদুগুম্বা মনমবা থল্লবা মুংশিংবা মুনবু 'চানবগুম' মিংথীন শিংকি ॥ ৪৩॥

গ্রামেষ্বাত্মবিসৃষ্টেষু যূপচিহ্নেষু যজ্বনাম্ ।
অমোঘাঃ প্রতিগৃহ্নন্তাবর্ঘ্যানুপদমাশিষঃ ॥ ৪৪ ॥

মখোইনা ব্রাহ্মণশিংদা খুঙ্গং অমা অমা কৌথ অদুগুম খুঙ্গংশিং অদুগী মফম খুদিংদা যজ্ঞ পাং থন্নী, মসমখুগী ব্রাহ্মণশিংনা অহানবদা পূজাগী পোৎচৈগা লোইনবুগা লৌখৎলবু পান্দ তৌবে অমসুং মখোইদা আশীর্বাদ পী, ব্রাহ্মণশিংগী আশীর্বাদ অদু যাম্না মাংদে ॥ ৪৪ ॥

হৈয়ংগবীনমাদায় ঘোষবৃদ্ধানুপস্থিতান্
নামধেয়ানি পৃচ্ছন্তৌ বন্যানাং মার্গশাখিনাম্ ॥ ৪৫ ॥

খুঙ্গংশিং অদুগী অহল-অমন লম্নমক থৎলবা মংমা যংগী মাখন পু-পুরুবা কংপা লোবকই, মখোইশিং অসিনা লমদা লৈবা অমসুং রাজীনা লম্গী অসিদি মরশিং অদুদা কৌথরবা উচেকশিং অমসুং চৈরবা চংকুবা হৈক্লি ॥ ৪৫ ॥

কাপ্যভিখ্যা তয়োরাসীদ্ ব্রজতোঃ শুদ্ধবেষয়োঃ ।
হিমনির্মুক্তয়োর্যোগে চিত্রাচন্দ্রমসোরিব ॥ ৪৬ ॥

লমচাগী পনিগঙুম অনকলগা থাননবা শাহীনসিংক কমাগা লোই-নবা থাক মিংথু মংপুইকল, অদুগুম্বা মিংগীলবা অদ কৌনাগ লোইনবুবা লম্বীদা চংলিবা অদুবা কিংনবা লৈতকপা মিংথৌ দিলীপপুম অদুকপা ফংবা চঙ্গম্মী ॥ ৪৬ ।

তত্তদ্ভূমিপতিঃ পত্ন্যৈ দর্শয়ন্ প্রিয়দর্শনঃ ।
অপি লঙ্ঘিতমধ্বানং বুবুধে ন বুধোপমঃ ॥ ৪৭ ॥

চন্দ্রমাগী মচা বুধ অদুগুম মনুরবা মিংথৌ দিলীপনা সুদক্ষিণাবু লম্বী অদুদা মথল-মথা অদুগী পোতশিং দু ঙন্দুনা চংলম্মী। মরম অদুনা অদুক শাংবা লম্বীদো লুংদুংথিরদনী মরুম থংদৌদে ॥ ৪৭ ॥

স দুষ্প্রাপযশাঃ প্রাপদাশ্রমং শ্রান্তবাহনঃ ।
সায়ং সংযমিনস্তস্য মহর্ষের্মহিষীসখঃ ॥ ৪৮ ॥

সন্ধ্যা মতমগী তবুন-তবুন্না মতমদা থিংচৎ লৈরবা থিংবৌ ফিগাবা স্নদক্ষিণাগা লোইননা সংববী মহর্ষি বশিষ্ঠগী আশ্রমগী ময়াদা থুংলয়ে। অদুক শাবা অদীবু য়ম্ম থুনা মাকপা মরম্মা শগোলশিং অহু চোকথরম্মী ॥ ৪৮ ॥

বনান্তরাদুপাবৃত্তৈঃ সমিৎকুশফলাহরৈঃ ।
পূর্যমাণমদৃশ্যাগ্নিপ্রত্যুদ্যাতৈস্তপস্বিভিঃ ॥ ৪৯ ॥

মফম [illegible] মখোইবা উরম্মী মহুদি থাচংবা মতমগী অগ্নিহোত্রগীদমক [illegible] তপস্বীশিংনা মথুত্তা মৈ, কুশ অমসুং মহে-মরোং পুথনা [illegible] আশ্রমদা [illegible] ॥ ৪৯ ॥

আকীর্ণমৃষিপত্নীনামুটজদ্বাররোধিভিঃ ।
অপত্যৈরিব নীবারভাগধেয়োচিতৈর্মৃগৈঃ ॥ ৫০ ॥

মথল-এরা [illegible] পুম্নমক্তা থাংগোকশিং অহুবী পোংদা ম। [illegible] ঋষিশিংগী মুপীশিংনা মচাগী মতৌ-রুম কৌগী চেং [illegible] তৌদুনা কৈকাব-থুমে ॥ ৫০ ॥

সেকান্তে মুনিকন্যাভিস্তৎক্ষণোজ্ঝিতবৃক্ষকম্ ।
বিশ্বাসায় বিহঙ্গানামালবালাম্বুপায়িনাম্ ॥ ৫১ ॥

উচেকশিংগী [illegible] ঈশিং হৈবমলগা হন্থিমখি। মহুৎগী আশ্রমগী উচেক [illegible] অহুত্থ উথোংছদগী ঈশিংছু থক্কই ॥ ৫১ ॥

আতপাত্যয়সংক্ষিপ্তনীবারাসু নিষাদিভিঃ ।
মৃগৈর্বর্তিতরোমন্থমুটজাঙ্গনভূমিষু ॥ ৫২ ॥

[illegible] শমোকলম্মী, মথোইশিংনা অয়ুক [illegible] থাংপোকশংগী মাঙোলদা পুন্দিনি। [illegible] শজীশিংনা মুংথাইনা কুমি ॥ ৫২ ॥

অভ্যুত্থিতাগ্নিপিশুনৈরতিথীনাশ্রমোন্মুখান্ ।
পুনানং পবনোদ্ধূতৈর্ধূমৈরাহুতিগন্ধিভিঃ ॥ ৫৩ ॥

[illegible] অহুগী মুংশিবা মনমছুগা লোইনবা মৈজা চাকপগী মৈখুনা মুংশিংনা পুত্থনা থাইকে মথী শমোকয়ে অমদু

অমুক্তা মৈপুশিং অহুবা আশ্রমগী মাইগেদা লাকইবা অতিথী অনিবুম্ব শেংদোকখে ॥ ৫৩ ॥

অথ যন্তারমাদিশ্য ধুর্য্যান্বিশ্রাময়েতি সঃ।
তামবারোহয়ত্‌পত্নীং রথাদবততার চ ॥ ৫৪ ॥

মকম অহুবা খুংঙাগা নিংথৌ দিলীপনা সারথীদা সাগং পীরগনী, মহাকি "শগোলবু পোংথাহল্লু।" অহুগী তুংদা মতেং পীহুনা অহানবদা মহাক্না রাণীবু দোক্লাইদগী কুমথহল্লে মতু দা মশামক কুমথে ॥ ৫৪ ॥

তস্মৈ সভ্যাঃ সভার্য্যায় গোপ্ত্রে গুপ্ততমেন্দ্রিয়াঃ।
অর্হণামর্হতে চক্রুর্মুনয়ো নয়চক্ষুষে ॥ ৫৫ ॥

পাউ অহু আশ্রমগী মী পুম্নমকনা ফংলে, মতম অহুদা মকম অহুগী অতম্না অমম্বং পুক্নিং কাবা ওম্বা মুনিশিংনা ঙাকপীবা, ইকায় খুম্নিং-ঙাই অমদি শাস্ত্রগী মতুংইন্না চংশিনবা রাণীগা শোইবনা নিংথৌ দিলীপ্‌ রাজা তমাম্ তমাম্ ওকখ্রে ॥ ৫৫ ॥

বিধেঃ সায়ংতনস্যান্তেসদদর্শ তপোনিধিম্।
অন্বাসিতমরুন্ধত্যা স্বাহয়েব হবির্ভুজম্ ॥ ৫৬ ॥

মতম অহুদা য়াচংবগী ক্রিয়া পুম্নমক মপুং ফাখ্রে, মতম অহুদা মথোইনা তপস্বী মহামুনি বসিষ্ঠবু উই। মহাক্কী মতুংদা দেবী অরুন্ধতীনা মতৌ অওয়া ফমলমী, মহুদি অগ্নি দেবী মতুংদা স্বাহানা তৌতেংহুনা লৈবগুম্না ॥ ৫৬॥

তয়োর্জগৃহতুঃ পাদান্ রাজা রাজ্ঞী চ মাগধী।
তৌ গুরুর্গুরুপত্নী চ প্রীত্যা প্রতিননন্দতুঃ ॥ ৫৭ ॥

নিংথৌ দিলীপ অমসুং মগধ লৈবাক্কী রাজকুমারী সুদক্ষিণানা মাগী মথোং শোক্লা খুরুম্মী। মতমহুদা গুরু বসিষ্ঠ অমসুং মাগী মুপীনা য়াম্না হরাওনা মথোই অনিবু থৌজ্জানবীরে ॥ ৫৭ ॥

তমাতিথ্যক্রিয়াশান্তরথ ক্ষোভপরিশ্রমম্।
পপ্রচ্ছ কুশলংরাজ্যে রাজ্যাশ্রমমুনিংমুনিঃ ॥ ৫৮ ॥

বসিষ্ঠজীনা মথোই অনিবু পেনবীরে অমসুং দোলাইদা তোংলক-পদা তোকথবমী, মহু পুম্নমক কোকপীরে। মতম অহুদা আশ্রমগী মপু

ওইরবা মুনিনা দিলীপ্তা হংখীরম্মী, মতদি— অদোমগী নৈবাক্তদি পুম্নমক করিদনা ? ॥ ৫৮ ॥

অথাথর্বনিধেস্তস্য বিজিতারিপুরঃ পুরঃ।
অর্থ্যামর্থপতির্বাচমাদদে বদতাং বরঃ ॥ ৫৯ ॥

নিংথৌ দিলীপনা মতৌ অসিগুম্না মশাগী মপাঙ্গলনা য়েরুবগী নৈবাকপু জয় তৌরগা লন-থুম ৈপশিন্নি, মতৌ অদুগুম্না ৱাহৈ ৱাতাগী বিত্তাদন্থ য়াম্না মপুং ফারম্মী। মরম অদুনা মহাক্না অথর্ববেদগী মতুংইন্না বসিষ্ঠ-কৌগী ৱাহংগী পাউথুম পীদুনা য়াম্না অর্থ নৈবা ৱাহৈনা হাই— ॥ ৫৯ ॥

উপপন্নং ননু শিবং সপ্তস্বঙ্গেষু যস্য মে।
দৈবীনাং মানুষীণাং চ প্রতিহর্তা ত্বমাপদাম্ ॥ ৬০ ॥

অদোমগী তৌজান্না নৈবাক নৈবাকী নিংথৌ, মন্ত্রী, মরুপ, নৈবাকী থবক্, নৈবাক গুংকপা, লানশং অমসুং লাম্মি হাইরিবা শকক্ তরেৎমক্ অফবা ওইরি। অদুগা অমুক্ মৈ ঈশিং, হাৎন-শুববা, মতম কত্তবা অমসুং শিবা অসিগুম্বা অরানশিং অমদি চুরাববা, ডাকু, য়েক্কবা অসিনচিংবা মীওইবশিং অরাবশিংবু লাকপীগনৌরিবা অদোম্না নিংথীবা কমদুনা লেবীরি ॥ ৬০ ॥

তব মন্ত্রকৃতো মন্ত্রৈর্দূরাত্সংশমিতারিভিঃ।
প্রত্যাদিশ্যন্ত ইব মে দৃষ্টলক্ষ্যভিদঃ শরাঃ ॥ ৬১ ॥

মরমদি অদোম্না মন্ত্রশিংশী পোক্কম্মী, অদোমগী মন্ত্রনা অগুকী মতীক কল্লি মদুদি ঐগাক্তা ইরুশী তেন কাপচনবগী শাজল নৈজদে। ঐগী তেন্না শুপ্পগী মদুদবু থাব লম্মী, মদু ঐগী ইমাংদা নৈৱবদা তৌইগুম্মসুং অদোমগী মন্ত্রগী অংপপশি য়েরুবশিংবু মাংহনলী ॥ ৬১ ॥

হবিরাবর্জিতং হোতস্ত্বয়া বিধিবদগ্নিষু।
বৃষ্টির্ভবতি সস্যানামবগ্রহবিশোষিণাম্ ॥ ৬২ ॥

হে যজ্ঞকর্তা ! শাস্ত্রগী মতুংইন্না অদোম্না মতম অদুদা মাগ্নিদা অয়াম্বা পোৎচং কয়ানা হোম তৌই মদুগী অদোমগী হোমনা মরাং কাইনা নোং চুহনদুনা কংজমবা লৌকম পুম্নক্ ঈশিংনা থলহল্লি ॥ ৬২ ॥

পুরুষায়ুষজীবিন্যো নিরাতঙ্কা নিরীতয়ঃ।
যন্মদীয়াঃ প্রজাস্তস্য হেতুস্ত্বদ্ব্রহ্মবর্চসম্ ॥ ৬৩ ॥

মসি অদোমগী ব্রহ্মতেজগী পাঙ্গলনি মতুঙ্গি ঐগী প্রজাগী মী থুদিংমক্না চহি চাম্মা পুন্সি অমম্নুং করিগুম্বা ঈশিংগী ইচাও অকংবা, উচি, ভেনোরা লৈবাক্তা লেংবা, পুরুষশিংনা লাম্দামকপা অসিনচিংবা মথক্না কনাগী চিংনবিংদাই লৈতে। ৬৩

ত্বয়ৈবং চিন্ত্যমানস্য গুরুণা ব্রহ্মযোনিনা।
সানুবন্ধাঃ কথং ন স্যুঃ সংপদো মে নিরাপদঃ ॥ ৬৪ ॥

মতম অসিদা পোক্লিংবা ব্রহ্মাগী মচা অদোম্না শাপেগী গুরু ওইবীদুনা ঐখোইগী মঙ্গল ওইরবগীদমক ভাবনা লৈবীরি মসিদা ঐখোইগী চাওখৎপা লমদা করিগী লৈখাইদনা থইদবগে? ॥ ৬৪ ॥

কিন্তু বধ্বাং তবৈতস্যামদৃষ্টসদৃশপ্রজম্।
ন মামবতি সদ্বীপা রত্নসূরপি মেদিনী ॥ ৬৫ ॥

তৌইগুমম্বুং হে দেব! অদোমগী অশুক্ময়াম্বা থৌজাল ফংলবদসু মতম অসিদা অদোমগী মমো অমম্বুং ঐগী অসিগুম্বা মপাগী গর্ভদা মতম অশুক কুইরবা মাওবদসু ঐগা মাংখ মঙ্গল লৈবা ইচা পোক্লবদগী মাণ পুন্নমক পোকলিবা অমম্বুং দীপ করম্ব শান্তোকলিবা অদোমগী রাজ্য অসিগুম্বা পৃথ্বীসিদা ঐগী অকবা পীরে। ৬৫ ॥

নূনং মত্তঃ পরং বংশ্যাঃ পিণ্ডবিচ্ছেদদর্শিনঃ।
ন প্রকামভুজঃ শ্রাদ্ধে স্বধাসংগ্রহতৎপরাঃ ॥ ৬৬ ॥

হৌজিক মতমগী অসুম্না শগ্রনে মতুংদ ঐগী তুংদা কনাগুম্বা অমত্তুনা ঐগীদমক পিণ্ড পীবনবগী লৈতে মরোম মসিগী অরাবনা ঐহাক্কী ইপা, ইপুদা ঐনা কন্নগা যজ্ঞমচিংগী পুক্ থল্লা চাদতুনা মতুংগী শরুক্ থম্না তুংগীদমক চিংনরুনা লৈরে। ৬৬ ॥

মৎপরং দুর্লভং মত্বা নূনমাবর্জ্জিতং ময়া।
পয়ঃ পূর্ব্বৈঃ স্বনিঃশ্বাসৈঃ কবোষ্ণমুপভুজ্যতে ॥ ৬৭ ॥

তর্পণগী মতমদা ঐনা ঈশিংবা দান তৌই, মতমতুদা ঐগী ইপা ইপুনা মসি থজদনা অরাবগী স্নুংশাস্বম হোন্নি, মতুংদি— "ঐগী তুংদা

মথোইবা ঊপিংদান কংলবোই হায়বা” অমসুং মথোইবা অহুম্বা অরাব স্বরগী অপাবা ঊপিং থকখি ॥ ৬৭ ॥

সোঽহমিজ্যাবিশুদ্ধাত্মা প্রজালোপনিমীলিতঃ।
প্রকাশশ্চাপ্রকাশশ্চ লোকালোক ইবাচল ॥ ৬৮ ॥

মতুদি লোকালোক চীংদা মাইকৈ অমরোমদা মুমিংকী মঙাল তাবদা কৈজ অতুপা মাইকৈ অমরোমদনা মঙাল তাববা মমমা মমুমা লৈ। মতৌ অতগুম্না মতম পুম্নমক্তা যজ্ঞ তৌবদগী ঐগী থম্মোই অসেংবা ওই, তৌইগুম্নপু: ইচা কংদবদগী মতম পুম্নমক্তা অঙাবদা ওইদুনা লৈ ॥ ৬৮ ॥

লোকান্তরসুখং পুণ্যং তপোদানসমুদ্ভবম্।
সংততিঃ শুদ্ধবংশ্যা হি পরত্রেহ চ শর্মণে ॥ ৬৯ ॥

হে দেব! তপস্যাদি অমদি দান্না পুণ্য কয়া কংই, মদো তমগী পরলোকতদা নুংঙাইবা কংই। তৌইগুমমসুং অকনা মচাগী সেবা মশা ফনবা হেংনবনা অসিগুম্ব লোক অসিদদি নুংঙাইবা ওই, তর্পণ অমসুং পিণ্ডদানবনা মরম ওইদুনা মপাক্তা পরলোকতসু নুংঙাইবা কংই ॥ ৬৯ ॥

তয় হীনং বিধাতর্মাং কথং পশ্যন্ন দূয়সে।
সিক্তং স্বয়মিব স্নেহাদ্বন্ধ্যমাশ্রমবৃক্ষকম্ ॥ ৭০ ॥

হে গুরুদেব! অদোমগী খুৎনা লেপ্পীবা আশ্রমগী উপিংবা মহৈ য়াদবা উবীরগা অঙাবা ওই, মতৌ অদুগুম্না হৌজিক ঐবা পোক্তবা কংক্ম ওইবা ইচা পোক্তনা উবীরগা অদোম্না কদিগী অবাবা ওইদোইদগে? ॥ ৭০ ॥

অসহ্যপীড়ং ভগবন্নৃণমন্ত্যমবেহি মে।
অরুন্তুদমিবালানমনির্বাণস্য দন্তিনঃ ॥ ৭১ ॥

হে ভগবন্! খুংনা উয়ু যুংগুম্না কদিগু তৌবা ভমত্রবা অতংপা লৈতবা অবাবা ওই, মতৌ অদুগুম্না মচা পোক্তবগী মরম্না ইপা-ইপুগী অবাবদো কোক্তা পুই মদে ঐঙোন্দা য়াম্ন অবাবা অমনি ॥ ৭১ ॥

তদর্থমুদ্বেগং যথা জাত সংবিধাতুং তথাহর্হসি ।
ইক্ষ্বাকূনাং দুরাপেঽর্থে ত্বদধীনা হি সিদ্ধয়ঃ ॥ ৭২ ॥

মরম অদুনা হে প্রভো ! হৌজিক কবিগুরু উপাই অদা তৌবীয়ু মহুদি ঐগীইচা বন্স পোকপা য়ানবা অমত্তং ঐনা ইন্দ-ইপুনী অনাবা লোয়না মুক্তওইনা মরমদি ইক্ষ্বাকু শ গৈশী নিংথৌ পুম্নমক্কী অরাবশিংবু অঙোম্বশী কুলাদা মথক পুম্নমক্কা লাপনা তাহোকপী থ ॥ ৭২ ॥

ইতি বিজ্ঞাপিতো রাজ্ঞা ধ্যানস্তিমিতলোচনঃ ।
ক্ষণমাত্রমৃষিস্তস্থৌ সুপ্তমীন ইব হ্রদঃ ॥ ৭৩ ॥

নিংথৌগী বা তারগা বসিষ্ঠজীনা মমিৎ উঃশিন্দুনা মিকুপ অমত্তং ধ্যান তৌই । মতম অদুদা মহাক্কা পুখুরী মচোগুম্ তুম্মিন্নই লৈ, মহুদি ঙা পুম্নমক তুমব্রে ॥ ৭৩ ॥

সোঽপশ্যৎ প্রণিধানেন সংততেঃ স্তম্ভকারণম্ ।
ভাবিতাত্মা ভুবো ভর্তুরথৈনং প্রত্যবোধয়ত ॥ ৭৪ ॥

বসিষ্ঠজীনা মহাক্কী যোগশী পাঙ্গলনা ধ্যান তৌদুনা য়েংই মহুদি— অসিগুম্বা অশেংবা আত্মা ওইরবা নিংথৌবু কবিগী মচা কংগ্রিবা । অদুগী তুংদা মহাক্কা নিংথৌদা থংহল্লকই ॥ ৭৫ ॥

পুরা শক্রমুপস্থায় তবোর্বীং প্রতি যাস্যতঃ ।
আসীত্ কল্পতরুচ্ছায়ামাশ্রিতা সুরভিঃ পথি ॥ ৭৫ ॥

মহাক্কা হাই— হে নিংথৌ ! মতম য়াম্না কুইরে, মতম অমদা নোংমা ইন্দ্রগী সেবাগীদমক্ স্বর্গদা চৎলুরগা হল্লকপদা, মতম অদুদা মক্কম অমদা নিংথৌগী মাংওইনা কল্পবৃক্ষকী মক্কদা সুরভী অমদি কামধেনু কুন্দুনা লৈরমী ॥ ৭৫ ॥

ধর্মলোপভয়াদ্রাজ্ঞীমৃতুস্নাতামিমাং স্মরন্ ।
প্রদক্ষিণক্রিয়ার্হায়াং তস্যাং ত্বং সাধু নাচরঃ ॥ ৭৬ ॥

মহাক্কী মুপানা মতমদুদা ঋতুস্নাতা ওইরগা স্নান তৌরম্মী । মদুদা মংবু খন্দুনা চৎলম্মী মহুদি মতম অদুদা মাগী মকমদা তিন্নবোই (সম্ভোগ ওইবোই) গৃহস্থধর্মদা অকাইবা ওইগনি । মরম অদুনা মংহাক্কা

কামধেনুগী মাইকৈদা পূজিং চংউদে নংবা চুমবা থবক্ পাংথোকতে। মরমদি নংবু তৌহনবা পাম্লমী। মচুদি পূজা অমত্তং মাকু হন্না কোইকবা।। ৭৬ ॥

অবজানাসি মাং যস্মাদতস্তে ন ভবিষ্যতি।
মৎপ্রসূতিমনারাধ্য প্রজেতি ত্বাং শশাপ সা ॥ ৭৭ ॥

মচুদগী মাওচুনা কামধেনু মমা নত্তোন্দা শাপ তৌরে। মচুদি নংবা অহল্লা ঐবু খোঁওইদ্রবা, মচুগী মচিক চাবদি নংবা ঐগী ইচা-ইচনু সেবা তৌদ্রিবা কাওবা, মতম অদু কাওবা নংনা নচা কংলোই ॥ ৭৭ ॥

স শাপো ন ত্বয়া রাজন্ ন চ সারথিনা শ্রুতঃ।
নদত্যাকাশগঙ্গায়াঃ স্রোতস্যুদ্দামদিগ্গজে ॥ ৭৮ ॥

মতম অদুদা অচৌ-অচৌবা ময়াই কাবরা মাইকৈ তাকপা শামুশিংনা আকাশ গঙ্গাদা ঈশিংদা শান্নরুবা লনমী অমসুং আকাশ গঙ্গাগী ঈচেলনা মায়াম কল্লি। মরম অদুনা শাপ অদু নংনসু তাদে অদুগা নংগী সারথীনসু তাবা ফংদে ॥ ৭৮ ॥

ঈপ্সিতং তদবজ্ঞানাদ্বিদ্ধি সার্গলমাত্মনঃ।
প্রতিবধ্নাতি হি শ্রেয়ঃ পূজ্যপূজাব্যতিক্রমঃ ॥ ৭৯ ॥

মরম অদুনা নংগী নচা পোক্কনবগী মরমদি কামধেনুগী অপাওবনগীনি। মরমদি কনাগুম্বা শিপা অমনা পূজা তৌনম খাকপদ পূজা তৌদ্রবা, মহাক্কী অকনবা লম্বক পুন্নমক্তা অকায়বা পুই ॥ ৭৯ ।

হবিষে দীর্ঘসত্রস্য সা চেদানীং প্রচেতসঃ।
ভুজঙ্গপিহিতদ্বারং পাতালমধিতিষ্ঠতি ॥ ৮০ ॥

তৌইগুম্বসুং মতম অসিদদি কামধেনু অমবা অমরোই। মরমদি বরুণদেবগী পাতালদা য়ায়ঃ চাওরবা যজ্ঞ অমা তৌরি। অদুগুম্বা যজ্ঞগী আহুতি কপা অদু য়াওকনবগীদমক্ কামধেনুগী পাতালদা লৈবাক্তা চংখ্রে। অদুগুম্বা লোক অদুগী থাপ পুম্নমক অচৌ-অচৌবা লু পুরবা লীলশিংনা ঙাকলি ।৮০॥

সুতাং তদীয়াং সুরভেঃ কৃত্বা প্রতিনিধিং শুচিঃ
আরাধয় সপত্নীকঃ প্রীতা কামদুঘা হি সা ॥ ৮১ ॥

মরম অদুনা মংহাক্না মহাক্কী মচা মুপী নন্দিনীবু মাপী মহুৎনি হাইনা থংউ অমম্নং মংহাক্কী বাণীগা লোইনদুনা অশেংবা থম্মোইনা মাপী লেবা তোক্লে। মতম অদুদা মহাক্না পেনবীরবা, অদু ওইরবদি শোইদনমক্কী য়াম্না থুনা নখোই অনিগী অপাম্বদু থুংগনি ॥ ৮১ ॥

ইতি বাদিন এবাস্য হোতুরাহুতিসাধনম্ ।
অনিন্দ্যা নন্দিনী নাম ধেনুরাববৃতে বনাৎ ॥ ৮২ ॥

বসিষ্ঠকীনা মখুমনা হাইরগা মহাক্কীদমক্ ঘীনচিংবা যজ্ঞদা কংনবা পোৎচেশিংবু পীবগী নিংথীজরবা নন্দিনী শম্না বনদগী হল্লকুনা থুংলরে ॥ ৮২ ॥

ললাটোদয়মাভুগ্নং পল্লবস্নিগ্ধপাটলা ।
বিভ্রতী শ্বেতরোমাঙ্কং সন্ধ্যেব শশিনং নবম্ ॥ ৮৩ ॥

অদুগুম নন্দিনীগী দেহদো ইনৌ লোনা থোৎপগী মতৌগুম্না অঙাংবনি। মহাক্কী মনাইবক্তা অঙৌবা মতুগী চক্রনা লেখা ওইনা লৈরম্মী। মদুদগী মহাকপু মতৌ অদুম্না উবম্মী, মর্দ অঙাংবা সন্ধ্যাগী নাইশক্তা অনিগুবা চন্দ্রমানা নিংথৌবগুম ॥ ৮৩ ॥

ভুবং কোষ্ণেন কুণ্ডোঘ্নী মেধ্যেনাবভৃথাদপি ।
প্রস্রবেণাভিবর্ষন্তী বৎসালোকপ্রবর্তিনা ॥ ৮৪ ॥

মহাক্কী মচাদু মেউবনা মহাক্কী শরীর গুম্বা পাত্রদুদগী অগৌ অচৌবা মখোয়মগী কোং-কোং শাবা শঙ্খ মদুনা পাপোকুসা লৈবাক্তা তাই, মদু যজ্ঞগী স্নানগী ঈশংদগীসু হেন্না অশেংবা ওইরম্মী ॥ ৮৪ ॥

রজঃ কণৈঃ খুরোদ্ধূতৈঃ স্পৃশদ্ভির্গাত্রমন্তিকাম্ ।
তীর্থাভিষেকজাং শুদ্ধিমাদধানা মহীক্ষিতঃ ॥ ৮৫ ॥
তাং পুণ্যদর্শনাং দৃষ্ট্বা নিমিত্তজ্ঞস্তপোনিধিঃ ।
যাজ্যমাশংসিতাবন্ধ্যপ্রার্থনং পুনরব্রবীৎ ॥ ৮৬ ॥

নন্দিনীনা লাকপা মতমদা মহাক্কী মখোংনা কাওবদা পাইথংলকপা উফুল অদুনা শেংলবা নিংথৌ দিলীপনা মগুম্না শেংলম্মী, মদুদি— করিগুম্বা তীর্থ অমদা স্নান তৌরকপগুম। শকুনশাস্ত্রবু নিংথীনা

থংনবা তপস্বী বশিষ্ঠকীনা মতম অহুদা অহুকপা যরবু উঠে রাবু উকপদা পুন্যা ফংজে, মহুদা মহাত্মা যজমান ওইরবা দিংথৌ দিলীপু হাইরকই, মতম অসিদা অদোমগী দিংজরীবদো মঙ্গল ওইনবগীদমক মবম্ অসিদা থুংলবে । ৮৫ ॥ ৮৬ ॥

অদূরবর্তিনীং সিদ্ধিং রাজন্বিগণয়াত্মনঃ ।

উপস্থিতেয়ং কল্যাণী নাম্নি কীর্তিত এব যত্ ॥ ৮৭ ॥

মহাত্মা হাইরকই হে রাজন ! নংহাক্তা দিংজবিবদো য়ায়া থুনা মঙ্গল ওইরগনি ; মরমদি অসিগুম্বী মঙ্গলগী মশক ওইরবী নন্দিনী কৌবীদো থংলরে ॥ ৮৭ ॥

বন্যবৃত্তিরিমাং শশ্বদাত্মানুগমনেন গাম্ ।

বিদ্যামভ্যসনেনেব প্রসাদয়িতুমর্হসি ॥ ৮৮ ॥

বিদ্যার্থীশিংনা অহুগুম্বা মুংতাইবশিংবু থাদোক্তুনা হোংনবনা বিদ্যাবু ফংই, মহুগুম্বা নংসু মুংতাইবা তোগশিংবু থাদোক্তুনা উইচু-বাইচু চাহনা অসিগুম্বী নন্দিনীবু সেবা তৌজনা পেলগনু ॥ ৮৮ ॥

প্রস্থিতায়াং প্রতিষ্ঠেথাঃ স্থিতায়াং স্থিতিমাচরেঃ ।

নিষণ্ণায়াং নিষীদাস্যাং পীতাম্ভসি পিবেরপঃ ॥ ৮৯ ॥

মতম অহুদা মাম চংলে নংসু মাগী মুংদা তথা-তথা চংনু, কবিগুম্বা লেপলে নংসু লেপ্পু, কবিগুম্বদা কুললে নংসু কপ্পু অমসুং কবিগুম্বদা ঈশিং থকলে নংসু থকউ ॥ ৮৯ ॥

বধূর্ভক্তিমতী চৈনামর্চিতামাতপোবনাত্ ।

প্রযতা প্রাতরন্বেতু সায়ং প্রত্যুদ্ব্রজেদপি ॥ ৯০ ॥

নংগী মুপী সুদক্ষিণাসু নুমিং থুদিংগী অয়ুক অহেনবদা য়ায়া ভক্তিগা লোইনা মবু পুজা তৌবা অমসুং মহাক্কা বন্দা চংনবা লোকশুমনা, মতমহুদা মচাকসু নংগী মচিন কাওবা মাগী মতুং ইনবা অমসুং মুংলাংবাইগী মতমদা শ্রদ্ধবসু মকমহুদা লাকুনা য়ায়া তরাংমা ওমুবা আশ্রমদা পোরকনি ॥ ৯০ ॥

ইত্যাপ্রসাদাদস্যাস্ত্বং পরিচর্যাপরো ভব ।
অবিঘ্নমস্তু তে স্থেয়াঃ পিতেব ধুরি পুত্রিণাম্ ॥ ৯১ ॥

মতৌ অদুম তৌদুনা নংনা মাগী সেবা তৌদুনা লৈয়ু, নম অসিনা হেক পেন্নিবা ফাওবা। ঈশ্বরনা চাকপীদুনা নংগী অপনব অমত্তা ওইনবা অমম্বং মচুদগী নংতাক্না নংচাকী মপাগী মতিকচাবা মচা ওইরবা, মতৌ অদুগুম্না নংনম্ব নিংথীজনবা মচা ফংগনি ॥ ৯১ ॥

তথেতি প্রতিজগ্রাহ প্রীতিমান্সপরিগ্রহঃ
আদেশং দেশকালজ্ঞঃ শিষ্যঃ শাসিতুরানতঃ ॥ ৯২ ॥

মতম অদুদা মাম্না লোম্নকপগা লোইননা মথৌ তৌরিবা বসিষ্ঠজীদা হাইজরকই মদুদি—"ঐখোইনা মদুমক তৌজগনি" মসি হায়দুনা মাবা অমম্বং মাগী মুপীনা গুরুজীগী অদুগুম্বা ব্রতগীদমক য়াথং লৈই। ৯২

অথ প্রদোষে দোষজ্ঞঃ সংবেশায় বিশাংপতিম্ ।
সূনুঃ সূনৃতবাক্স্রষ্টুর্বিসসর্জোর্জিতশ্রিয়ম্ ॥ ৯৩ ॥

অহিংগী মতমদা মইংনা মপুংফারবা, মুংশিরব বাইবা অমম্বা ব্রহ্মাগী মচা বসিষ্ঠজীনা থাজ পুবদগী চম্না মঙুণ লৈরবা নংগৌ দিলীপ্ দুম্নবা (হিপনবা) য়াথং পী ॥ ৯৩ ॥

সত্যামপি তপঃসিদ্ধৌ নিয়মাপেক্ষয়া মুনিঃ
কল্পবিৎকল্পয়ামাস বন্যামেবাস্য সংবিধাম্ । ৯৪ ॥

মতৌ অদুম তৌদুনা বসিষ্ঠজীনা পাম্নমী মদুদি মহাকী তপস্যাগী শাজনবা নিংথৌ দিলীপকীদমক মতীক চাবা ভোজন অমম্বং হীপকম অথোইবা ওইনা শেম শাই, তৌরুমবু মথৌতৌনম ব্রতগী নিয়মদো থংজম্মী। মরম অদুনা মহাক্না নিংথৌগী ব্রত অদুগী মতিক চাবা শোংচ মইহৈ মরোংগী ভোজন অমম্বং হীপকবগীদমক ফক শোরাং তৌই ॥ ৯৪ ॥

নির্দিষ্টাং কুলপতিনা স পর্ণশালামধ্যাস্য প্রযতপরিগ্রহদ্বিতীয়ঃ ।
তচ্ছিষ্যাধ্যয়ননিবেদিতাবসানাং সংবিষ্টঃ কুশশয়নে নিশাং
নিনায় ॥ ৯৫ ॥

শাগৈগী মপু বসিষ্ঠজীনা পীবা পাংগেক অদুদা নিংথৌ দিলীপনা ব্রহ্মচর্য্য পালন তৌদুনা রাণী সুদক্ষিণাগা লোইননা কুশাগী কক্তা হীমী। নোং ডাল্লকপা মতমদা বসিষ্ঠজীগী শিষ্যশিংনা বেদপাঠ তৌই, মতম অদুদা নিংথৌনা বেদপাঠ তৌবগী মখোল তাংদা গোগত্তুন কম্মী ॥ ৯৫ ॥

ইতি মহাকবি শ্রীকালিদাসকৃতৌ
রঘুবংশে মহাকাব্যে
মকম অসিদা বসিষ্ঠ আশ্রম চৎপা
অহানবা শরুক ॥ ১ ॥

দ্বিতীয়ঃ সর্গঃ

অনিশুবা শরুক

(নিংথৌ দিলীপনা নন্দিনীদগী বর ফংবা)

অথ প্রজানামধিপঃ প্রভাতে জায়াপ্রতিগ্রাহিতগন্ধমাল্যাম্।
বনায় পীতপ্রতিবদ্ধবৎসাং যশোধনো ধেনুমৃষের্মুমোচ ॥ ১ ॥

থংনবা মুখিংকী অয়ুক্তা রাণী সুদক্ষিণানা মহৈ-মরোং-মালা-চন্দন অসিনচিংনবা নন্দিনীগী পূজা তৌই। অদুগী তুংদা নন্দিনীগী মচানু মথোম পীথকই, অদুগা মিংচৎ লৈরবা নিংথৌ দিলীপনা মহুনু পুন্সিমী অমঙ্গং ঋষিগী মগনু অসনদা পীথকনবগীদমক থাদোকই ॥ ১ ॥

তস্যাঃ খুরন্যাসপবিত্রপাংসুমপাংসুলানাং ধুরি কীর্তনীয়া।
মার্গং মনুষ্যেশ্বরধর্মপত্নী শ্রুতেরিবার্থং স্মৃতিরন্বগচ্ছত্ ॥ ২ ॥

নন্দিনীনা চৎপদা মহাক্কী মখোংনা কাওবদা পাইথংলকপা উফুলনা লমীনু শেংদোকই। অদুগুম্বা লম্বী অদুদা নন্দিনীগী তুংদা তপনা-তপনা

চৎথিবী নিংথৌ দিলীপকী ধর্মপত্নী অমসুং পতিব্রতাশিংদগী মহোক ওইরবী রাণী সুদক্ষিণানা মহুৎপা কন্তবগী, মহাদি শ্রুতিগী তুংদা স্মৃতিনা চৎপগুম্ ॥ ২ ॥

নিবর্ত্য রাজা দয়িতাং দয়ালুস্তাং সৌরভেয়ীং সুরভির্যশোভিঃ ।
পয়োধরীভূতচতুঃসমুদ্রাং জুগোপ গোরূপধরামিবোর্বীম্ ॥৩॥

থৌজাল হৈরবা অমসুং মিংচৎ লৈবা নিংথৌ দিলীপনা আশ্রমগী থোজাম্নগী রাণী সুদক্ষিণাবু হলকনখি অমসুং মশামকনা নন্দিনীবু ঙাক শেন্নি। মতুংদা কন্তবকুদি শাহৈশেংবা পৃথ্বীনা মথৌনী মশক ওইরগা অমদি মখোয়না পৃথ্বীগী সমুদ্র মরীগী মতেংগুম্ ৩

ব্রতায় তেনানুচরেণ ধেনোর্ন্যষেধি শেষোঽপ্যনুযায়িবর্গঃ ।
ন চান্যতস্তস্য শরীররক্ষা স্ববীর্যগুপ্তা হি মনোঃ প্রসূতিঃ ॥ ৪ ॥

থবা চৎলগা নিংথৌ দিলীপনা অমাম্বা মনাক-মনগশিংবু হলহনখ্রে। মরমদি মহাক্না মশাগী মশাগী ব্রত অদু লৌরম্মী মরম অতুনা মশাগী ঙাক শেনবা শাদোক্পা মশা মক মশাবু ঙাকচ। মরমদি মনুগী শাগৈদা পোকপা নিংথৌশিং মশাগী ঙাক শেনবা মশানা তৌই ॥ ৪ ॥

আস্বাদবদ্ভিঃ কবলৈস্তৃণানাং কণ্ডূয়নৈর্দংশনিবারণৈশ্চ ।
অব্যাহতৈঃ স্বৈরগতৈঃ স তস্যাঃ সম্রাট্ সমারাধনতৎ-
পরোঽভূৎ ॥ ৫ ॥

নিংথৌ দিলীপনা হঞ্জা পুক্কী চঙা নন্দিনীবু শেংবা তেংই কম্বকুবদা মহাক্না অকব মশী থীগুনা মথুংনা শম-শাত্তুনা পীহে, কংরগুম্বদা মশাকু তক্ থোংশি, কংরগুম্বদা হয়্রি লুম্মী অমসুং মশাক্না চৎলিবা মপমদা চৎহল্লি ॥ ৫ ॥

স্থিতঃ স্থিতামুচ্চলিতঃ প্রয়াতাং নিষেদুষীমাসনবন্ধধীরঃ ।
জলাভিলাষী জলমাদদানাং ছায়েব তাং ভূপতিরন্বগচ্ছত্ ॥ ৬ ॥

মতম অদুদা মানা লেপ্পা হৈরবা নিংথৌগী লেপ্পুনা লৈ অমসুং মানা অদিংবগী মতুংইন্না তাংবদা, মহুগী মতুং ইন্না চংদা চৎলম্মী। মানা ফুমলবা নিংথৌমু ফম্মী অমসুং ঈশিং থকনিংবগী মওং তৌরুবা

ঈশিং থক্লবগী নিংথৌগী ঈশিং থকই। মতৌ অসুম তৌদুনা মাবা মখিনী মতৌগুম্ন তুংদা তপন-তপনা চৎলম্মী ॥ ৬ ॥

স ন্যস্তচিহ্নামপি রাজলক্ষ্মীং তেজোবিশেষানুমিতাং দধানঃ।
আসীদনাবিষ্কৃতদানরাজিরন্তর্মদাবস্থ ইব দ্বিপেন্দ্রঃ ॥ ৭ ॥

মহাক্কি কবিগুম্বা মরাইগী কাম্বা শামুগী মরাইবক্তা মরাই অহুবগী হুমাং তাদক্লবগা মহুবু খেক উবদা মতাকী মথুন অম্ব তাবগা থংবা ওম্মী। মতৌ অদুগুম্না নিংথৌ দিলীপনা মতম পুম্নমক্তা থংলম্মী। মতৌ অসুম তৌদুনা খগ সেবানা মরম শইদুনা কিরাম, চামর অসিন-চিংবা নিংথৌগী মঙাইবা পুম্নমক হন্দোকলম্মী, মতুংদগী মহাকী হকচাংগী মওং অমসুং মরাইগী তেজবু উবগা কনাগুম্বনগু হাইবা ওম্মী। মহাক্কি নিংথৌরেম্মি হাইনা ॥ ৭ ॥

লতাপ্রতানোদ্গ্রথিতৈঃ স কেশৈরধিজ্যধন্বা বিচচার দাবম্।
রক্ষাপদেশান্মুনিহোমধেনোর্বন্যান্ বিনেষ্যন্নিব দুষ্টসত্ত্বান্ ॥ ৮ ॥

ব্রতী ওইবা মরমদগী মহাক্কী মকোক্কী মশম পুম্নমক অঙগী থাপীগী মতৌগুম্নরে। মথুত্ত লীক পাইদুনা মহাক্ক অরনবা কোইরম্মী, মতম অহুদা মাবু উবগা মতৌ অদুম থগ্লি মহুদি— হে মীওইবা নম্বিনীগী ওক থনবদা মঙাইনবীদমক্ ভৌগলশিংগী কত্তবা জীবশিংবু অরিংবা শিক্কা পীরি ॥ ৮ ॥

বিসৃষ্টপার্শ্বানুচরস্য তস্য পার্শ্বদ্রুমাঃ পাশভৃতা সমস্য।
উদীরয়ামাসুরিবোন্মদানামালোকশব্দং বয়সাং বিরাবৈঃ ॥ ৯ ॥

থাক খেংকী উশিংদা তোংইবা মরাই কাম্বা উচেকশিংনা নিংথৌবা খিংরেংবা খেংলম্মী। মথোইগী মুংশিনবা মথোকশিংনা তাকনা মতৌ অদুম থল্লম্মী মহুদি মীওইবা লম্বীগী উ-বা পুম্নমক্না মিংচৎ লৈবা নিংথৌ দিলীপকী মঙগগী ওইববু শক-শোল্লি। মরমকি মহাকী মঙগগী থাকশিংগী ঈশৈ শকপীরবা মরাই কনাগুম্বা মাগা লোইনবনদে ॥ ৯ ॥

মরুৎপ্রযুক্তাশ্চ মরুৎসখাভং তমর্চ্যমারাদভিবর্তমানম্ ॥
অবাকিরন্ বাললতাঃ প্রসূনৈরাচারলাজৈরিব পৌরকন্যাঃ ॥ ১০ ॥

মকম খুদিংমক্তা মখোইবা চংলম্মী, অদুগুম্বা মকমশিংদুগী উবা পুরমক্তা মৈগী মতৌগুম্বা মচাক নৈ অমম্বুং পুক্না তৌবিংবাহ মলক ওইরবা নিংথৌ দিলীপকী মথক্তা মতৌ অক্সুম নৈংবা নোংচুপকুম্ হৈখরম্মী, মতৌ অদুগুম্বা নিংথৌবু ইকায় খুম্নবা খুজংগী কষ্টাশিংবা মাংগী মথক্তা লেং-খোইদিংবা খোংগী মতৌগুম্বা চুখরম্মী ॥ ১০ ॥

ধনুর্ভৃতোঽপ্যস্য দয়ার্দ্রভাবমাখ্যাতমন্তঃকরণৈর্বিশঙ্কৈঃ।
বিলোকয়ন্ত্যো বপুরাপুরক্ষ্ণাং প্রকামবিস্তারফলং হরিণ্যঃ। ১১।

নিংথৌ দিলীপকী মথুক্তা পাইরিবা লৌরুক অদু উবগম্ব বনগী শজী-শিংবা কিরমদে। মরমদি মখোইনা মাবু উবদা থংই মচুদি মসি য়াম্না লৌবাক হৈবনি হাইবা। নিংথৌ দিলীপকী কজরবা শাবান অদুবু মখোইবা পুক্নিং চংবা য়েংলম্মী। অদুগুম্বা লৌরবদা কে মীওইবা নিং খাওবা শাবনী অখেংবা মতৌ অদু ফংই ॥ ১১ ॥

স কীচকৈর্মারুতপূর্ণরন্ধ্রৈঃ কূজদ্ভিরাপাদিতবংশকৃত্যম্।
শুশ্রাব কুঞ্জেষু যশঃ স্বমুচ্চৈরুদ্গীয়মানং বনদেবতাভিঃ ॥ ১২ ॥

নিংথৌ দিলীপনা তাবম্মী অমমুং নব লেইনা বনশিংগী কুঞ্জদা অন্নাংবা মরুনা মহাকী মিচংপু শকশ্লম্মী অদুগুম্বা ঈশৈ অদুগা লোইনন-হুনা বৌঁশী খোঙ্লম্মী, মচুগী লৌরবা মখোয় অদুগা সুংশিংকী মথক্তা বাকপবা য়াম্না মশিং মখোয় খোকলম্মী ॥ ১২ ॥

পৃক্তস্তুষারৈর্গিরিনির্ঝরাণামনোকহাকম্পিতপুষ্পগন্ধী।
তমাতপক্লান্তমনাতপত্রমাচারপূতং পবনঃ সিষেবে ॥ ১৩ ॥

চীংগী লোকচুদগী অহুংবগা লোইননা তপনা-তপনা হুমলকপা হুংশিংবা তপনা-তপনা লেং-খোংপদা উপালশিংগী লৈরমগা লোইননরবা হুংশিংবা সদাচারী ওইরবা নিংথৌ দিলীপকী সেবা তৌরম্মী মহাক্না পে য়াওদনা নুংশাগী অয়াবদু থাংলম্মী ॥ ১৩ ॥

শশাম্ বৃষ্ট্যাঽপি বিনা দবাগ্নিরাসীদ্বিশেষা ফলপুষ্পবৃদ্ধিঃ ॥
ঊনং ন সত্ত্বেষ্বধিকো ববাধে তস্মিন্বনং গোপ্তরি গাহমানে ॥ ১৪ ॥

নৈবাক চাকপা নিংথৌ দিলীপনা জললদা থুংলবদা নোংচুপ্পনা মনশী অশাবা পুম্নমক ইংখি, মকম অচুম্না উশী উহৈ অমসুং মপান্দনা থনগ্রে অমসুং অচৌবা ভীবনা অপিকপা ভীববু লাংশংদু থাদোকখি। ১৪।

সংচারপূতানি দিগন্তরাণি কৃত্বা দিনান্তে নিলয়ায় গন্তুম্।

প্রচক্রমে পল্লবরাগতাম্রা প্রভা পতঙ্গস্য মুনেশ্চধেনুঃ ॥ ১৫ ॥

সন্ধ্যা মতমগী অনৌবা উনাশিংনা সুংভাইবগী মতৌঙমা সুমিংকী ভাংগুবনা মভামা মাইকৈ মরিমক্ শন্দোক্লুনা অমদি মাইকৈ পুম্নমকপু শেংহন্দুনা পোথাবনগীদমক্ য়ুমদা হল্লক্লমী। অমরোমদসু অভাংবা মচুগী নন্দিনীসু মশাগী মখোংনা শোকপদা লমীবু শেংহন্দুনা তপোবনগী হল্লকই ॥ ১৫ ॥

তাং দেবতাপিত্রতিথিক্রিয়ার্থামন্বগ্যযৌ মধ্যমলোকপালঃ।

বভৌ চ সা তেন সতাং মতেন শ্রদ্ধেব সাক্ষাদ্বিধিনোপপন্না ॥১৬॥

পৃথীবু চাক শেল্লিবা নিংথৌ দিলীপনা বসিষ্ঠ ঋষিগী যজ্ঞ, শ্রাদ্ধ অমসুং অতিথি পূজা অসিনচিংবা থবক শিংনীদমক্ শঙ্গোম পীনবীরিবী নন্দিনীগী তুংদ তপ্না তপ্না চংলম্মী। মতম অদুদা মখোয় অনী মতৌ অসুম্না কল্লম্মী, মসুদি ব্রহ্মাগী মচা মুপী শ্রদ্ধাগ লোইনবা মতম পুম্নক্তা ফজ-হুবা নৈবগুম ॥ ১৬ ॥

স পল্বলোত্তীর্ণবরাহযূথান্যাবাসবৃক্ষোন্মুখবর্হিণানি।

যযৌ মৃগাধ্যাসিতশাদ্বলানি শ্যামায়মানানি বনানি পশ্যন্ ॥ ১৭ ॥

নিংথৌ দিলীপনা মশি য়েংহুনা য়েংহুনা চংলম্মী মসুদি কবিঙ্গবা অপিক অপিকপা মোংশোংগী অম্বীদগী লমথক্শিংনা মপৈ-মপৈ থোরকই, কবি-ঙ্গবদা বাহোংশিংনা মখোইগী মকোকনগী মাইঙৈগেদ পাইরি, কবিঙ্গবদা শজীনা চোকথত্তুনা আনৌবা নাপী মথক্তা কুম্মি অমসুং সন্ধ্যা ওইরকপনা তপনা-তপনা বন পুম্নমক্ মমশঙ্করক্লে ॥ ১৭ ॥

আপীনভারোদ্বহনপ্রযত্নাদ্গৃষ্টির্গুরুত্বাদ্বপুষো নরেন্দ্রঃ।

উভাবলঞ্চক্রতুরঞ্চিতাভ্যাং তপোবনাবৃত্তিপথং গতাভ্যাম্ ॥ ১৮ ॥

মতম অদুদা নন্দিনী অমসুং দিলীপনা তপনা-তপনা চংলক্লী। নন্দিনীনা মশাগী মথোমগী অমুগনা তপনা-তপনা চংবদি অমসুং নিংথৌ দিলীপনা মশাগী মপাঙ্গল লুপনা মমনা তপনা তপনা চংলক্লী। মথৌ অসুম তৌদুনা মখোইগী চিং-থেম্মা চংপনা অহীগী ফজবা চেনগংহল্লি ॥১৮॥

বসিষ্ঠধেনোরনুযায়িনং তমাবর্তমানং বনিতা বনান্তাৎ।
পপৌ নিমেষালসপক্ষ্মপংক্তিরুপোষিতাভ্যামিব লোচনাভ্যাম্ ।১৯।

নিংথৌ দিলীপনা সুংনিদাংবাগী মতমদা নন্দিনীগী তুংদা তপনা তপনা হল্লকই, মতম অদুদা সুদক্ষিণানা মাম্মা সুংশিনা মাবু মিং কুপ্পনা য়েংলক্লী, মীওইবা, মহাকী মমিং অদু সুমিং কনানিমুক্কগী নিংথৌ দিলীপকী মশকপু সুংশিনা ওইবগুম ॥ ১৯ ॥

পুরস্কৃতা বর্ত্মনি পার্থিবেন প্রত্যুদ্গতা পার্থিবধর্মপত্ন্যা।
তদন্তরে সা বিররাজ ধেনুর্দিনক্ষপামধ্যগতেব সন্ধ্যা ॥ ২০ ॥

হৌজিক অমুমগী মনীদা মগী তুংদা নিংথৌ দিলীপনা লৈরম্মী অমসুং ওকচনগীদমক্ রাণী সুদক্ষিণা লেপ্লম্মী। অদুগুম্বা মখোই অনিগী মরক্তা অদোংবা মচু ওইবা নন্দীনীনা মথো অম্মা ফজরম্মী, মদুদি সুংথিল অমসুং নুমিদাংবাইগী তাংকক্তবী দেবীনা লেম্নগুম ॥ ২০ ॥

প্রদক্ষিণীকৃত্য পয়স্বিনীং তাং সুদক্ষিণা সাক্ষতপাত্রহস্তা।
প্রণম্য চানর্চ বিশালমস্যাঃ শৃঙ্গান্তরং দ্বারমিবার্থসিদ্ধেঃ ॥ ২১ ॥

অমাবদা সুদক্ষিণানা মথুক্তা চেং থোংদিং, চন্দন অসিন চিংবা পোংথম্মা নন্দিনীগী পুজা তৌলম্মে অমসুং চম্মা-চম্মা কোইথরে। অদুগী তুংদা থুরকদবগা মহাক্কী মচী অনিগী মরক্তা চন্দন চেং-থোংদিং হাপলে। মমল্লদি মহাক্না থংজরম্মী মদুদি মথো মচী মত্তে, শুপনগী এগী ইচা ফংনিংলিবগী মপুং ফাবা লোংনি ॥ ২১ ॥

বৎসোৎসুকাপি স্তিমিতা সপর্যাং প্রত্যগ্রহীৎ সেতি ননন্দতুস্তৌ।
ভক্ত্যোপপন্নেষু হি তদ্বিধানাং প্রসাদচিহ্নানি পুরঃফলানি ॥ ২২ ॥

মতম অদুদা নন্দিনীনা মহাকী মচানু উথিংবনা য়াম্না শাংকরম্মী, মচুংদন্ন পনক্কা রাণীদা হৌবিবগী মতৌ ওইরম্মী, নন্দিনীগী অসিগুম্বা

প্রেমছু উবগা মথোই অনিবা পেন্নে। মমমদি নন্দিনীবা পেন্নবগী মাইবা মতম অদুদা মনাই অহবু পেনবীরে মতুদা অপাম্বা পুন্নমক্ থংলে মাইবা থংগনি ॥ ২২ ॥

গুরোঃ সদারস্য নিপীড্য পাদৌ সমাপ্য সান্ধ্যং চ বিধিং দিলীপঃ।

দোহাবসানে পুনরেবদোগ্ধ্রীং ভেজে ভুজোচ্ছিন্নরিপুর্নিষণ্ণাম্। ২৩।

মহাক্কী মথুক্ত রেকর কল চ খ্রবা নিংথৌ দিলীপন বগী পুজা তৌবদা অহানবদা বসিষ্ঠ অমসুং অরুন্ধতীগী চরণবু থুকমইদ অমসুং মতুংদা মহাক্কা সন্ধ্যা মতাংগী নিত্য কর্ম পুন্নমক্ তৌই। মতম অদুদা নন্দিনীবা মচা থংদাম পীবকলে খমদি কুমথ্রে, মতম অদুদা দিলীপনা অমুক হন্না মাগী সেবা তৌই ॥ ২৩ ॥

তামন্তিকন্যস্তবলিপ্রদীপামন্বাস্য গোপ্তা গৃহিণীসহায়ঃ।

ক্রমেণ সুপ্তামনু সংবিবেশ সুপ্তোত্থিতাং প্রাতরনূদতিষ্ঠৎ ॥ ২৪ ॥

মতৌ অদুম তৌদুনা প্রজাগী মপু নিংথৌ দিলীপনা পুজাগী থাওমৈ-মচিংবদু মাংদা থমলগা মহাক্কী মপীগা লোইননা মতম্ কয়ামুক্ নন্দিনীগী সেবা তৌদুনা লৈ। মতম অদুদা মহাক্কা তুমথ্রবদা, মথোই অনিমু তুম চংখি অমসুং মতৌ অদুগুম্না মাবা হেক্ হৌপংখি, মতুংদা মথোই অনিম্ম হৌগংখি ॥ ২৪ ॥

ইত্থং ব্রতং ধারয়তঃ প্রজার্থং সমং মহিষ্যা মহনীয়কীর্তেঃ।

সপ্ত ব্যতীয়ুস্ত্রিগুণানি তস্য দিনানি দীনোদ্ধরণোচিতস্য। ২৫।

মতৌ অদুম তৌদুনা মহাক্কী মপীগা লোইননা মচা কংববগীদমক্ মায়া কমবা ব্রত তৌদুনা হুমিং কয়াবিমুক্ ডাক্-শেন্দুনা, মিংচং থৈরবা নিংথৌ দিলীপকী হুমিং কুনমাথোইনি হৌখ্রে ॥ ২৫ ॥

অন্যেদ্যুরাত্মানুচরস্য ভাবং জিজ্ঞাসমানা মুনিহোমধেনুঃ।

গঙ্গাপ্রপাতান্তবিরূঢশষ্পং গৌরীগুরোর্গহ্বরমাবিবেশ ॥ ২৬ ॥

নিংথৌ দিলীপন মতম অদুদা হুমিং কুনথোইনিগুবা অহুম মাবু বন্দা পুদুনা চংখি, মতম অদুদা নন্দিনীবা মহাক্কী মনাই নিংথৌ দিলীপকী পরীক্ষা তৌনবগীদমক্ গোউরীগী মপু হিমালয়গী খোক অমদা চংখি,

[illegible] মাল্লরৈ পঙ্কারা ইচেম ওইনা চেঙ্খরম্নী অমম্লং মচুসি মপাঙ্গদা মচুঙবা অমম্লং মরো-মরোবা শজিক্কা থম্না চৌরম্মী ॥ ২৬ ॥

সা দুষ্প্রধর্ষা মনসাপি হিংস্রৈরিত্যদ্রিশোভাপ্রহিতেক্ষণেন ।
অলক্ষিতাভ্যুৎপতনো নৃপেণ প্রসহ্য সিংহঃ কিল তাং চকর্ষ ॥ ২৭

নিংথৌ দিলীপনা মাবু মচুদা চংদনবা থীংলমদে । মরমদি মামা থাজবা মমা নৈতৈ মচুদি কনিগুম্বা নোংশাগুম্বা জীবনা নম্নিরীদা থুমুদা চন্নবা থম্নী থোইদোকপা থমুদে । অসুম তৌরিবৈদা থংহৌদনা নোংশা অমনা থগবু লেংচুনা কম্নী । মতম অচুদা নিংথৌ দিলীপনা চৌংখী কয়বদা দৃষ্ঠ কয়া লেংলম্মী । মরম অচুনা মতাক্কা মচু উবা অমম্লে মচুদি মতাক্কা কয়া আক্রন্দন তৌরকইবরো হাইবা ॥ ২৭ ॥

তদীয়মাক্রন্দিতমার্তসাধোর্গুহানিবদ্ধপ্রতিশব্দদীর্ঘম্ ।
রশ্মিষ্বিবাদায় নগেন্দ্রসক্তাং নিবর্তয়ামাস নৃপস্য দৃষ্টিম্ ॥ ২৮ ॥

[illegible] নোংশা অচুনা চোংশিল্লকপদা নম্নিরীবা থংলম্মী অমম্লং মমী থোক্লোম্না শোকমুংচু ভংলম্মী । নিংথৌ দিলীপকী মিৎয়েংচু মতম অচুদা চৌংগী নিংথীজরবা কয়াদা পুক্রিং লুপলম্মী, তৌইগুম্বসুং অচুগুম্বা থোক্কেকপগী থোক্কেন্নুনা মাগী মিৎয়েংচুবু মতো অমম্না চিংলকই মচুদি কয়াগুম্বা অমনা থৌরিবা পুক্লগা মাবু চিংখিবগুম ॥ ২৮ ॥

স পাটলায়াং গবি তস্থিবাংসং ধনুর্ধরঃ কেসরিণং দদর্শ ।
অধিত্যকায়ামিব ধাতুময্যাং লোধ্রদ্রুমং সানুমতঃ প্রফুল্লম্ ॥ ২৯ ॥

মীখং পাইবা নিংথৌ দিলীপনা উথি মচুদি অচাংবা থগবী অচুগী মমতুদা কয়খিবা নোংশাবু মতো অমম্না উথি মচুদি অচাংবা চৌংগী নৈবাকপু কুপশিনবা মখল-মথা অমাম্বা অমংবা মপান শাব, উ অমনা অচাংবা মহৈ মাজবগুম্ ॥ ২৯ ॥

ততো মৃগেন্দ্রগামী বধায় বধ্যস্য শরং শরণ্যঃ ।
জাতাভিষঙ্গো নৃপতির্নিষঙ্গাদুদ্ধর্তুমৈচ্ছৎ প্রসভোদ্ধৃতারিঃ ॥ ৩০ ॥

মতম অচুদা নোংশাগী খোংচেংকা মান্নবা, চংজমক্লববু ভাকপী নৈবা, মীশিংগী লোইখব মক্কবু মাংহনবা অমম্লং অশোয়ববু কননীবা

মিংথৌ দিলীপনা থংখি, মতুংদি অসিগুম যোংশা অসিনা মনবু হাংদনা ঐবু মাইথীবা পীবা পাম্মী। করে, মাংমা থুবা মহাক্না যোংশাবু হাংনবং শীরবক তেন্নোংদগী তেন শংতোরবা খুং শাকদি। ৩০ ॥

বামেতরস্তস্য করঃ প্রহর্তুর্নখপ্রভাভূষিতকঙ্কপত্রে।

সক্তাঙ্গুলিঃ সায়কপুঙ্খ এব চিত্রার্পিতারম্ভ ইবাবতস্থে। ৩১ ॥

কদাইদনো নিংথৌ দিলীপনা অতুগুম যোংশাবু হাংদনা চংকদবা অমমুং থোৱাংদা তোংগ্রে মতুংদি মহাক্কী যেংথংবা মথুংকী নিংথীজরবা খুজিংগী কক্‌বগা যোইননা তেন্দুনা নিখাদ তোক্‌না পাই। মতুংবু উবগা মতৌ অগুম থম্লি মতুংদি মহাক্কী তেন কাপনবগী থোৱাংদু কনাগুমা অমমা লেকপগুম্‌। ৩১ ॥

বাহুপ্রতিষ্টম্ভবিবৃদ্ধমন্যুরভ্যর্ণমাগস্কৃতমস্পৃশদ্ভিঃ।

রাজা স্বতেজোভিরদহ্যতান্তর্ভোগীব মন্ত্রৌষধিরুদ্ধবীর্যঃ ॥ ৩২ ॥

মতৌ অমুম তোক্‌না থুং পুক্লনবতগী মহাক্না লেপ্পগা মরাল ঙৈরবতুগী মথক্তা থুংলাই থাদবগী মরমদা নিংথৌ দিলীপনা থোৱাং তোই অমসুং মহাক্কী মগুণ কয়। মতৌ অমুম মন্ত্রনা চাকখেৎলম্মী, মতুংদি মন্ত্র অমসুং হীদাক্‌কা করবা লীনবা তেকপা থংলম্‌ ॥ ৩২ ॥

তমার্যগৃহীতধেনুর্মনুষ্যবাচা মনুবংশকেতুম্ ॥

বিস্মাপয়ন্ বিস্মিতমাত্মবৃত্তৌ সিংহোরুসত্ত্বং নিজগাদ সিংহঃ ॥ ৩৩ ॥

সজ্জনশিংগী ইকাইখুম্নবা ঙাই ওইরন, মনুবংশগী কিবা অমসুং যোংশাগী মতৌগুম মপাঙ্গল কল্লবা নিংথৌ দিলীপনা মাংমা ঙকলম্মী অমসুং মতম অতৈ যোংশা অতৈবা মীওইবগী হাইনা হায়রকই, মতুংদগী মহাক্না অঙকপগী ওয়থে ঙৈরমদ। ৩৩ ॥

অলং মহীপাল তব শ্রমেণ প্রযুক্তমপ্যস্ত্রমিতো বৃথা স্যাৎ ॥

ন পাদপোন্মূলনশক্তি রংহঃ শিলোচ্চয়ে মূর্চ্ছতি মারুতস্য ॥ ৩৪ ॥

যোংশানা হাইরকই — হে রাজন্! নংনা ঐবু হাংনবা হোৎনবিবদো তোগম্মু। নংনাকন ঐগী মপান্থা থুংলাইনা কাপ্পকলবসু, থুংলাই অদু অবেথা ওইগনি। মরমদি মুংশিংবা মাঙ্গী অকনবা শাখুনা

উগী উন্নকাওবা ফুরবা শক্তি লৈ, অদুবু মহাকনা কবিগুণদগী চাৎনবি ফুকপা ঙমদে ॥ ৩৪ ॥

কৈলাশগৌরং বৃষমারুরুক্ষোঃ পাদার্পণানুগ্রহপূতপৃষ্ঠম্ ।
অবেহি মাং কিংকরমষ্টমূর্তেঃ কুম্ভোদরং নাম নিকুম্ভমিত্রম্ ॥ ৩৫ ॥

ঐ শক্তি কবিগুণদা টচম-চম্বা নেংশা মন্তে। ঐ অষ্টমূর্তি ওইরবা শংকরগী মতিকচারবা কৃপাপাত্র অমসুং মহাক্কী মনাই কুম্ভোদর কৌবা মনা অমসুং শিবগী শক্তিশালী মনা নিকুম্ভগী মরূপনি। শংকরনা মতম অদুদা কৈলাশ চোংগা, মাংনবা মহাক্কী মতিক মঙ্গলগা লৈনবা নন্দীগী মতক্তা তোংই, মতম অদুদা মহাকনা অহানবদা মহাক্কী চরণ অদুনা ঐগী নকন্দা হাপ্পীদুনা শেংহল্লি ॥ ৩৫ ॥

অমুং পুর পশ্যসি দেবদারুং পুত্রীকৃতোঽসৌ বৃষভধ্বজেন ।
যো হেমকুম্ভস্তননিঃসৃতানাং স্কন্দস্য মাতুঃ পয়সাং রসজ্ঞঃ ॥ ৩৬ ॥

য়েংউ নংগী মমাংদা অচৌবা দেবদরু কৌবা উ অমা উবিবসি, মসি শংকরনা মহাক্কী মচাগী মতৌঙুম্না খল্লিবনি। করমদি — পার্বতী মশামক্তা মহাক্কী স্নাগী চরুদ থাপলবা খামখুমন চাই-চাইদুনা য়োকহনবনি ॥ ৩৬ ॥

কণ্ডূয়মানেন কটং কদাচিদ্বন্যদ্বিপেনোন্মথিতা ত্বগস্য ।
অথৈনমদ্রেস্তনয়া শুশোচ সেনান্যমালীঢমিবাসুরাস্ত্রৈঃ ॥ ৩৭ ॥

নংমা থংদে নত্তি পার্বতীনা মসিবু কয়া নুংশা তে বগে হাইবদো। লোংমগী সুখিত্তঃ জঙ্গলগী শামু অমনা উ অসিদা তক তক্লুনা মহাক্কী হাকুজবদু হোৎলম্মী। মতুংগী উ মশাতুংগী মচৈ-মরোঃ খঞ্জিক্কং নিকখি। মশিমকতা পার্বতীনা থোইদোকনা বাখি, অদুক য়াম্না চীংচাবশিংদুনা তেন্না কার্তিকপু শোকহনবদা মংঙাইথিদবগুম ॥ ৩৭ ॥

মতুদি থোইমুনরন নৈতিন লৈরবা লৈমা থম্বা উশি বু পাদে-ক্রপা মরাইকারবা ভজলগী শামুশিংগী মাইংকদা লা ইশিল্লি, মতৌ অদুগুম্না নৈবাক অতুগী মী পুম্নমকা মংংশিন নিংথৌ পুম্নমকপু থাদে অঙ্গী মথক্তা য়েংশিল্লি ॥৭॥

অথ স্তুতে বন্দিভিরন্বয়জ্ঞৈঃ সোমার্কবংশ্যে নরদেবলোকে
সংচারিতে চাগুরুসারযোনৌ ধূপে সমুৎসর্পতি বৈজয়ন্তীঃ ॥৮॥

মতম অতুদা বিংথৌ পুম্নমকী পারী-পুরী খংনবা নৈশি লেথোকপা হৈরবা মরাইশিংবা সূর্য্য অমসুং চন্দ্রবংশগী নিংথৌশিংগী মাইকৈদা তুগ পুম্নমক শিংথাহুবা অমদি অগরগী চন্দনগী মচিনা শেম্নবা ধূপ থাউমগী মৈথুবা মাইকৈ মরিমক কেন্থাই পাইহুম থাই হুম্নিন শিন্দা মৌই।

পুরোপকণ্ঠোপবনাশ্রয়াণাং কলাপিনামুদ্ধতনৃত্যহেতৌ।
প্রধ্মাতশঙ্খে পরিতো দিগন্তাংস্তূর্যস্বনে মূর্চ্ছতি মঙ্গলার্থে ॥৯॥

মোইবুং অমসুং মঙলগী যত্র কয়ানা থোংঙক্রবদা নৈবাক অতুগী

মাক-মেং অমিবক্তো হৈনৌবী ববশিংদা লৈরিবা মাহোংশিংবা মথোমহু থোং-থোংবগী মথোমগুম থন্দুবা অগোয় শাই, অহুঙবা যন্ত্রশিং অহুনী মথোখনা মাইগৈ ভয়ানক ফিনখি ॥৯॥

মনুষ্যবাহ্যং চতুরস্রযানমধ্যাস্য কন্যা পরিবারশোভি।
বিবেশ মঞ্চান্তররাজমার্গং পতিংবরা কৢপ্তবিবাহবেষা ॥১০॥

মরক অসিদা লুচোংবগী ভমদা শেং-চাবা নিংথীজবা ফিজিংনা শেং-চারগ ইন্দুমতীনা বর খল্লবগীদমক দোলাইদা তোংদুনা অহাংবা সিংহাসনশিং অনী মরক্তা নিংথৌশিং অহুনী লৈবীদা লাকই। হাইরিবা দোলাই অদু মীনা পুক্তনা চংলম্মী অদুগা দোলাইগী মাংগৈ মায়মক্তা মনায় মুপীশিংনা থোংনা চংলম্মী ॥১০

তস্মিন্বিধানাতিশয়ে বিধাতুঃ কন্যাময়ে নেত্রশতৈকলক্ষ্যে।
নিপেতুরন্তঃকরণৈর্নরেন্দ্রা দেহৈঃ স্থিতাঃ কেবলমাসনেষু ॥১১॥

কন্যা অসি ব্রহ্মাবা শেম্বাশিংগী মথংদা মতোমতা ওইবা নিংথৌচৈ। মতোন্দা মিৎ চাম্মনা অমত্তা ওইনা য়েংলম্মী। মহাকী ফজবদু হেক উবদা নিংথৌপুমনক্কী থম্মোয় অদু মতোন্দা পুরখ লুপখি, অদুগী মথোইগী হকচাং পুম্নমক মফমদক্তা লেপখি ॥১১॥

তাং প্রত্যভিব্যক্তমনোরথানাং মহীপতীনাং প্রণয়াগ্রদূত্যঃ।
প্রবালশোভা ইব পাদপানাং শৃঙ্গারচেষ্টা বিবিধা বভূবুঃ ॥১২।

নিংথৌশিংনা মথংগী প্রেমগী অপাম্বা ফাওদোকপগীদমক অয়াম্বা উশিংগী উনাপা চাবগুম মথক-মথক অয়াম্বা মগুংবা পিতবগী মিৎয়েংবা য়েংশিন্দুনা পুক্নিংগী অপাম্বা অদু মপুং ফানা ফোংদৈ, মথোই পুম্নমক হে মীওইবা মথোংগী অপাম্বদো ইন্দুমতীগী নাক শোননবা দূতীগুম্বা মতৌগুম্বা মখল মখা অয়াম্বা উৎলম্মী ॥ ২॥

কশ্চিত্করাভ্যামুপগূঢনালমালোলপত্রাভিহতদ্বিরেফম্।
রজোভিরন্তঃ পরিবেষবন্ধি লীলারবিন্দং ভ্রময়াংচকার ॥১৩॥

মহুদি কনাগুম্বা নিংথৌবা অমাগী মকোক্তা পাইদুনা লৈরম্মী। মহুনা লৈবদা পিতবগী মিৎয়েং হুন্দ হংথে কখি, তোইনিঙ্গুম্বা মহুদা পুক্নিং চংবা মনম তিংশিন্দুনা লৈরম্মী, মহুনা হাহ হুবদ অমদি হৈদোকপদা

থবাগনী মহুৎনী লৈখিক অমু মাইহৈ মখিমজা কৎকবা অমা ওইবা কোং-লোকই। মহুৎ লৈইমহুৎনা মহাক্না মণি কোংলোক্লগী মহুৎকি দুহোংমগী ফুংগা ঐয়ু বংহাকী মথুত্তা মতৌ অমুম্না অগোন্ন শাগনি ॥১৩॥

বিস্রস্তমংসাদপরো বিলাসী রত্নানুবিদ্ধাঙ্গদকোটিলগ্নম্ ।
প্রালম্বমুৎকৃষ্য যথাবকাশং নিনায় সাচীকৃতচারুবক্ত্রঃ ॥১৪॥

অনিশুবা মুংঙাইবা নিংথৌনা মমাংই অছু থজিত্তং লৈবগ। মেংবান্দগী কোক কাওবা অছু ওইথংবা থুংবা নিংথীরবা মণি-মুক্তা কয়াগী পরেংদু থাজংলগা কক্কবা ঙকশমদা শিজিল্লি। মহুনা অসিগুম্বা ইজিং অসি পোকম্লগী মহুদি ঐনা মতম পুম্নমক্তা নংগী ঙকশমক্ক কোন্দুনা লৈগনি।
॥১৪॥

আকুঞ্চিতাগ্রাঙ্গুলিনা ততোঽন্যঃ কিঞ্চিৎসমাবর্জিতনেত্রশোভঃ ।
তির্যগ্বিসংসর্পিনখপ্রভেণ পাদেন হৈমং বিলিলেখ পীঠম্ ॥১৫॥

অতমতুগা নিংথৌনা পিত্তুনা ইন্দিং তৌরগা অমদি খোংগী খোংথা-শিংবা লেং-খোত্তুনা খোঙশাশিংগী থুজিলগী মঙাল অছু উত্তুনা সানী খোংথাকম অমুদা খোংবা মুংঙাইবা তান কোংদোকই। অমুদা ইদিং ওইদুনা মহাক্না ইন্দুমতীবু মশাকী নাক্ত কৌশিল্লগী ॥১৫॥

নিবেশ্য বামং ভুজমাসনার্ধে তৎসন্নিবেশাদধিকোন্নতাংসঃ
কশ্চিদ্বিবৃত্তত্রিকভিন্নহারঃ সুহৃৎসমাভাষণতৎপরোঽভূৎ ॥১৬॥

নিংথৌ অমনা সংহাসন মথক্তা ওইথংব মথুং ভংথেত্তুনা কমই অমম্বং মহাকী মনাক্তা কযশিবা মকগ্না বারী-বাত্তাই তৌরি, মহুদা মহাকী ওইথংবা লেংজুমহু থাজংহুন ঙকশমগী মাথাহু শকলখোমদ, চোইহু। মহুনা মহাকী ইজিং তৌরম্বী মহুদি ঐনা নংবু মতম পুম্নমক্তা এহাকী ওইথংবা নাকন্দা কয়হনগনি ॥১৬॥

বিলাসিনী বিভ্রমদন্তপত্রমাপাণ্ডুরং কেতকবর্হমন্যঃ ।
প্রিয়ানিতম্বোচিতসন্নিবেশৈর্বিপাটয়ামাস যুবা নখাগ্রৈঃ ॥১৭॥

অংতাম্না নহা ওইব নিংথৌ অমনা, থুজিন অমুনা ২ মীওইবা মুংশিথোইরবী অমুনী নিংজোল অমুদা মান থম্বগীমক লেঙ শাবগী।

মহাক্না অহুত্তবা থুজিন অহুবা কেতুকীগী মশংবা মকুহ্ থোকতোক্লমী, মতুনা কনাগুম্বী নিংথীজববী সুগীবু মপাম্বা মৈচাক অহুগীমক ফজববা কিজেং নৈতেংগী মওংদা থোথোক্লমী অসিগুম্বা ঈশিংবা মহাক্না মসি কোংলোকলম্মী মতুদি ঐহাক্না মতৌ অগুম্না মংহাক্কী নিংজোল মথক অহুদা থুজিল মসি পনমগনি ॥১৭॥

কুশেশয়াতাম্রতলেন কশ্চিৎকরেণ রেখাধ্বজলাঞ্ছনেন।
রত্নাঙ্গুলীয়প্রভয়ানুবিদ্ধানুদীরয়ামাস সলীলমক্ষান্ ॥১৮॥

অতেংম নিংথৌ অমমা, মহাক্কী থুবাক অহু যখাপসী মতৌগুম্বা চাংলম্মী অমম্বুং মতুদা ফিরাগসী মরেক কয়াম্নু য়েক্লম্মী। মহাক্না মহাক্কী মথুক্তা চৌবর অহু লৌথংলম্মী অমুগ মহাক্কী থুংশংশিংনা থত্তুবা অহুগুম্বা চৌবর অহু হুন্দুন তংবম্মী। মতুবা মহাক্না ইশিং অসি থংহল্লি মতুদি লুহোংনবগী তুংদ ঐনঃ অহিং সুংবিল চুম্না নংগ লোইনতুনা চৌবর শাম্নগনি ॥১৮॥

কশ্চিদ্যথাভাগমবস্থিতেঽপি স্বসংনিবেশাদ্ব্যতিলঙ্ঘিনীব।
বজ্রাংশুগর্ভাঙ্গুলিরন্ধ্রমেকঃ ব্যাপারয়ামাস করং কিরীটে ॥১৯॥

নিংথৌ অমনঃ হন্না-হন্না মহাক্কী মথুং শত্রুনা অহুগুম্বা লুহুপ অহু চুম্না লেমজিল্লম্মী, মতুনা হাম্নদগী হেম্না চুমলম্মী। মতৌ অগুম তেংবনা মহাক্কী মথুঃ মম্নাংথংবা থুংশাশিংগী মর ইদগী মণিগী মভাপনা ইরং লংনা ফুদোকলম্মী। মতুনা মহাক্না ইশিং অসি তৌবম্মী মতুদি ঐনা নাহাকপু মতম পুম্নমক্তা ঐহাক্কী কোক মিংকী মথক্ত ফমহন্দুনবা থমগনি। ॥১৯॥

ততো নৃপাণাং শ্রুতবৃত্তবংশা পুংবৎপ্রগল্ভা প্রতিহাররক্ষী।
প্রাকসংনিকর্ষং মগধেশ্বরস্য নীত্বা কুমারীমবদৎসুনন্দা ॥২০॥

অহুগুম্বা মতম অদুদা লিংথোঙ্গিংবু খ লবী থর হন্থবা শাগেগী তুগী অমদি নিংথৌশিংগী শাগৈ নাংতগী বংশী-বংথোক থংলবী বাণীগী মনাম সুনন্দানা ইন্দুমতীবু পুম্নমক্কী অহান্নবদা মগধ নিংথৌগী মমাংদা পুশিল্লি অমম্বুং হাইরক্ল ॥২০॥

অসৌ শরণ্যঃ শরণোন্মুখানামগাধসত্ত্বো মগধপ্রতিষ্ঠঃ
রাজা প্রজারঞ্জনলব্ধবর্ণঃ পরংতপো নাম যথার্থনামা ॥২১॥

মেং:উ সিংথৌ অসি মায়া মপাকপ কন্না অমস্থং মতোম্না চংজখবদা ওজনবী। মহাকী প্রজাবু ফুংজাইহন্দুনা মহাক্না সিংচং মায়া তারি। মাসী মথিং পরংতপ কৌই অমস্থং মহাক অসি অশেংবমক পরংতপ অমদি মেজবশিংবু অবাবা পীবনি ॥২১॥

কামং নৃপাঃ সন্তু সহস্রশোঽন্যে রাজন্বতীমাহুরনেন ভূমিম্।

নক্ষত্রতারাগ্রহসঙ্কুলাপি জ্যোতিষ্মতী চন্দ্রমসৈব রাত্রিঃ ॥২২॥

মহুদি মশীংথিতমনবা থবানমিচাকশিং, গ্রহশিং অমস্থং থবানমিচাকশিংনা থল্লা লৈরবস্থ অহিংবুস্থ থাবনগী অহিং কৌবৈ, মহুদি কঙ্গিনবো হাইবদা থাবা থোকপা অহুবু। মতৌ অমুগুম লৈমিক অসিদা সংসারদ সিংথৌ শিশিং কয় লৈ, তোংগুমস্থং নিংথৌ অসি লৈবাক্না পৃথীবীদা সিংথৌ পানবা হাইবৈ ॥২২॥

ক্রিয়াপ্রবন্ধাদয়মধ্বরাণামজস্রমাহূতসহস্রনেত্রঃ।

শচ্যাশ্চিরং পাণ্ডুকপোললম্বান্মন্দারশূন্যানলকাংশ্চকার ॥২৩॥

মহাক্না মথং-মনাও থাইনা যজ্ঞ কন্নারক তৌদুনা হন্না হন্না ইন্দ্রবু মহাক্না মকমসিদা কৌথিবা। মহুদগী ইন্দ্রাণীগী কোকো লৈতে ওইনা কেংপা কন্নবুকগী লৈনা শৃঙ্গার ওইদবগী মংগী ভাংথি ভংথিবা থজাইদা লৈমন চন্দুনা হাই-জনবে। কঙ্গিনবে হাইবদ মপুরোইবনা মহাকী মবাক্তা লৈরবদা মহাক শৃঙ্গার তৌবদু থাদোকখ্রী ॥২৩॥

অনেন চেদিচ্ছসি গৃহ্যমাণং পাণিং বরেণ্যেন কুরুপ্রবেশে।

প্রাসাদবাতায়নসংশ্রিতানাং নেত্রোৎসবং পুষ্পপুরাঙ্গনানাম্ ॥২৪॥

মতম অসিদা সিংথৌসিপ লোইনবা মংবা লুপ্তোংবা পাম্নবদি লেপ্লা তৌ। মরমদি মাগ লোইনবা লুপ্তোংনবদি মতম অহুদা নংনা মাগী রাজধানী পাটলিপুত্রদ খুংগনি, মহুদা মফম অহুগী লুপীশিংনা থোংনাওদা লৈরুনা নংবু যজনা য়েংগনি। মহুদগী নংগী নমিংকী লুংজাইবা ফংগনি।
॥২৪॥

এবং তয়োক্তে তমবেক্ষ্য কিঞ্চিদ্বিস্রংসিদূর্বাঙ্কমধূকমালা।

ঋজুপ্রণামক্রিয়য়ৈব তন্বী প্রত্যাদিদেশৈনমভাষমাণা ॥২৫॥

সুনন্দাগী ৱা'শিংদো তাবদা ইন্দুমতীনা অধিংবু খজিত্তং কাংথত্লুনা য়েংবদা তিংথোগী মতোম্না মপাঙ্গিনবা মহাকী মথৃংকী মুংগাগী পারেং অদু চুকথৈ অমমুং কবিগুম্বা অমত্তা হাইদ—তাদবা চুমা প্রনাম তৌরগা মহুবু য়াবিংদব' উত্ত্ুবা নাংনে'মদ' চংশিল্লি ॥২৫॥

তাং সৈব বেত্রগ্রহণে নিযুক্তা রাজান্তরং রাজসুতাং নিনায়।

সমীরণে তথেব তরঙ্গলেখা পদ্মান্তরং মানসরাজহংসীম্ ॥২৬॥

মহুদি মা'নসসরোবরগী ক'ও অমে মা মুংশিংকা থোইনহুবা ইথকী মতেং থৌহুবা থম্ব'ল অমদগী অতোপ্পা থম্বাল অমদা থংকৈ, মতো অহুগুম সুনন্দা'না নিং'থৌগী মচা'নুপী ইন্দুমতীবু অতো'প্পা নিংথৌগী মমাংদা পুশিল্লি। ॥২৬॥

জগাদ চৈনামযমঙ্গনাথঃ সুরাঙ্গনাপ্রার্থিত যৌবনশ্রীঃ

বিনীতনাগঃ কিল সূত্রকারৈরৈন্দ্রং পদং ভূমিগতোহপি ভুঙ্‌ক্তে ॥২৭॥

মহা'ক্না হাইরকই — মসিনা অঙ্গ দেশগী নিংথৌনি। মহাকী 'অহা ওইবগী মতো উবদ' লাইশিংগী নুপীশিংনসু পাম্নৈ। শামুশিংবুসু তেহ্নবা মতৌ থংবগা লোইনবা অতৌ-অতৌব মীশিংনা মখাইগী শামুশিংবু তম্বী। শশিবীদা নৈমনসু মহাক অসি ইন্দ্রগুম্ব' মুংতাইবা পাল্লি। ॥২৭॥

অনেন পর্যাসয়তাশ্রুবিন্দূন্ মুক্তাফলস্থূলতমান্ স্তনেষু

প্রত্যর্পিতাঃ শত্রুবিলাসিনীনামুন্মুচ্য সূত্রেণ বিনৈব হারাঃ ॥২৮॥

অতোপ্পা নিংথৌশিংবু মহাক্না মাইথম্বা হাংলগী, নিংথৌশিং অহুগী নুপীশিংনা মখোইগী মিত্রবা ময়ুরেংইবগী অমাবদা মপিশিংগী পরেংবু লোংথোকুবা হন্দোকই। থোইগুম্বা কম্না মরম ওইহুন মখোইগী থবক মথক্তা তাবকইবা পিগী মতুমশিংগী অতংপা খিত্তহুনা মণি পরেংগুম্বা কঙ্গরম্মী। মতুবু উংগা মতৌ অসুম্না কঙ্গরম্মী মহুদি হে মীওইবা মহাক্না থেকুবশিংগী নুপীশিংগী চকশমদগী মণিগী লিকপরেং থোংথোক্লগা মহুগী মহুত্তা পিগী পরেংনা শনবীরগুম্ ॥২৮॥

নিসর্গভিন্নাস্পদমেকসংস্থমস্মিন্দ্বয়ং শ্রীশ্চ সরস্বতী চ।

কান্ত্যা গিরা সূনৃতয়া চ যোগ্যা ত্বমেব কল্যাণি তয়োস্তৃতীয়া ॥২৯॥

মতৌ অদুম্না মখী অমসুং সরবতী অমিনা কবিশুবদা থাদবে, তৌই-শুবসুং মিংথৌ অসিগী মমাক্তা মথোই অনিমক তিল্ল-খোংনহনা লৈ। হে মঙ্গম ওইরবী। মসুং মশক-মতৌ ফজবাসি অমসুং মংহাক্কী থাংগাংবু নিংথীজে। মরম অদুনা লমমক মংহাকনা মথোই অমিগা লোইননা অহানবা লোইনবী ওইদুনা লৈবা য়াই ॥২৯॥

অথ অঙ্গরাজাদবতার্য চক্ষুর্যাহীতি জন্যামবদৎকুমারী।
নাসৌ ন কাম্যো ন চ বেদ সম্যগ্ দ্রষ্টুং ন সা ভিন্নরুচির্হি লোকঃ ॥৩০॥

ইন্দুমতীনা অদুগুম্ব অঙ্গদেশকী নিংথৌদগী মিৎ লৈথোকখি অমসুং সুনন্দাদা হাই— মাংদা চংথংলু। মকম অদুদরম্ব ওইরমদে মহাদি অদুগুম্বা নিংথৌ অপীবরা ফজবরা হাইবা, অমসুং মহুদা করিগুম্বা মা অমত্তা লৈরমদে মহাদি ইন্দুমতীনা মাবু নিংথীবাকাও য়েংলমদে। তৌইগুম্বসুং মশা মশাগী অপাম্বাহু থমবসি, কনাবুনা কনাবা অফবা ওইবা লৌই অদুগা কনানুনা কনামা অপাম্বা ওই ॥৩০॥

ততঃ পরং দুষ্প্রসহং দ্বিষদ্ভির্নৃপং নিযুক্তা প্রতিহারভূমৌ।
নিদর্শয়ামাস বিশেষদৃশ্যমিন্দুং নবোত্থানমিবেন্দুমত্যৈ ॥৩১॥

মফমদুদগী চংথংলগা মনাইদগী সুনন্দানা অতোপ্পা নিংথৌ অমবু য়েংহল্লি, মহাক অসি য়েকনবশিংবু নিকহনবা অকনবা অমসি। মহাকী মশক অমসুং মহাকী মহাওংব পুণিশাগী তনৌ-তনৌবা থাবনগুম্মা ফজে। ॥৩১॥

অবন্তিনাথোঽয়মুদগ্রবাহুর্বিশালবক্ষাস্তনুবৃত্তমধ্যঃ।
আরোপ্য চক্রভ্রমমুষ্ণতেজাস্ত্বষ্ট্রেব যত্নোল্লিখিতো বিভাতি ॥৩২॥

মাবু য়েংহল্লগা সুনন্দানা হাইরকই— য়েংউ শাংনবা পাংথোম অসে, অপাকপা থাবাক অমসুং পাবপ অমসুং কোইরক কোইবা মথাংবা মাগী ওইরবা নিংথৌ অসিনা। সুমিংকী মঙালগুম্না চন্দুন লৈরিবা নিংথৌ অসি অবন্তী দেশগী নিংথৌনি। মতৌ অদুম্না ফজে মহাদি বিশ্বকর্মানা মহাকী শুংনায় ফেংবর নুংদা ফংহবা থুংশাররনা চক্রদা নিংথীনা মহাকপু থম্মগ্য মায়া চেকশিন্না লেম্মবনি ॥৩২॥

অস্য প্রয়াণেষু সমগ্রশক্তেরগ্রেসরৈর্বাজিভিরুত্থিতানি।
কুর্বন্তি সামন্তশিখামণীনাং প্রভাপ্ররোহাস্তময়ং রজাংসি ॥৩৩॥

মতম অমদ মহাক্কী পাঙল পুম্নমক্তা লোওমতুনা লেঙবনিলী মথক্তা লাক তাইঁ, মতম অদুদা লাঁম্বদা মাংদা চংলিবা শগোলশিংগী মখোংনা কাওবদা পাইথংলকপা ঙমুদ অদুনা লেঙবনিংগী মকোক্কী লুহুপ্তা থামলিবা মণিগী নৈতোংদা উফুল চাইশিল্লি ॥৩৩॥

অসৌ মহাকালনিকেতনস্য বসন্নদূরে কিল চন্দ্রমৌলেঃ।
তমিস্রপক্ষেঽপি সহ প্রিয়াভির্জ্যোৎস্নাবতো নির্বিশতি প্রদোষান্ ॥৩৪॥

অনেন যূনা সহ পার্থিবেন রম্ভোরু কচ্চিন্মনসো রুচিস্তে।
শিপ্রাতরঙ্গানিলকম্পিতাসু বিহর্তুমুদ্যানপরম্পরাসু ॥৩৫॥

মহাকাল মন্দিরদা লেংদবা নৈঁরবা অমদি লোকদক্তা চন্দ্রবাবু পুবিবা শিবজীগী মনাকমক্তা মাগী যিংথোংগী শঙাই লে। মরম অদুনা অমম্বা থাথংগীশু শিবগী কোকতক্তা লৈতেংলিবা চন্দ্রমাগী থাবল অদুনা মহাক্ন মহকী মুপী শংগা লোইননা মতম পুম্নমক্তা মঙাল অদুনা অমম্বা থাথাইদা শুংঙাইনা লৈ। অনৌকমদা যুংবা মুপীগুম লৈগনলৈকক কবরি হে ইন্দুমতী! কঁবনে নংনা উজ্জৈনিগী লমপাংশিংদ শাকব (শুংঙাইবা) পামংদা, মহুদা থাংৎ-শুংথল থবিদা। শিপ্রা তুরেলগী নুংশিৎনা শুংশিনবা শিংবা লৈ ॥৩৪॥৩৫॥

তস্মিন্নভিদ্যোতিতবন্ধুপদ্মে প্রতাপসংশোষিতশত্রুপঙ্কে।
ববন্ধ সা নোত্তমসৌকুমার্যা কুমুদ্বতী ভানুমতীব ভাবম্ ॥৩৬॥

শুবন্নাগী অচুম্বা হাশি শু তাবনশ নিংথৌশবী যিংথৌগী মচানুপী ইন্দুমতীনা মরূপশিংবু শুংলম। অমদি মকলবাশিংবু হাথনবা ওইবা অচুম্বা অকনবা নিংথৌদো অঙবনি হাইনা লৌরমদে, কমুদিনী থবো কমলনা মমিংলকপা মকাংদা শাংক্তে। কঁবিতুদ থবালনা শাওলি, তোইনবা লৈথে মদা কংচুবা তোক্কে ॥৩৬॥

তামগ্রতস্তামরসান্তরাভামনূপরাজস্য গুণৈরনূনাম্।
বিধায় সৃষ্টিং ললিতাং বিধাতুর্জগাদ ভূয়ঃ সুদতীং সুনন্দা ॥৩৭॥

খোঙ্গলগী মিংথীজরবী, রাখন পুম্নমক্না নৈতোংবী গুণ কয়াম্না তিন্নবী, বিধাতাগী মিংথীবা অমতি কনবা থুংলেম অমম্বং কনবা মাতাম্না নৈতেং ওইরবী ইন্দুমতীবু মুনন্দনা মকমতুংদগী পুথোক্লুন' অনুপদেশগী মিংথোংগী মাংদা পুশিন্নগা হাইরকই— ॥৩৭॥

সংগ্রামনির্বিষ্টসহস্রবাহুরষ্টাদশদ্বীপনিখাতযূপঃ।
অনন্যসাধারণরাজশব্দো বভূব যোগী কিল কার্তবীর্যঃ॥৩৮॥

মতম কয়ামুক্তী মমাংদা কার্তবীর্য হাইবা কৌব মায় চাংওরবা যোগী অমা লৈরম্লে। মতোংদা থোঃদোকপ দ মসিমি মতম অহুম' মহাক্না লান তৌবা চংঙন্মী, মহুদা মহাক্তী মখুং মিলিং খম পান্নমী। মহাক্না দ্বিপ তরানিপাল্দ চংতুনা যজ্ঞগী য়ুপী য়ুংথরম্মী। মহাক অসি অনিগুম্বা অৱবা ওইরম্মী মহুদি মশাক্তী মমাংদা কনাগুম্বা অমত্তম মশাবু মিংথৌনি হাইজবা তমদে ॥৩৮॥

অকার্যচিন্তাসমকালমেব প্রাদুর্ভবংশ্চাপধরঃ পুরস্তাত্।
অন্তঃশরীরেষ্বপি যঃ প্রজানাং প্রত্যাদিদেশাবিনয়ং বিনেতা॥৩৯॥

মতমমহুদা কনাগুম্বা অমনা পাপ তৌরবগী য়াখল তৌবব মহুদা মহাকনা মীরুং-তেন পুহুনা মহাক্তী মন তা চংতুনা থুংলম্মী। মতৌ অত্তম তৌহনা অচুগুম্বা চৈরাক পীবা তম্বা মিংথৌ অহুনা মী পুম্নমক্তী থম্মোয়দা লেবা কত্তব রাখল অহুবু তাবথোকখরম্মী ॥৩৯॥

জ্যাবন্ধনিষ্পন্দভুজেন যস্য বিনিঃশ্বসদ্বক্ত্রপরম্পরেণ।
কারাগৃহে নির্জিতবাসবেন লঙ্কেশ্বরেণোষিতমা প্রসাদাত্॥৪০॥

অচুগুম্বা মানবনা ইন্দ্রবু মায় তৌরম্মী, মাবুম মহাক অচুবা মশাগী কৈথমশংদা পুল্লুনা থম্মী অমম্বং মহাক্তী মপাংখোম্নিংলুম্না মতৌ অত্তম নীকংগী মীরিনা অহাব' পীংনা পুল্লি মহুদি অচুগুম্বা লৌকম খংত্রব মাথা অহিং মুংথিলদা অহানবগী মখ রোন্নুনা লেপ্লি অমম্বং কর্তবীর্যনা মাবু মুংশিনীজবা মতম অচু কাওবা থাদোক্কে ॥৪০॥

তস্যান্বয়ে ভূপতিরেষ জাতঃ প্রতীপ ইত্যাগমবৃদ্ধসেবী।
যেন শ্রিয়ঃ সংশ্রয়দোষরূঢ়ং স্বভাবলোলেত্যযশঃ প্রমৃষ্টম্ ॥৪১॥

অহুত্তা কার্ত্তবীর্য্য হাইবা মরিংদা কাওথিবা নিংথৌশিং লাগৈদা মহাক পোকখি। মহাকনা বেদশিং অমসুং অহম-মমনশিংগী সেবা তাম্না তৌই। লম্নাবু মীওইবনা লেপ্পদা ফোব তৌরম্মী, তৌইগুম্বসুং মহাক্কী থোকপা মখুংদা থাংখি, থৌজিক্তি মহাকনা মহাক্কী মনাক্তা লৈরম্‌গনি। মরমদি লম্নাদি কন্থবা নিপাবু থাকে খুনা চংলি, মসুদা কবিগুম্বা অমরীদমক অরাব ওইরবা। মাগী মকমদদি কবিগুম্বা অদাবা অমত্তা লৈতে, মসিদা মাবু থাকে খুনা কন্থিগী চংকনি ॥৪১॥

আয়োধনে কৃষ্ণগতিং সহায়মবাপ্য যঃ ক্ষত্রিয়কালরাত্রিম্।
ধারাং শিতাং রামপরশ্বধস্য সংভাবয়ত্যুৎপলপত্রসারাম্ ॥৪২॥

নিংথৌ অসি অদুকী মতৌক পাদন্‌ কল্লি মতুদি অগ্নিগী মতেং ফংব-দগী পরশুরামনা অহুত্তা অদোবা নিংথৌশিং অহেকপা মগুণবুসু থঙ্গাদগী লৈথোক পইবগুম্না থাংই, মসুনা আনকমকা ক্ষত্রিয়শিংগী মুখংদম্মী ॥৪২॥

অস্যাঙ্কলক্ষ্মীর্ভব দীর্ঘবাহোর্মাহিষ্মতীবপ্রনিতম্বকাঞ্চীম্।
প্রাসাদজালৈর্জলবেণিরম্যাং রেবাং যদি প্রেক্ষিতুমস্তি কামঃ ॥৪৩॥

মতম অসিদা নংনা নিংথৌগী শজাইক ময়াদ চেঙলিবা অহুত্তা নিংথৌজরবা ইথক লেইরব নর্মদাগী ফজবা দৃশ্যবু য়েংবা পাম্লবদি, অমদি মাহিষ্মতী কুমরনগী মাইকৈ মরিমক্তা থোক্লাংগা লাইরবা কোই-শিল্লি মসিদা অসিগুম্ব মপাম্বাম কনবা নিংথৌসিগা লোইনবা লুহো উ। ॥৪৩॥

তস্যাঃ প্রকামং প্রিয়দর্শনোঽপি ন স ক্ষিতীশো রুচয়ে বভূব।
শরৎপ্রমৃষ্টাম্বুধরোপরোধঃ শশীব পর্যাপ্তকলো নলিন্যাঃ ॥৪৪॥

মতুদি লৈচিল লৈত্রবা আকাশতা শরদঋতুগী মপুংফারবা থাবলদগী থঃবা থম্বাল শাত্তে, মতো শকুগুম অহুত্তা কন্নবা নিংথৌবুসু ইন্দুমতীগী মরিংথুংবা অরেম্না ওইদে ॥৪৪॥

সা শূরসেনাধিপতিং সুষেণমুদ্দিশ্য লোকান্তরগীতকীর্তিম্।
আচারশুদ্ধোভয়বংশদীপং শুদ্ধান্তরক্ষ্যা জগদে কুমারী ॥৪৫॥

মতমদুদা অমতীং ওইরীবী মবাগ সুনন্দাদা মিংথৌদি মতাহুদীবু মথুরাদি মিংথৌ সুষেণবী মাংদা পুশিল্লি, মহাক্কী মিংচংতো মর্দী লাইশিং-মহ লুকপদা অমত্তুং মহাক্কা মশাদী অকনা অমচংবা মনা অমত্তুং মপা অভিনী শাইসেবু লম্বমলী। মত্তু য়েল্লুনা সুনন্দাদা হাইখকই— ॥৪৫॥

নীপাংশুরঃ প থিব এব যস্থা গুণৈর্বদিতা প্রস্থাবেব।
সিদ্ধাশ্রমং খ স্থমিতেৌ সং স্কর্ণসগিকেঃপুত্রমস্ মে ভিবে খ ॥৪৬॥

অসিগুমা মথুরাদী মিংথৌনা অমাগা নিয়মা যজ্ঞ তৌবা অমত্তুং থাগৎনা ভাই ওইরবা শাইগদ পোকপনি। মতুদি ঋষিশিংদী অতিংবা আশ্রমদ তৌব পুন্নক চেক্লম খাদোক্তুনা অমত্তা ওইনা ‘ন’মতৈ, মতৌ অহুঙায় জ্ঞাগলৈবদী মতৌ অমত্তুং চুংথোকমনা ন’থন্মতৈ য়েকমবদী গুণক্ক মথোইশিংদী মশা-মশাদা লৈরক ॥৪৬।

যস্যাংসম্পদে নয়ন বিরামা কান্তিহিমাংশোরিব সংশ্লিষ্টা।
হস্যা প্রস কুটজুনাকুরেষু মেকোৎরিযন্তা বিপুমলিরেবু ॥৪৭॥

থাদী থাবলদী মতৌঙুম মিংকী অমিবু অমদি মুংচাইবদু পীরিবা মহাক্কী মতুংদদি মশাদী ময়ুম্ব কৈ। তৌকুপতুং মুশিংকী মতৌঙুম খাংজমব্রবা মতুংমমা য়েক্কুশিংদী অহুঙুমা মিংথৌদী পনাইদ মমি ওইনা ভাই, মহাকা য়েকমরবদি মথোইগী মবুক পুন্নক থাংই ॥৪৭॥

যস্যাবরোধস্তনচন্দনানাং প্রক্ষালনাদ্বারিবিহারকালে।
কলিন্দকন্যা মথুরাংগতাপি গঙ্গোর্মিসংসক্তজলেব ভাতি ॥৪৮॥

ঔশিংদা শাগবা মতুমদ মহাক্কী রানীশিংদী থবাক মথক্কা তৈবা চন্দনা ঔশিংপা ভিন্নচুনা মতমচুদা যমুনাদ চেঁইমু, মতুগদী যমুনাদী মচুদো মতৌ অতুম তৌই মতুদি হে মীইঙুবা মথুরাদা লৈরিবা মথোইগী পনাদী ঔচেকদি অবৈবা ওইরে ॥৪৮॥

ত্রাস্তব ভ কর্যান্তকিন ক লিয়েন মনি বিস্ফুরদ্যমুনৌকসাযঃ।
বক্ষঃস্থলব্যাপি রুচং দধানঃ সকৌস্তুভং হ্রেপয়তীব কৃষ্ণম্ ॥৪৯॥

মশাদী ঙকশামদা মতমচুদা অসিঙুম মণি লি, মতৌ মথোইনা অহুঙুম ক লি হাইরম। মিন্নদী কন্ননি, মতুদা পরুড়বু কিননদী যমুনাদী

ঈশিংদা লৈথিবনি। মতম অমুদা মখোইগী কবনাহ কৌস্তুভ মণিগু শিবদা নিংথীজরবা শ্রীকৃষ্ণগী কবববুম ইকাইমনা পীবি ॥৪৯॥

সংভাব্য ভর্তারমমুং যুবানং মৃদুপ্রবালোত্তরপুষ্পশয্যে।
বৃন্দাবনে চৈত্ররথাদনূনে নির্বিশ্যতাং সুন্দরি যৌবনশ্রীঃ ॥৫০॥

হে নিংথীজরবী! নিংথৌ অসিগা লোইন্নবা নুহোংঙ্নঃ ইথেম্মনা কুবেরগী চৈত্ররথ কৌবা বন্দীশ্লু লেপ্পা কনারবা বৃন্দাবন্দা থোংনবা লৈবা অসংগং লৈশিংগী সয্যামতক্ত রাধনগী মতুংইন্না শান্নবীয়ু ॥৫০॥

অধ্যাস্য চাম্ভঃ পৃষতোক্ষিতানি শৈলেয়গন্ধীনি শিলাতলানি।
কলাপিনাং প্রাবৃষি পশ্য নৃত্যং কান্তাসু গোবর্ধনকন্দরাসু ॥৫১॥

নোংজুবাগী মতমদা গোবর্ধন চীংগী লোক্তগী ঈশিংনা চেম্বরকপদা চোংনবা শিলাতলদা মমম মমলবা ফুংগী ফুংপাক মথক্তা ফমলগা মাহোংশিংগী জগোই য়েংউ ॥৫১॥

নৃপং তমাবর্তমনোজ্ঞনাভিঃ সা ব্যত্যগাদন্যবধূর্ভবিত্রী।
মহীধরং মার্গবশাদুপেতং স্রোতোবহা সাগরগামিনীব ॥৫২॥

ঈশিংগী ঈরৈগুম্না লুবা থোইদৌ শাল্লবী অমম্থ অতোপ্পা কনাগুম্বগা লুহোংবা পামজবী ইন্দুমতীনা নিংথৌ সুসেণবু থাদে তুনা মতৌ অতুম্না মখ্যা চথংলি, মতুংদি সমুদ্রগী মাইথেংদা চেম্বিবা তুরেল্পা মরক থংপা চীংশিংবু থাদোক্তুনা চেনথিবগুম ॥৫২॥

অথাঙ্গদাশ্লিষ্টভুজং ভুজিষ্যা হেমাঙ্গদং নাম কলিঙ্গনাথম্।
আসেদুষী সাদিতশত্রুপক্ষং বালামবালেন্দুমুখী বভাষে ॥৫৩॥

মকমন্থগী মাংদা চৎথংলগা মনাই সুনন্দানা মপুং ফাদবা থাগুম্না মাইথেং ফজরবী ইন্দুমতীবু অঙ্গুগুম কলিঙ্গ নিংথৌ হেমাঙ্গদগী মথাক্তা পুশিন্না, মহাক্না মশাগী শাম্বোমদা মখুৎ কনবগী মরেক (খুদম) রেকপা ফুরিৎ লিংলগী অমসুং মহাক্না য়েক্নবা পুম্নমকপু মাংহল্লগী। মহাকপু য়েংহন্দুনা সুনন্দানা হাইরকই— ॥৫৩॥

অসৌ মহেন্দ্রাদ্রিসমানসারঃ পতির্মহেন্দ্রস্য মহোদধেশ্চ।
যস্য ক্ষরৎসৈন্যগজচ্ছলেন যাত্রাসু যাতীব পুরো মহেন্দ্রঃ ॥৫৪॥

বিংবৌজি মহেন্দ্র চীংগা মায়না মপাজন দৈ অমম্বুং মহেন্দ্র চীং অমমি সমুদ্র অমিমতুম। মাঙ্গীগু অতকপা মগুণ দৈ। মতম অহুদা বিংবৌ অসিবা লাম ভৌবা ওৎলি, মতম অহুদ মহাক্কী মমাংদা চৎলিব মম্মাই কাববা শামুনা মতৌ অতুম ভৌবগী, হে মীওইবা শামুশিংগী মওং লৌম্বা মহেন্দ্র-চীং মশামক্কা চাংগতুম ॥৫৪॥

জ্যাঘাতরেখে সুভুজো ভুজাভ্যাং বিভর্তি যশ্চাপভৃতাং পুরোগঃ
রিপুশ্রিয়াং সাঞ্জনবাষ্পসেকে বন্দীকৃতানামিব পদ্ধতী দ্বে ॥৫৫
যমাত্মনঃ সদ্মনি সংনিকৃষ্টো মন্দ্রধ্বনিত্যাজিতযামতূর্যঃ।
প্রাসাদবাতায়নদৃশ্যবীচিঃ প্রবোধয়ত্যর্ণব এব সুপ্তম্ ॥৫৬॥

মেংউ, কয়াদা কজখ্রবা শাম্বোমমো। লীক পাকৈমশিংগী মমুংদা মহৌম্বগী খোইদোকপ কমাম্ব দৈতে। মহাক্কী মপাম্বোম মথক্ত শসি-গুমা মুশিন-মুশিনমুমা মযেক অমিথক্ লীকংগী মীখি চিংবগী মখি লৈবী, মসে মতৌ অতুম্না কাইজ মহুদি হে মীওইবা মসে মেক্কমশিংদগী অহুতুমবী মাজা শম্বীবা লাকৃনবগী লম্বী অমিনি, মতু মহাকনা মেকনমশিংদগী মুশিন অমম্বুং মথোইগী কাজলগা লোইনমবী মুশীগী মশিংতগী চম্মকপ অমুম শিনা মমম ওইহনা অমুগা শইম্বিমনি মহাক্কী রাজভবনগী মথা মংমদা সমুদ্রদগী ঈশিংনি মহুগী ঈথকপু রাজভবনগী খোংমওশিংদা লেংবা উবা ফংই ॥ মতম অহুদ মহাক্কা শাক্কী রাজমহল অহুদা তুম্মী, মতমহুদা সমুদ্র অহুনা দম্বুড় যন্ত্রগী মথে নতুমম্ব অক্তবা মশাগী খোম্মোক্কা অমুক্কী মতমদা মহাকপু গৌদোকই ॥৫৫॥৫৬॥

অনেন সার্ধং বিহরাম্বুরাশেস্তীরেষু তালীবনমর্মরেষু।
দ্বীপান্তরানীতলবঙ্গপুষ্পৈরপাকৃতস্বেদলবা মরুদ্ভিঃ ॥৫৭॥

ইবেম্মগী থম্নে মন পাম্মবাদি মাগ শাইলবা লুহো নগ; সমুদ্রগী অহুতুবা মপান্দা তুংতাইমু, মকম অহুদ অশিং-তুংথিল অনিমক্তা এবগী অমদি ঈথক্কী মথে মকাহাল্ল। মকম অহুদা ইবেম্মনা হমাং শোমকবি, মতম অহুদা লবঙ্গ দৈগী তুংশিবা মনমগা অমম্বুং অত্তোম্বা ঈথক্তগী মাকপা অহৈংবা তুংশিংনা ইবেম্মগী হমাং অহু দৈতেশোক্কগনি ॥৫৭॥

প্রলোভিতাপ্যাকৃতিলোভনীয়া বিদর্ভরাজাবরজা তয়ৈবম্।
তস্মাদপাবর্তত দূরকৃষ্টা নীত্যেব লক্ষ্মীঃ প্রতিকূলদৈবাত্ ॥৫৮॥

মহাক্কী মথাঙ্গকুপী সুনন্দাগী মতীক চাববা মাহৈশিংদু তাহনবু থিজর্ত নিংথৌগী মচনকুপী শিংথীজরবী ইন্দুমতীবা নিংথৌদুবু থাকে'তুনা মতৌ-থত্না থাংনা চংখংলি, মদুদি লিপাকে'কপা মথৌদগী কংবা মখন-মথুমা লাইবক্তা তম্বদগী থৈথোকতুনা চংথিরগুম ॥৫৮॥

অথোরগাখ্যস্য পুরস্য নাথং দৌবারিকী দেবসরূপমেত্য।
ইতশ্চকোরাক্ষি বিলোকয়েতি পূর্বানুশিষ্টাং নিজগাদ ভোজ্যাম্ ॥৫৯॥

অদুগী তুংদা সুনন্দান' লাইথুম্না পুক্লিং হুনা কজরবা নাগপুরগী নিংথৌগী থাক্ত' পুশিন্দুনা হাইরকই— হে মাহোংগী মিংতা মাবগী। অশোমদা য়েংউ— ॥৫৯॥

পাণ্ড্যোঽয়মংসার্পিতলম্বহারঃ কৢপ্তাঙ্গরাগো হরিচন্দনেন।
আভাতি বালাতপরক্তসানুঃ সনির্ঝরোদ্গার ইবাদ্রিরাজঃ ॥৬০॥

মসি পাণ্ড্য দেশগী নিংথৌনি। মহাক্কী মতক্তা লিক কয়ানা থোরি অমম্থং মথাদা হরিচন্দনগা তৈহনা লৈতেংই। অসিগুম্বা ফিজেৎ অসিনা মহাক্কা হিমালয়গী মতোলগুম কয়না উই, মদু'দ থো' ও'মককপগী লৈচিনা অতাংবা ওইগ্রবা অহূপা মতুগী মথক্তা ঈশংগী অয়াম্বা ঈচেকনা চেহুমকপগুম ॥৬০॥

বিন্ধ্যস্য সংস্তম্ভয়িতা মহাদ্রের্নিঃশেষপীতোজ্ঝিতসিন্ধুরাজঃ।
প্রীত্যাশ্বমেধাবভৃথার্দ্রমূর্তেঃ সৌস্নাতিকো যস্য ভবত্যগস্ত্যঃ ॥৬১,

অশ্বমেধ যজ্ঞ তৌরগা মতম অহুপা মহাক্কা স্নান তৌই, মতম অহুদা অওকপা মগুণ লৈরবা অহুগুবা মহবি অগস্ত্যনা নিংথৌগী শাটেপ-নাটেপ্‌বু চাওখংপা অমদি মমেং তাবগী হংবা লাক্লগী, মহাকনা বিন্ধ্যাচলবু থাং-লোমদা হেন্নকপদগী থিংলগী অমস্থং সমুদ্র পুম্নমকপু থক্লগা অমুকহন্না পুথোকই ॥৬১॥

অস্ত্রং হরাদাপ্তবতা দুরাপং যেনেন্দ্রলোকাবজয়ায় দৃপ্তঃ।
পুরা জনস্থানবিমর্দশঙ্কী সংধায় লঙ্কাধিপতিঃ প্রতস্থে ॥৬২॥

অওকপা কংবা মপাজল লৈরবা রাবণনা মতম অমদা ইন্দ্রবু জয়

তৌকনবা চংদি, মতম অদুদা মহাকনা মসিগী কিবকী যাবগদা থোইবনা সঙ্গি তৌরবী মহুদি করিগুম্বদা ওইগ্রিত্রিবা অসিগুম। ঐগী খেগব্রু মামা মাং—তাকপা পীরবদি। মরমদি মচাকনা শিবজীদগী মায়া মগুণ লৈরবা খুংলায় ক'গ্রে ॥৬২॥

অনেন পাণৌ বিধিবদ্‌গৃহীতে মহাকুলীনেন মহীব গুর্বী।
রত্নানুবিদ্ধার্ণবমেখলায়া দিশঃ সপত্নীভব দক্ষিণস্যাঃ ॥৬৩॥

নিংথৌ অসি মায়া চাওরবা শাগৈ-জাত্তা পোকপনি অমসু ইবেম্মনু পৃথীবীগুম্না মতীক-মগুণ লৈরবীনি। মসিগ থোইবনা নিংথৌগী মতুংইন্না লুহোংলুনা ইবেম্মনা মনি-লুপা মণিদনা থল্লবা অদুগুম্না মথাখংব, দেশগী পৃথিবীগী থোইববী ওইবীয়ু, মহাক্কী কিজেত্তি মণি-মুক্তাদনা থল্লবা সমুদ্রনি ॥৬৩॥

তাম্বূলবল্লীপরিণদ্ধপূগাস্বেলালতালিঙ্গিতচন্দনাসু।
তমালপত্রাস্তরণাসু রন্তুং প্রসীদ শশ্বন্মলয়স্থলীষু ॥৬৪॥

মতম অদুদা মলয় চিংগী অদুগুম্বা ঘাটশিংদা মতম পুম্বক্তা নুংশাইবা শাম্বা পাম্বদ, মফম পাম্বাম্বাগী উবীন কুপশিন্নবা খুপ রংগী পাবী হোই, ইলায়চীগী মরিমা লোনশিন্নব চন্দনশিংগী উবা কডরী অমসুং মফম পুম্বক্তা তমালগী মনাশিংনা শন্দে কই মসিদা ইবেম্মবা মাপা থোইবন লুহোংউ ॥৬৪॥

ইন্দীবরশ্যামতনুর্নৃপোঽসৌ ত্বং রোচনাগৌরশরীরযষ্টিঃ।
অন্যোন্যশোভাপরিবৃদ্ধয়ে বাং যোগস্তডিত্তোয়দয়োরিবাস্তু ॥৬৫॥

অদুগা মতু অসিনা নিংথৌ অসি অশংব থম্বালগী মতৌগুম্না মুইবনন কম্ববী লৈগ ইবেম্মন গোরচনগ মমন থোই মতম অদুনা মতম অসিদা অবুংতে-উবম্বা অ ববা লুহোংবদি মতৌ অগুম ফজগনি, মহুদি খোং মরক্তা থোথা ন উবরগুম নিপীবগন ॥৬৫॥

স্বসুর্বিদর্ভাধিপতেস্তদীয়ো লেভেঽন্তরং চেতসি নোপদেশঃ
দিবাকরাদর্শনবদ্ধকোশে নক্ষত্রনাথাংশুরিবারবিন্দে ॥৬৬॥

থোইগুম্বসুং সুনন্দা না হায়রিবা অদু ইন্দুমতীগী থম্মোয়দা মতৌ অগুম্বা খেন্না ওংদে, মতম সুমিংলা হেক তাথবদা উমাশিংবুব থম্বালগী লৈবীক্তা থাবলগী মতম চংবা গুমদবগুম ॥৬৬॥

সঞ্চারিণী দীপশিখেব রাত্রৌ যং যং ব্যতীয়ায় পতিংবরা সা।
নরেন্দ্রমার্গাট্ট ইব প্রপেদে বিবর্ণভাবং স স ভূমিপালঃ ॥৬৭॥

অহিংদা মীওইবশিংবা মতম অহুদা থাওবৈ পুহনবা চংলি। মতম অহুদা নিংথৌশিং লপীদা অহুম-অহুমগুম্বা ফজবা যুমবা ফুংদা লৈহৌই, মখোই অহু অমম্বা তাহৌ। মতৌ অহুম্বা অহুম-অহুম্বা নিংথৌশিংবু থাদোক্লমদা ইন্দুমতীনা মাদা লেনখংলি মহাক্কী মখাই অহু তৌকদা থংলমদে ॥৬৭॥

তস্যাং রঘোঃ সূনুরুপস্থিতায়াং বৃণীত মাং নেতি সমাকুলোঽভূত্।
বামেতরঃ সংশয়মস্য বাহুঃ কেয়ূরবন্ধোচ্ছ্বসিতৈর্নুনোদ ॥৬৮॥

মথং মখাও শক্তনা মতম অহুদা মগাক্কা রঘুগী মচা অজগী মাংদা লাকপ, মতম অহুদা অজগী থম্মোয়বদু চিংনবা পোক্লম্মী মহুদি কয়াদা ঐতোম্বগী লেন্নোকখিগনি লেন্নোকওইগনি হায়না। তৌইদবহুং মতম অহুদা পাংথোম মরক্কী মশাক্তা মহাক্কী য়েৎথংবা পাম্বোম অহু চোদ্দবী, মহুৎশী মহাক্কী চিংনবদু কোকখি ॥৬৮॥

তং প্রাপ্য সর্বাবয়বানবদ্যং ব্যাবর্ততান্যোপগমাৎ কুমারী।
ন হি প্রফুল্লং সহকারমেত্য বৃক্ষান্তরং কাঙ্ক্ষতি ষট্পদালী ॥৬৯॥

ইন্দুমতীনা মকম পুম্নমক্কা নিংথীজরবা নিংথৌ অজবু মতম অহুদা, য়েংই, মতম অহুদা মহাক্কা মকম অহুদা লুকথরম্মী। মতুংদা কনাগুম্বা নিংথৌগী মাংদা চত্থরাংখিদে। মরমদি মতম অহুদা থোইশিংগী মপেৎনা ঐবৌ পাম্বীগী মথক্তা থুংলবা, মতম অহুদা মথোংনা অতোপ্পা পাম্বীগী নাকা চৎনিংবগী বাথং লৈতে ॥৬৯॥

তস্মিন্ সমাবেশিতচিত্তবৃত্তিমিন্দুপ্রভামিন্দুমতীমবেক্ষ্য।
প্রচক্রমে বক্তুমনুক্রমজ্ঞা সবিস্তরং বাক্যমিদং সুনন্দা ॥৭০॥

বাহৈ মাঙাদা থোইদোক্না হৈ শিংনবী সুনন্দানা মতম অহুদা উবম্বী মহুদি থাজবা মাইথোং কন্থরবী ইন্দুমতীনা অজগী মশক্ ফজবা অহুদা শংথবে হায়না, মতম অহুদা মহাক্না ঙাম্বা শন্নোকপগী তোইদনা বাহৈ তাকা শেমজবা হায়রকই— ॥৭০॥

ইক্ষ্বাকুবংশ্যঃ ককুদং নৃপাণাং ককুৎস্থ ইত্যাহিতলক্ষণোঽভূৎ।
কাকুৎস্থশব্দং যত উন্নতেচ্ছাঃ শ্লাঘ্যং দধত্যুত্তরকোশলেন্দ্রাঃ ॥৭১॥

য়েংবীদু ইক্ষ্বাকুবংশকী নিংথৌ পুরঞ্জয়নী অযোধ্যা অমদি ককথা মওং পুরঞ্জয়না তিন্নবা ককুৎস্থ কৌবা নিংথৌ পাখত্রে। মহাক্কী মচানা মাপী ভুংছা লাকইবা অয়াংবদা কোশলগী নিংথৌ পুরঞ্জয় মশাবু কাকুৎস্থ কৌই ॥৭১॥

মহেন্দ্রমাস্থায় মহোক্ষরূপং যঃ সংযতি প্রাপ্তপিনাকিলীলঃ।
চকার বাণৈরসুরাঙ্গনানাং গণ্ডস্থলীঃ প্রোষিতপত্রলেখাঃ ॥৭২॥

অহুণ্ডবা নিংথৌ কাকুৎস্থনা খাবকপদা মতম অমুক হৌংচখিনিংবু হাংখম্মী, মতম অমুদা মহাক্না বল মথক্তা তোংদুনা শিব মহাদেবগুম্না নিংথৌরম্মী। মতম অমুদা ইন্দ্র মশামক্না মহাক্কী বল ওইরম্মী অমসুং অহুণ্ডবা লানকপদা মহাক্না হৌংচাবা কয়াবু হাংখম্মী, মখোয়গী মুপীশিংনা মপুরোইবশিংগা কাইদনা মথম্না মখোয়গী মরাইবক্তা লেক্ খোংপ অমুদু থাদোকখম্মী ॥৭২॥

ঐরাবতাস্ফালনবিশ্লথং যঃ সংঘট্টয়ন্নঙ্গদমঙ্গদেন।

উপেয়ুষঃ স্বামপি মূর্তিমগ্র্যামর্ধাসনং গোত্রভিদোঽধিতষ্ঠৌ ॥৭৩॥

মাব অহুনা লোইরবদা ইন্দ্র মশামক্না ঐরাবত মথক্তা তোংদুনা খর্ষদা চংলি, মতম অমুদা মাগী লোইরবা ককুৎস্থন তোংখম্মী। মতম অমুদা অহুণ্ডবা ইন্দ্রগী মশাক মতৌ অতৌনা চোকথরম্মী মতুংদি ইরাবতপু হয়া-হয় ইথিং তৌদুনা খৌরদা ইন্দ্রগী পাক্কোম চোকথরম্মী, ইন্দ্রনা ককুৎস্থগী পাক্কোমদা ইতং তত্তনা চা খেংদুনা চংলম্মী ॥৭৩॥

জাতঃ কুলে তস্য কিলোরুকীর্তিঃ কুলপ্রদীপো নৃপতির্দিলীপঃ।

অতিষ্ঠদেকোনশতক্রতুত্বে শক্রাভ্যসূয়াবিনিবৃত্তয়ে যঃ ॥৭৪॥

অহুণ্ডবা মপ কুল লৈরবা ককুৎস্থকী শাংগোন্দ মিংচং লৈরবা নিংথৌ দিলীপ পোকই। মহুদা মহাক্না মকুতরাপমাপক্কক হয়া যজ্ঞ তৌরগা মসিগী মতক ভূমিনা লেপথি মতুংদি কবিগুম্না যজ্ঞ চংদা মপু কাবা তৌরগা ইন্দ্রগী অয়াবা ওইদনবা ॥৭৪॥

যস্মিন্মহীং শাসতি বাণিনীনাং নিদ্রাং বিহারার্ধপথে গতানাম্।
বাতোঽপি নাস্রংসয়দংশুকানি কো লম্বয়েদাহরণায় হস্তম্ ॥৭৫॥

মিংথৌ দিদীপ্তা মতৌ অতয়া অকনা মঙাংবা মহাক্কী লৈবাক্কী ববক পুম্নমক তৌবগী অমসুং মহাক্কী মঙগদি মত্তমতৌবগী মহুদি মতীক্ ময়াই থকুনা বনশিংদা চুমহুনা লৈরবী চুপীশিংগী মকিবু মুংশিংমন্ন শোকপা ঙমলমদে, মচুংদা মহুবু লৌবোক্লবগী পাজ'নবু কনাগী মতীক লৈগনি ॥৭৫॥

পুত্রো রঘুস্তস্য পদং প্রশাস্তি মহাক্রতোর্বিশ্বজিতঃ প্রয়োক্তা।
চতুর্দিগাবর্জিতসংভৃতাং যো মৃতপাত্রশেষামকরোদ্বিভূতিম্ ॥৭৬॥

মহুগী চুংদা মহাক্কী মচা রঘুনা পাল্লে। মহাক্না দেশ পুম্নমকপু অয় তৌহনা ঙমখে লৈতনা লন-থম থোর্মাজল্লি অমসুং বিশ্বজিত যজ্ঞদা মহাক্কী লন পুম্নমক শিজরৈ। মহুদগী মহাকনা মতৌ অদুগা লাইরবা ওইথি মহুদি ওগী লৈবাক্কী পাত্র এজনা মহাক্কী মপুক্তা লেমহৌদে।
॥৭৬॥

আরূঢমদ্রীনুদধীন্বিতীর্ণং ভুজঙ্গমানাং বসতিং প্রবিষ্টম্।
ঊর্ধ্বং গতং যস্য ন চানুবন্ধি যশঃ পরিচ্ছেত্তুমিয়ত্তয়ালম্ ॥৭৭॥

মিংথৌ'সগী মিংচংনা কদাইকাওবা শঙ্গোকই, মতুগী শিংথাক্লবা ঙমদে। চীং পুম্নমক সমুদ্র থাংবা, পাতাল, নাগশিংগী লৈবাক্তা, আকাশ-তা, মাইকৈ পুম্নমক, অমসুং ওইগ্রবা, ওইরকদৌরিবা অমদি ওইরীবা মতম অহুম অসিদা মকম পুম্নমক্তা মহাক্কী মিংচং শঙ্গোকই ॥৭৭॥

অসৌ কুমারস্তমজোঽনুজাতস্ত্রিবিষ্টপস্যেব পতিং জয়ন্তঃ।
গুর্বীং ধুরং যো ভুবনস্য পিত্রা ধুর্যেণ দম্যঃ সদৃশং বিভর্তি ॥৭৮॥

মহুদি মাইকৈগী মিংথৌ ইন্দ্রগী থোইদোক্ল, পাজন লৈরবা মচা জয়ন্ত লৈরম্মী, অহুওয়া অসিওয়া যুবরাজ অজগী অহুওবা পাজরবা রঘুগী মচানি অদুগা মহ কী মপাজল-মথোনা লৈরবা মপাওয়া মহাকন্না লৈবাক্কী ববক পুম্নমক পুরে ॥৭০॥

কুলেন কান্ত্যা বয়সা নবেন গুণৈশ্চ তৈস্তৈর্বিনয়প্রধানৈঃ।
ত্বমাত্মনস্তুল্যমমুং বৃণীষ্ব রত্নং সমাগচ্ছতু কাঞ্চনেন ॥৭৯॥

মহাক্কী শাগৈ, মহাক্কী মশক, মহাক্কী মথোক কায়কপা অমসুং

মহাক্কী লোহুক্লা অশ পূরকক অসিদা ইবেমমা মিংথৌনা মাথে। ইবেমমা মাপা লোইদবা পূহোংউ। মহুক্কা মণি অমম্বুং মাবু থিংথী-থিংথীনা লোনককনবা ওকখনি ॥৭৯॥

ততঃ সুনন্দাবচনাবসানে লজ্জাং তনূকৃত্য নরেন্দ্রকন্যা।
দৃষ্ট্যা প্রসাদামলয়া কুমারং প্রত্যগ্রহীত্সংবরণস্রজেব ॥৮০॥

মতো অওয়া মতম অদুদা সুনন্দানা হাইথি, অদুদ ইন্দুমতীনা চিংনবগা লোইননা মথলনা মশাগী খোককেং তোবগা লোইননা মমিং অহু অমমা য়েংই অমম্বুং মমিং মমিং অদুদা মহাক্কী বর ওইখ্রে। মহুদি অওয়া থিংনেংবা মমমম অদুগী মাংলা ওইরম্মী ॥৮০॥

সা যূনি তস্মিন্নভিলাষবন্ধং শশাক শালীনতয়া ন বক্তুম্।
রোমাঞ্চলক্ষ্যেণ স গাত্রযষ্টিং ভিত্ত্বা নিরক্রামদরালকেশ্যাঃ ॥৮১॥

ইকায়বগী চৈবা কংলবী ইন্দুমতীনা মশাগী থুংশিন বাহৈবা অমদা হাইজবা ওমদে, তৌইগুমমুং অদুগুম্বা থুংশিনগী মরম্না থংহৌদনা মতু চুংই। মহুমগী শিংগ্রেংনা কপ্পবা চৈথা কয়াপা লোইননা থিংথীরবা শম্বু কুপশিন্নিবী ইন্দুমতীগী থম্মোয়গী থুংশিনবা অহু লোংপা ওমজে। মহুদি অদুগুম্বা অরেম অমাবা অমগী মশক ওইনা থুংশিনবা অদুনা হকচাং মহুংগী মপালদা কাওরকপগুম্বা ॥৮১॥

তথাগতায়াং পরিহাসপূর্বং সখ্যাং সখী বেত্রভৃদাবভাষে।
আর্যে ব্রজামোঽন্যত ইত্যথৈনাং বধূরসূয়াকুটিলং দদর্শ ॥৮২॥

মতম অদুদা সুনন্দানা ইন্দুমতীগী অদুগুম্বা অমাবগু উরগা শংনবগুম্বা মথাক্না হাইরকই— আর্যে। লেংলসি, মাংখেমমদা লেংথোরে। মতম অদুদা মিং অহু মুম্না ইন্দুমতীনা সুনন্দাগী মাইথেগদা য়েংই ॥৮২॥

সা চূর্ণগৌরং রঘুনন্দনস্য ধাত্রীকরাভ্যাং করভোপমোরুঃ।
আসঞ্জয়ামাস যথাপ্রদেশং কণ্ঠে গুণং মূর্তমিবানুরাগম্ ॥৮৩॥

অদুগী তুংদা শামুগী নাতোনবু ওমজবা কৈবেম ফবী ইন্দুমতীনা অদুগুম্বা সুনন্দাগী মথুত্তগী মমম্বগী মালাদু রঘুগী মচা অজগী চক-শমদা হকয়ম্মী। মতম অদুদা মালগী পরেংদো মক্কনবা অশেংবা মচুগী অনুরাগগী (প্রেমগী) মশক ওইনা উবম্মী ॥৮৩॥

তথা শ্রুতা মদনপুষ্টবধ্বা বিশালবক্ষঃ স্তনবধ্বা সঃ।
অমংস্ত কণ্ঠার্পিতবাহুপাশাং বিদর্ভরাজাবরজাং বরেণ্যঃ ॥৮৪॥

অজগী চেকশমদা মতম অহুদা মঙ্গলগী মশক ওইরবা লৈপী মাল। অহুবা কচবগী অমম্‌হং মহাক্কী শাক্লবা থবাক্তা হাই-জ্জমগী, মতম অহুদা মাথাবু উবগা অজন। মসি থক্লগী মহুদি হে মীওইবা ইন্দুমতীবা ঐগী চেকশমদা মহাক্কী শাখোয়া কোক্লখবগী থাহিবা ॥৮৩।

শশিনমুপগতেয়ং কৌমুদী মেঘমুক্তং
জলনিধিমনুরূপং জহ্নুকন্যাবতীর্ণা।
ইতি সমগুণযোগপ্রীতয়স্তত্র পৌরাঃ
শ্রবণকটু নৃপাণামেকবাক্যং বিবব্রুঃ ॥৮৫॥

মকম অহুগী মী-পুরমকনা মতম অহুদা উবগী মহুদি চপ মান্নবা গুণ লৈরবা অজ অমম্‌হং ইন্দুমতীগী মরী লৈনরে, মতম অহুদা মী পুরমক্না অমুক্তা ওইবা থাকিরকই। মথোইদা হাইরকই মহুদি থাবজ্জদা অমদি থাদা ভিজবগী অমমা শজাবা শমুক্তদা চেবশিন্দুনা ভিনকনি। মথোইশিং অহুগী অহুগুবা থাশিংহু তাব-তাবগা অতোপ্পা নিংথৌশিংগী থথোয় থথোয়দা তরথীবা ওইরগী ॥৮৫॥

প্রমুদিতবরপক্ষমেকতস্তৎ ক্ষিতিপতিমণ্ডলমন্যতো বিতানম্।
উষসি সর ইব প্রফুল্লপদ্মং কুমুদবনপ্রতিপন্ননিদ্রমাসীৎ ॥৮৬॥

অহুগুবা স্বয়ম্বরগী মাগুব অহুদা মাইকৈ অমরোমদা অজগী মিচং ওইবা মীবা শাক্নুবা লেপ্লগী অমম্‌হং অমরোমদবা তৌকম থংজ্রবা মাইথোং ওইবা নিংথৌবা লৈরগী। মতম অহুদা অহুগুবা মাগুব অহুমোং-তাম্নকপগী অহুগুব। পুম্নীগা মান্নবা উত্রে, মহুদা মাইকৈ অমদা শাংকাই-রবা থবাদবা কজবা অহুপা অতোপ্পা মাইকৈ অমদদা উৎশিনগ্রবা থরোগী মপৈনা যুংহুনা লৈবগুম ॥৮৬॥

ইতি শ্রীমহাকবি কালিদাসকৃতৌ রঘুবংশ মহাকাব্য
মতাং অগিদা স্বয়ম্বরবর্ণ কৌবা তরুকুবা থোইরে ॥৬॥

সপ্তমঃ সর্গঃ

অরেৎপবা শরুক

(অজবা মযুম ওইহন্না ইন্দুমতী লুহোংবা)

অথোপযন্ত্রা সদৃশেন যুক্তাং স্কন্দেন সাক্ষাদিব দেবসেনাম ।
স্বসারমাদায় বিদর্ভনাথঃ পুরপ্রবেশাভিমুখে বভূব ॥১॥

মবুমবগী লুংদা মতীক চাবনা বর কংলবী মহাক্কী মচন নুপী ইন্দুমতীবু পুম্বা বিদর্ভ নিংথৌবা শজাইবোমদা চংলি। মতম অদুদা মহাক্কী নুপী ইন্দুমতীগা লোইননা চংলিবা অজবু মতৌ অদুনা উবদী, মহুদি লাইগী মাচাগা লোইননবা থাংজেংবা কার্তিক্ক চংলগুম ॥১॥

সেনানিবেশান্ পৃথিবীক্ষিতোঽপি জগ্মুর্বিভাতগ্রহমন্দভাসঃ ।
ভোজ্যাং প্রতি ব্যর্থমনো রথত্বাদ্ রূপেষু বেষেষু চ সাভ্যসূয়াঃ ॥২॥

অতোপ্পা নিংথৌশিংস্ত লোওইনকপগী থৌরাংমিচাকুম মহাক-মহাক্কী মাইথীবনা মমাই অদু পুম্বা মশা মশাগী থাক্কদা চংলম্লে। মথোই পুন্নমক্না হাইরম্মী মহুদি থৌজক ইন্দুমতীস্ত কংগ্রে, মতম অসিদা ঐথোইগী অসিগুম্বা ইশক অমত্তং অসিগুম্বা থিজেং অসি অয়েংবনি ॥২॥

সাংনিধ্যযোগাত্‌কিল তত্র শচ্যাঃ স্বয়ং বরক্ষোভকৃতামভাবঃ ।
কাকুৎস্থমুদ্দিশ্য সমত্সরোঽপি শশাম তেন ক্ষিতিপাললোকং ॥৩॥

অহংবা স্বয়ম্বরদা থাজেংবা ইন্দ্রাণীনা থংলবদা, মকম অদুগী কন্নাগুম্বা নিংথৌগী শাকনথোক্ক্রমদে মহুদি থৎনা-চৈথক্নবা। মতৌ অদুম তোহ্না মাইথীবনা নিংথৌশংবা অজদা মগুন-মগুন থাদবী, তোইংগুমত্তং ইন্দ্রাণীগুম কংজবগী অজগীদু অশাওবহু অইংবা ওইখি ॥৩॥

তাবৎপ্রকীর্ণাভিনবোপচারমিন্দ্রায়ুধদ্যোতিততোরণ ঙ্কম্ ।
বরং স বধ্বা সহ রাজমার্গং প্রাপ ধ্বজচ্ছায়নিবারিতোষ্ণ ॥৪॥

অজনা মহাক্কী নুপীগ লোইননা মতম অদুদা পুংগী ময়াইদ নিংথৌগী সড়ক্কা চংলম্মী। মকম পুন্নমক্কা অজগী মথক্কা কজবনা

অবোৎবা নৈথিংবা থোংচুবওয়া চাইথকুনা চংলগী অমম্মং ইক্ত্রগী মীকুংওয়া মচু-মচুগী নৈ কয়াবা থোজাল্দা অকগী মমলগীদমক শেন পারম্মী। থুলং-শিংদা কিবাল কয়াবা কজরম্মী মহুদি কিবালশিং অহুনা মুংশা কাওবা থবখি ॥৪॥

ততস্তদালোকনতৎপরাণাং সৌধেষু চামীকরজালবৎসু।
বভূবুরিত্থং পুরসুন্দরীণাং ত্যক্তান্যকার্যাণি বিচেষ্টিতানি ॥৫॥

মহুবু থেংননবগীদমক থুলংগী কজরবা মুগী পুরমক্রা মথোইগী থবক ইনথাং পুরমক থাদোক্তুনা মথোইগী মযুম মযুমগী থোংনাওশিংগী মাইথৈদা চেক্তোকনৈ ॥৫॥

আলোকমার্গং সহসা ব্রজন্ত্যা কয়াচিদুদ্বেষ্টনবান্তমাল্যঃ।
বদ্ধুং ন সম্ভাবিত এব তাবৎকরেণরুদ্ধোঽপিচকেশপাশঃ ॥৬॥

মথোইশিংগী মরক্তগী কজরবা অমনা মথোইবু থেংনবগীদমক মতম অহুদা থোংনাওগী মাইথৈদা চংশিল্লি, মতম অহুদা শমুল অহু মাম্মোক্কম্মী। তৌইশমম্মং অহুগুম হাথু-হাথুবা অহুদা মহাক্কা মশমহু শেনজিনবা ওমদে অমম্মং শম অহু খুংনা পায়হুনা থোংনাওদা থুংম্মী। মশমহুবা থোকমকপা অহুদগী থেংলগা নৈথিংবা অতৎপা নৈতবা ভাবকম্মী ॥৬॥

প্রসাধিকালম্বিতমগ্রপাদমাক্ষিপ্য কাচিদ্দ্রবরাগমেব।
উৎসৃষ্টলীলাগতিরাগবাক্ষাদলক্তকাঙ্কাং পদবীং ততান ॥৭॥

অতোপ্পী মুগী অমন থাগগা লে ইনবা কিজেং নৈতেংহুনা মনাম মুগীশিংবা মথোংদা মচু কয়াবা নৈতেং শেমম্মী। মহাক্কা মথোং অহু হেক চিংথোকহুনা অচোংপা মথোং অহুনা থোংবাও য়োরকই। মহুদগী থোংবাও শোবা কাওবা মহাকী ভাংলি-ভাংলিবা থে কুমগী মমিনা পবেং শাবা ভাবম্মী ॥৭॥

বিলোচনং দক্ষিণমঞ্জনেন সংভাব্য তদ্বঞ্চিতবামনেত্রা।
তথৈব বাতায়নসংনিকর্ষং যযৌ শলাকামপরা বহন্তী ॥৮॥

মচুমাগী অহনবী নুপী অমদা মখিৎতা কাজল থারম্মী। মহাক্না মেৎথংবা মখিত্তু কাজল থারবা, তেঙ্গৈওবদুং চৈংথবা মমিত্তি থাদনা মচৈদু মথুক্তা পায়দুনা পোংবাওনী মাইথৌপেদা চেনশিল্লি ॥৮॥

জালান্তরপ্রেষিতদৃষ্টিরন্যা প্রস্থানভিন্নাং নববন্ধ নীবীম্ ।
নাভিপ্রবিষ্টাভরণপ্রভেণ হস্তেন তস্থাববলম্ব্য বাসঃ ॥৯॥

অতোপ্পা অমনা থোংনাওদা মমিত্তু তথক তথক তৌদুনা লেপ্লম্মী। খুদক অহুদা নাগী মখুংগী ফি অদু ন ফুরম্মী, তৌইওমদুং মহুত্তু লেংথরা-ননী হোংবরমদে। মহাক্না মফিদু মথুংবা পাইশিন্দুনা মতৌ অগুম্না লেপ্লম্মী মহুদি মহাকী মথুংকী হৈনঙ্গী মরামগী ফজরবদো মহাকী খোইদো মপা য়েংবা ফজরম্মী ॥৯॥

অর্ধাঞ্চিতা সত্বরমুত্থিতায়াঃ পদেপদে দুর্নিমিতে গলন্তী ।
কস্যাশ্চিদাসীদ্রশনা তদানীমঙ্গুষ্ঠমূলার্পিতসূত্রশেষা ॥১০॥

নুপী অমনা কয়া-কয়া মণিগী জিক পরেং লেংশিন্নবা লংম্নু তারম্মী। মদো মহাকী মখোংগী খোংবী কারক্তা মচিন বান্না য়েংশিন্নম্মী। মতম অদুদা লংথং অদুগী মথাই চয়া মণি অদু লেংশিন্নম্মী মহুদি খুদক অহুদা হেক থৌগত্তুনা অদুবু য়েংথনবগীদমক থোংনাওগী মাইথৌপেদা চেনশিল্লি। মহুগী মতেন্না মসিনি মহুদি মহাক্না থুংলূ-থুংলূবগা লোইননা মণিশিংদু মাহোক-মাহেংদুনা চাইথাইরে অমসুং তমগী লংগু অহুদা মহাকী খোংবীদা পুন্দুনা লৈরৌরে ॥১০॥

তাসাং মুখৈরাসবগন্ধগর্ভৈর্ব্যাপ্তান্তরাঃ সান্দ্রকুতূহলানাম্ ।
বিলোলনেত্রভ্রমরৈর্গবাক্ষাঃ সহস্রপত্রাভরণা ইবাসন্ ॥১১॥

মখোং মনাইগী মমমগা লেংইননা খোইদোক্না মাইথোং অমমবী অমদুং থোংনাওশিংদা নিংতমনা তথক্-তথক্ লৈখিবী নুপীশিংনা মতৌ অমুম্না ফজরম্মী, মহুদি অহুম্বা খোংনাওদা থবান কয়াবা লংকাইনবগুম অমসুং মহুগী মথক্তা অয়াম্বা খোইমুনা তোংবগুম। মরমদি মখোইগী ফজরবা মাইথোংদা মমিংবা থবানগী মতৌগুম্না ফজরম্মী, মহুদি মিং নহাবা থম্মাবদা লোইদু তোংবগুম ॥১১॥

তাং রাঘবং দৃষ্টিভিরাপিবন্ত্যো নার্যো ন জগ্মুর্বিষয়ান্তরাণি।
তথা হি শেষেন্দ্রিয়বৃত্তিরাসাং সর্বাত্মনা চক্ষুরিব প্রবিষ্টা ॥১২॥

হুপী পুরুষক অহুবা মথিৎ কুপ্পবা মখোইশী মনিংবা অমসী মশক অহুবু মতৌ অপুম্বা থক্লম্মী মতুংদি মখোইশী রাধনা অতোপ্পা কনিওম্বা অমসী মাইটেংপা চংউদে। মতুংদি মখোইশী কৈরি পুরুষকী পান্দবু অমত্তা ওইনা মমিত্তা চিংশিল্লি ॥১২॥

স্থানে বৃতা ভূপতিভিঃ পরোক্ষৈঃ স্বয়ংবরং সাধুমমংস্ত ভোজ্যা।
পদ্মেব নারায়ণমন্যথাসৌ লভেত কান্তং কথমাত্মতুল্যম্ ॥১৩॥

স্বপী পুরুষক অহুবা মহৈ-মহৈ হাওনরম্মী মতুংদ মতৌ অমুম্বা নিংথৌ পুরুষক্না মশা-মশানা লাক্লগা ইন্দুমতীগী লুহোংববু খুমখল্লী, তৌইওবদুং রাজকুমারীনা মরমদ তৌরগা মশাগী লুহোংবা তৌখিবসি অথোইবনি হাইনা থক্লি অহুপা মসি অচুবম্ম অচুবনি। মতুংদি মরমদা লক্ষ্মীনা নারায়ণবু বর ওইরম্মী, মতৌ অমুগুম্বা ইন্দুমতীন অমবু থক্লি। মরমদ তৌদনা অসিগুম্বা মমবু কদাইদগী ফংবা ঙমগনি ॥১৩॥

পরস্পরেণ স্পৃহণীয়শোভং ন চেদিদং দ্বন্দ্বমযোজয়িষ্যৎ।
অস্মিন্ দ্বয়ে রূপবিধানযত্নঃ পত্যুঃ প্রজানাং বিতথোঽভবিষ্যৎ ॥১৪॥

ব্রহ্মানা মতম অসিদ মহৈ মহৈগী রূপমবু অৱেপ্পা ওইবৎশীদমক্ অসিগুম্বা কমবনা অনিসিবু থুংনহন্নবদি মহাক মখাক্কী কমমা শেম-শাবগী মরমদা মানা হোংনজাবনা পুরুষক অৱেম ওইগনি ॥১৪॥

রতিস্মরৌ নূনমিমাবভূতাং রাজ্ঞাং সহস্রেষু তথা হি বালা।
গতেয়মাত্মপ্রতিরূপমেব মনো হি জন্মান্তরসঙ্গতিজ্ঞম্ ॥১৫॥

মহাক অমুকী মপোক্তা মখোই অনিসি রতি অমসুং কামদেব শোইদনা ওইরমগনি। অচুবনি নিংথৌ লিশিং অসিগী মনুংদা ইন্দুমতীনা মাবু কাংজিবনি। মরমদি থম্মোয়না হৌখিবা মপোক্কী মরমদা মাল্লা নিংথীনা থাই ॥১৫॥

ইত্যুদ্গতাঃ পৌরবধূমুখেভ্যঃ শৃণ্বন্কথাঃ শ্রোত্রসুখাঃ কুমারঃ।
উদ্ভাসিতং মঙ্গলসংবিধাভিঃ সম্বন্ধিনঃ সদ্ম সমাসসাদ ॥১৬॥

পুনশী পাহুভী নুপীশিংগী মতিংদী অহুম অহুমতা থুংশিনা হাইবহু ভাবনা কুমায় অদনা মহাক্তী থবী ভোজনী অহুভনা কোয়ুংবা খুংদে 'মকন অহুবা মলদী মথক ওইবগা পোৎচৈ কয়াকমনা পেন শাহনা থেংনা থবগী ॥১৬॥

ততোঽবতীর্যাশু করেণুকায়াঃ স কামরূপেশ্বরদত্তহস্তঃ ।

বৈদর্ভনির্দিষ্টমথো বিবেশ নারীমনাংসীব চতুষ্কমন্তঃ ॥১৭॥

মকন অহুনা থুংলেপা মহাক্লা থুবা শামুদগী মুমথক্নে অমসুং কামরূপকী নিংথৌগী মখুত্তা এথুংনা পাইদুনা বিদর্ভ নিংথৌগী হাইজনবা মমুংগী খাম্পা মতৌ অওয়া কম্বী, মহাদি মহাক্লা মকন অহুগী নুপীশিংগী থম্মোইদা কষতুম ॥১৭॥

মহার্হসিংহাসনসংস্থিতোঽসৌ সরত্নমর্ঘ্যং মধুপর্কমিশ্রম্ ।

ভোজোপনীতং চ দুকূলযুগ্মং জগ্রাহ সার্ধং বনিতাকটাক্ষৈঃ ॥১৮॥

মকন অহুনা অজনা মাম্না কমবনা অমসুং মমল য়াম্মবা সিংহাসন মথক্তা চংদুনা কম্বী। মতম অহুগা ভোজনা মতোম্না রেশমগী ফি জুড়া অমগা খোইরনা শদোম অকম্বা থোকই অমসুং থীগা তিমবনা থোইদিগা খোইরবা পোৎলম মতাবা তিনবা পুজাগী পোৎনা ওকই। মহুবু অজনা মকন অহুগী নুপীশিংগী মুংজাইবা থম্মোইগী বন্দ খোইব-খোইবনা লৈবগনী ॥১৮॥

দুকূলবাসাঃ স বধূসমীপং নিন্যে বিনীতৈরবরোধরক্ষৈঃ ।

বেলাসকাশং স্ফুটফেনরাজির্নবৈরুদন্বানিব চন্দ্রপাদৈঃ ॥১৯॥

থাগী অবোব। থাবল অমদি সমুদ্রগী থংবনা কোজোংগী শরুক খোইরবরবা ইথকপু তেৎর্ব ন য়োবা পুশিল্লকই, মতৌ অহুত্তম কোয়ুংগী লোয়ুকপা মশামনা যুবরাজ অজবু ইন্দুমতীগী নাক য়োবা পুশিল্লি ॥১৯॥

তত্রার্চিতো ভোজপতেঃ পুরোধা হুত্বাগ্নিমাজ্যাদিভিরগ্নিকল্পঃ ।

তমেব চাধায় বিবাহসাক্ষ্যে বধূবরৌ সংগময়াংচকার ॥২০॥

মকন অহুবা থৈবী মতৌওয়া ওপ লৈমব; বিদর্ভ নিংথৌগী

পুরোহিতনা থীমছিবা লোংচং কল্লাবা হেক্ত তৌরবদী চুংদা অহুত্তবা মৈবু সাক্কী থম্বা বর অমস্থুং মো অনোবীগী মিকিসা-কিকিসা পুরে ॥২০॥

হস্তেন হস্তং পরিগৃহ্য বধ্বাঃ স রাজসূনুঃ সুতরাং চকাসে

অনন্তরাশোকলতাপ্রবালং প্রাপ্যেব চূতঃ প্রতিপল্লবেন ॥২১॥

মহুক্তি মৈনৌ পাম্বীবা মশাক্তি মনাশিংগা লোইমনা। অশোক পাম্বীগী অতাংবা মনাশিংগা লোইমনা তিন্নবদগী মিংবী:ভ, মতৌ অহুত্তবা মতম অহুদা অনবা মহাক্কী চুপী ইন্দুমতীগী মখুং অহু থম্বা তুমিন্না মৈ, মতম অহুদা মথোই অনিবা থোইদোক্না কৈভ ।২১॥

আসীদ্বরঃ কণ্টকিতপ্রকোষ্ঠঃ স্বিন্নাঙ্গুলিঃ সংববৃতে কুমারী ।

তস্মিন্দ্বয়ে তৎক্ষণমাত্মবৃত্তিঃ সমং বিভক্তেব মনোভবেন ॥২২॥

ইন্দুমতীগী মখুং অহু থম্বা অজগী মশা পুম্বক মতু চুংই অমস্থুং ইন্দুমতীগী মখুত্তগী হুমাং থোরকই । মতম অহুদা অওম্না কজরম্মী মহুক্তি হে মীওইবা কামদেবনা মহাক্কী প্রেমগী তুককো মথোই অনিমক্তা মারুনা য়েন্থোকপীরে হাইনা ॥২২॥

তয়োরপাঙ্গপ্রতিসারিতানি ক্রিয়াসমাপত্তিনিবর্তিতানি ।

হ্রীযন্ত্রণামানশিরে মনোজ্ঞামন্যোন্যলোলানি বিলোচনানি ॥২৩॥

মথোই অনিনা মিংচিনা অমনা অমবু য়েংনরম্মী অমস্থুং মিংবা হেক য়েংনবদা ইকায়বনা মমিং অহু মথাদা য়েংথনৈ । মথোই অনিগী ইকায়-বনা থম্বা চিংনবদে অউবশিংঙুনা য়াম্না কজবা ওইনা লৌরম্মী ॥২৩॥

প্রদক্ষিণপ্রক্রমণাৎকৃশানোরুদর্চিষস্তন্মিথুনং চকাসে ।

মেরোরুপান্তেষ্বিব বর্তমানমন্যোন্যসংসক্তমহস্ত্রিয়ামম্ ॥২৪॥

মতম অদুগা অদু অমস্থুং ইন্দুমতীনা মজগী অগ্নিকুণ্ডবু কোইরম্মী, মতমদুদা মতৌ অওম্না লৌরম্মী মহুক্তি চুংনিদাং অমস্থুং চুংখিন্না কি কিশলমরপা অনিমক্না সুমেরু চীংবু কোইবওম্না ॥২৪॥

নিতম্বগুর্বী গুরুণা প্রযুক্তা বধূর্বিধাতৃপ্রতিমেন তেন ।

চকার সা মত্তচকোরনেত্রা লজ্জাবতী লাজবিসর্গমগ্নৌ ॥২৫॥

অহুমী মুংদা অচৌবা মিতনা মিরবী অমম্বুং মথাই পুরবা লোংইদা উচেকী মিংতাংগুমবী ইন্দুমতীনা ব্রাহ্মণী মিংথোকপবা পূজা অহুদা পুম্বা-হিতনা হাইবদগী মৈদা কো-চেং থুজোক অমা কংখি ।২৫।

হবিঃ শমীপল্লবলাজগন্ধী পুণ্যঃ কৃশানোরুদিয়ায় ধূমঃ।
কপোলসংসর্পিশিখঃ স তস্যা মুহূর্তকর্ণোৎপলতাং প্রপেদে ।২৬।

ঘী, কাংশংলগী মরা অমদি কো-চেং চাকপগী মনম। থম্বা অশেংবা মৈথুবা মৈতুংদগী থোরকপনা মতম অহুদা ইন্দুমতীগী মখাইবক কাওবা থোরকই, মতম অহুদা মতো অণ্ডম। ফোংদোকলগী মহুদি হে মীওইবা ইন্দুমতীন অশংবা থখালবু নাদা থেংলিবরা হাইবা ।২৬।

তদঞ্জনক্লেদসমাকুলাক্ষং প্রম্লানবীজাঙ্কুরকর্ণপূরম্ ॥
বধূমুখং পাটলগণ্ডলেখমাচারধূমগ্রহণাদ্বভূব ॥২৭॥

অহুঙবা লুহোংবগী মৈগী মৈথুবা শোকপদা ইন্দুমতীগী মমিংতগী কাজলগা তিন্নবা মপি তারম্মী, মাগী মনাদা থেংপা লৈ অহনবা মিংথীনা উরমদে অমম্বুং মথোবী অহু ভাংলম্মী ॥২৭॥

তৌ স্নাতকৈর্বন্ধুমতা চ রাজ্ঞা পুরন্ধ্রিভিশ্চ ক্রমশঃ প্রযুক্তম্ ।
কন্যাকুমারৌ কনকাসনস্থাবার্দ্রাক্ষতারোপণমন্বভূতাম্ ।২৮।

কে ইবা লোইশিনবগী ভুংদা স্নাগী সিংহাসনদা ফমবা বর-কন্যাগী মথক্তা বেদ পাঠ হৈরবশিংনা, শাগৈ-মাতৈশিংনা ভোজ মিংথৌ অমসুং পুরোহিতনা হম্না হম্ন থেক্ক-কাইদবা থাদোকপদবা লৈমিয়নব বর পীরে ।২৮।

ইতি স্বসুর্ভোজকুলপ্রদীপঃ সম্পাদ্য পাণিগ্রহণং স রাজা
মহীপতীনাং পৃথগর্হণার্থং সমাদিদেশাধিকৃতানধিশ্রীঃ ।।২৯।।

ভোজ শাংগৈগী থ ওইমগুম্বা মরন লৈরবা অহুগুম্বা মিংথৌনা মহাকী মচনগী লুহোংবগী থবক অহু মপুং ফারবগী তুংদা মথাইশিংদা স্নাথং পী মহুদি মখোইবা তোংভান তোংভানা মিংথৌ পুরমকপু ইকায়খুম্বগা লোইবরা। সেবা তৌনবা ।।২৯।।

লিঙ্গৈর্মুদঃ সংবৃতবিক্রিয়াস্তে হ্রদাঃ প্রসন্না ইব গূঢনক্রাঃ ।
বৈদর্ভমামন্ত্র্য যযুস্তদীয়াং প্রত্যর্প্য পূজামুপদাছলেন ।।৩০।।

অদুগুম্বা লেংলবা ইথিলো কোথিয়াম্না লোংতুনা থৈবগুম, অদুগুম্বা পুঞ্জিলগা মাঙনবা অতোপ্পা থিংবোথিংবা সিংহাসন মথক অদুদা থাম্না হুংজাইবা লেংলগী, তৌইগুমবগুং পস্পোক-পস্পোয়মচি ভবরীবা থাখন ওইরম্মী। মমন অদুনা পুম্নমক্না বিকর্ত থিংবোগী মাথং তোঙনা অমমম্তুং মহাক্না কয়বা পোং-চৈগী অথেনপোং অদুদা পেল্লদুনা মহাক-মহাক্না মথৈবাক্তা চংলবা থোক্লে ॥৩০॥

স বাতলোকঃ কৃতপূর্বসংবিদাবরসিদ্ধৌ সমযোপলভ্যম্।
আদাস্যমানঃ প্রমদামিবং তদাবৃত্য পস্থাথপকস্তু তংস্থৌ ॥৩১॥

অদুগুম্বা থিংবোথিংনা হায়দগী হোৎনা লেপবা থাকয় অমা থৈবগী মহুতি মতম অদুদা অকনা ইন্দুমতীবু পুখুনা চংলবদি মাবু কোইথিনগদি অমমম্তুং মতোন্দগী কনবরো ইন্দুমতীবু মুথপদি। মতো অতপ্পা মথোই পুম্নমক্না অকপী মহৌদা থাংখুনা থৈরে ॥৩১॥

ততঃ প্রতি বাতবিভক্তকৈকেশিকানাম হৃতিতাবলম্বমানাবিবাহঃ।
সদ্যঃপ্রয়াপাহরণীকৃতশ্রীঃ প্রাস্থাপরাজ্য সবধূপ চ ॥৩২॥

শোমদা মতম ফগীগী নুংহোংলগা বিকর্ত থিংবোনা চবপনবা মপুংইবা মা-নুপা পীরগা (হাপ্পগা) মথুগী মচা অদুবু চংলবা মাথং পীরে মাগা লোইনদুনা থম শাংলগা থিন্দোকনুবা লোইরৈ ॥৩২॥

তিস্রস্ত্রিলোকপ্রথিতেন সার্ধমজেন মার্গে বসতীরুষিত্বা।
তস্মাদপাবর্তত কুণ্ডিনেশঃ পর্বাত্যয়ে সোম ইবোষ্ণরশ্মেঃ ॥৩৩॥

কুণ্ডিনপুরগী থিংবো ভেংজনা মথোল অদুম কাওবা অকনা লোইনবা মতীদা অহিং অহুম লেখম্ভিরে অমসুং মদুগী তুংদা মশে অতপ্পা হয়রকই, মহৃর্ষি অমাবস্যাদা চন্দ্রিংকী নাকুগী থাবা লাকপগুম্না ॥৩৩॥

প্রমন্যবঃ প্রাগপি কোশলেন্দ্রে প্রত্যেকমাত্তস্বতয়া বভূবুঃ।
অতো নৃপাশ্চক্ষমিরে সমেতাঃ স্ত্রীরত্নলাভং ন তদাত্মজস্য ॥৩৪॥

অদুগুম্বা থিংবোথিং অদুনা শর্বী থিংদুনা লেপ্পগী, মথোইবু কোশলগী মপু মথুংদা থিবকলগী মতমদা অজ-নৃপ পুম্নমক লৌথনম্মী। মমন অদুনা মথোইনা অমাসমদগী হোৎনা লেক্কবা ওইরম্মী। মমম অদুগী মথোইনা

[illegible] ইন্দুমতীর [illegible] ।৩৪।

তমুদ্বহন্তং পথি ভোজকন্যাং রুরোধ রাজন্যগণঃ স দৃপ্তঃ ।
বলিপ্রদিষ্টাং শ্রিয়মাদদানং ত্রৈবিক্রমং পাদমিবেন্দ্রশত্রুঃ ॥৩৫॥

[illegible] ইন্দুমতীর [illegible], [illegible] বলিনি [illegible] ।৩৫।

তস্যাঃ স রক্ষার্থমনল্পযোধমাদিশ্য পিত্র্যং সচিবং কুমারঃ ।
প্রত্যগ্রহীৎ পার্থিববাহিনীং তাং ভাগীরথীং শোণ ইবোত্তরঙ্গঃ ॥৩৬॥

[illegible] ইন্দুমতীর [illegible] । [illegible] ।৩৬।

পত্তিঃ পদাতিং রথিনং রথেশস্তুরঙ্গসাদী তুরগাধিরূঢ়ম্ ।
যন্তা গজস্যাভ্যপতদ্গজস্থং তুল্যপ্রতিদ্বন্দ্বি বভূব যুদ্ধম্ ॥৩৭॥

[illegible] ।৩৭।

নদৎসু তূর্যেষ্ববিভাব্যবাচো নোদীরয়ন্তি স্ম কুলোপদেশম্ ।
বাণাক্ষরৈরেব পরস্পরস্য নামোর্জিতং চাপভৃতঃ শশংসুঃ ॥৩৮॥

[illegible] ।৩৮।

উত্তংশিরা নাবতি বেণুরবৈঃ সাজীকৃত কুসমবংশতক্রো।
নিতান্তিঃ কুন্দরবর্ণভালৈরেবৈক্রেঃ মযোদয়ারোব দূর্বং ॥৩৯॥

অহুত্তবা দাংনকন অহুনা শগোনশিংগী মযোংবো কাওবদনী অহুত্তবা উডুনবা পাইবংলনী, মহুদ দেংলাইরঃ বাবণা চাকাদনী পাইবংলকণা উডুনগা তিয়রগা অনুকত হেয়া কুংশিল্পী। শাযুশিংগী মনাশিং অহুবা বেদনী উডুন অহু মাইগে মরীনক্ মতো অতুয়া শন্দোকথি মহুদি দুনিংপূ কি অবনা কুমগুয়া ॥৩৯॥

মতস্তধবজা বায়ুবশাদ্বিদীনৈষ বৈঃ প্রবৃদ্ধধবভিত্তণীবজাংসি।
বভূঃ পিবত্তঃ পরম'র্থমতস্থ: পর্যাবিক্সাণীব মবোদক'নি।॥৪০॥

দুংশিংকো ইপোয়' লাম্বিশিংনী ওাশী মতোওয়বা কিবাশশিংগী মর্চিন অহু দাংলমী। মহুদ' উডুন অহুনা চংপওমী, মতন অহুনা আনম্বিশিং অহু মতো অতুয়া থরুরমী মহুদি 'হ মীংটৈবা নোংজুথাবা মবমগা লোইনববা ইশিং থকলিবা অমে'ব' ভাওয়া ওইরমী ॥৪০॥

বথে। বথ'জধব'নিবা বিজত্তে বিশোকঘণ্টাকবিতেবনাগঃ।
অত্তত্ বাংগ্রহণ'তত্ত্ব সাত্রে মতস্থাত্মপর'ববোধঃ ॥৪১॥

অহুওয়া নাম্বা অহুকী মতীক উডুন পাইথংলি মহুদি মকম অহুদ। আনকিশিংবা লোলাই চকাদী মথোন আবণা থংবা ওমেকশী মহুদি দোবাকী আমকেৎ হাইবা। মথোইনী থংজবা বাথনকা মতম অহুনা শিশিকেং, মতম অহুনা মাইকৈক অবিমকী লাবনিবা মহাক-মহাকী নিংথৌশিংবী মনিং থাইবাইদুনা আন্ তৌই ॥৪১॥

আবৃত্তো বোচনার্থমাকৌ এক্লোংকক নয়ংবিন্দু স্তবকন্ত।
শরৎকালাথ কণকীরজন্মা বাক্যকলোভুক্র বিব্রবংকঃ ॥৪২॥

নিংকী মমাংদা মনাশনা অমঙ্গা শানকমক' শন্দোকইবা অহুওবা উডুকী অমর্নিংদা দুংনামনা নোক্লবা শবোক, শাযুশিং অমহুং আক- লিশিংকী চশাংদী বোমকশা কঃ না বো'জনকশনী দুনিংবা চাংলৈনবা অহুয়া উবা কংই ॥৪২॥

স চ্ছিন্নমূলঃ ক্ষতজেন রেণুস্তস্যোপরিষ্টাৎপবনাবধূতঃ।
অঙ্গারশেষস্য হুতাশনস্য পূর্বোত্থিতো ধূম ইবাবভাসে ॥৪৩॥

মতম অদুদা লৈমাইথক্তা অঙ্কী মতীক ঈঃ না তেঙ্কনী মহাকি লৈমাইগী উতুম পুন্নক কাজিন্নদী অমম্বং অহুওঙা উতুমনা মতক্তা হাইগৎলদী, মহু মুংশিংকী মতেংনা শিন্দুংনা শঙ্গোকখিনা অহুওঙা উতুমনা মতো অতুম তৌরদী, মথো মৈংগী কাওৎখিন্নুনা শঙ্গোকখিবগুম, অমম্বং লৈমাইদা ওথনী মৈতান্না থাকুনা লৈহৌবগুম ॥৪৩॥

প্রহারমূর্ছাপগমে রথস্থা যন্তৄনুপালভ্য নিবর্তিতাশ্বান্।
যৈঃ সাধিতা লক্ষিতপূর্বকেতূংস্তানেব সামর্ষতয়া নিজঘ্নুঃ ॥৪৪॥

অহুওঙা মাখনি অদুনা থৃংলাম্নী চৈনাবা থাহনী, মাবু মাগী সারথীনা লোন্নাইদা হাপ্পগা হন্না পুখোকই। তৌইওঙনবং মতম অদুদা নহান্না থাংজনবগী অ্যাপ অান্নবদা মহাক্না মাগী সারথীগুম থামা করনা থাহৈ কয়াবা চৈ। অমম্বং তেনশিংবা কাপ্পকপদগী মথে.ইবা শোকলদী, মহৌ লোনাইগী ফিরাম্না মখক থেংনে-থেংনহুনা হাংখৈ ॥৪৪॥

অপ্যর্ধমার্গে পরবাণলূনা ধনুর্ভৃতাং হস্তবতাং পৃষৎকাঃ।
সংপ্রাপুরেবাত্মজবানুবৃত্ত্যা পূর্বার্ধভাগৈঃ ফলিভিঃ শরব্যম্ ॥৪৫॥

মাঙকম অদুদা লৌরংপাইবশিংনা মথুত্তা তেন পাইদুনা অমদি তেন্না খোংহনা এপা থেংনগা কাপ্পদী, মাগী তেন অহু মতৌ অতুম তৌদুনা থেঙ্কবশিংগী তেনশিংনা মন্নাইদা ককথত্না মতেক অমি থোক্ত ককখংবি। অহু ওইদুনম থূতাপ অহু ম ম্না থুরদী মহাকি শাজদগী মহৈ অহাকি লৌরদী মাগী থংবনা শরক্তা অতেকপা মতেক অহুনা তৌবকদী ॥৪৫॥

আধোরণানাং গজসংনিপাতে শিরাংসি চক্রৈর্নিশিতৈঃ ক্ষুরাগ্রৈঃ
হৃতান্যপি শ্যেননখাগ্রকোটিব্যাসক্তকেশানি চিরেণ পেতুঃ ॥৪৬॥

শামুশিংগী লামকথা থৌবথা চক্রগুবা থুংলাবন: অহুওবা শামুগী মথী অহুগী মতক ককনদী, মকোক অহু মাপ্পা অদ্দা লৈমাইদা তাগদী। মথমদি মথে'ইগী শাংবস-শাংবনা মথম অহুনা কাজিন্নবগী মথম মানা মুইনা মথক্তা অহাংবগা লোইনবা চৈ ॥৪৬॥

